ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁꯇꯥ ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ
ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯊꯟꯅꯕ ꯕ꯭ꯔꯥꯔꯦꯡ

# বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং অথন্নবা ব্রারেং

হামোম প্রমোদ

বাংলাদেশতা লৈরিবা মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলগী মমালোন ওইরিবা মীতৈলোনগী মতাংদা ৱারেং কয়া নৈনবা অমদি ফোংবা থেংনদ্রি। কনাগুম্বনা চোইজাইননা ইরবসু লাইরিক ওইনা ফোংদ্রি। মদুগী অৱাৎপা খরদি ফোংলিবা হামোম প্রমোদ'কী 'বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং অখন্নবা ৱারেং' লাইরিক অসিনা কোকহল্লনি। বাংলাদেশতা খুন্দারিবা অতোপ্পা কাঙলূপশিংগা চাংদম্নবদা ঙসিগী মীতৈলোনগী ফিভম অমসুং লাক্কদৌরিবা মতমদা থেংনগদবা চৈথেংগী মতাংদা কয়া য়াম্না কান্নগনি হায়বদু লাইরিক অসিবু পাবিরিবা ময়াম্না নৈনবিগনি। লোয়ননা খুন্নায়গী থৌপুবশিংগী মনুংদা অইবনা থেংনজবা 'লেক অফ মোটিভেশন'গী ওয়াখল্লোন হোংদোকপদা কান্নগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি।

অদুনা, লাইরিক অসি মহৈরোয়, মীচম অমদি খুন্নায়গী থৌপুবশিংদা অচৌবা ঈথিল অমা ওইনি হায়বসি ইরায় লায়না হায়বা য়াই।

মাইবম সাধন
তিউড়ি প্রকাশন

প্রচ্ছদ : সোহেল আনাম

# বাংলাদেশতা মীতৈলোন

## অমসুং

## অখন্নবা ব্রারেং

CamScanner

# ꯕꯝꯇꯦꯅꯪꯉꯔꯕ ꯈꯤꯔꯣꯇꯧꯖ

ꯄꯈꯂꯝ

ꯄꯔꯅꯗꯕ ꯔꯦꯕꯪꯝ

# বাংলাদেশতা মীতৈলোন

অমসুং

অখন্নবা ল্লারেং

হামোম প্রমোদ

বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং অখন্নবা ব্বারেং ■ হামোম প্রমোদ

অইবা : হামোম প্রমোদ
অহান্বা ফোংবা : জানুয়ারী ১৭, ২০২৫

— লাইরিক ফংফম —

লিটলম্যাগ– কথা, চিবিমা, স্বরূপ, কবিতাপত্র, কবিতাভূমি
ত্রিপুরা বাণী প্রকাশনী– ত্রিপুরা
কামাক্ষ্যা বুকস– আসাম
ধ্যানবিন্দু– কলকাতা

— অনলাইন —
kanamachhi.com/teuri-prokashon
rokomari.com/teuri-prokashon

তিউড়ি প্রকাশনা—১২৫
ISBN 978-984-93246-3-8

অফোংবা : তিউড়ি প্রকাশন, সেক্টর–৮, উত্তরা, ঢাকা ॥ মখুম: সোহেল আনাম ॥ ইমেইল: teuriprokashon@gmail.com ॥ মোবাইল: ০১৬৭৬১৪৭৮৪৪, ০১৯৫৩০০৬৫২৪, ০১৭১৪২৪২৬৯৮ ॥ লাইরিক নম্ফম: তিউড়ি প্রিন্টার্স, ঢাকা ॥ মমল: ৳ ৩০০.০০ টাকা (বাংলাদেশ), $ ২০.০০ ডলার (আন্ত:)।

**কখোকচবা–**

হন্‌জিন হন্‌জিন্না কৌরবসু অমুকহন্না
খুম্মক্লরোইদ্রবা– ***পাবুং***

অমসুং

খরা কন্না কৌদ্রবদি খুম্বিরকত্রবা– ***ইমা***
মখোয় অনিগী খুয়াখাদ

CS CamScanner

# য়াওফম তাকচবা

ৱাহৌদোক ৯
বাংলাদেশতা মীতৈলোন তম্বা হৌগৎপা তঙাই ফদ্রবনি ১৩
বাংলাদেশতা মীতৈলোনগী মতাংদা খন্থনিঙাই ওইরবা ৱাফম খরা ১৯
বাংলাদেশতা মুৎথরক্লবা ঈনাৎ অমসুং ইমালোন ৩২
বাংলাদেশতা শুমাং লীলা অমসুং মীতৈলোনগী দ্রামা ৩৯
দ্রামাগী তাইবংদা শোণী'গী তাৎ য়েংলুসি কদর মদর তৌদুনা ৪৭
কন্থৌজম সুরঞ্জিত'কী শৈরেং-ৱারেং খরা পারুবদা ৫৬
চিংখৈ অঙোমগী 'পেবেতকি পেনা' ৬১
লুইস গ্লুক অমসুং মহাক্কী শৈরেং ৬৫
বাংলাদেশকী চাকমা কবি অহুমগী শৈরেং ৭৬
নোর্থ আমেরিকাদা মীতৈশিংনা খুন্দারকপগী শম্লপ্পা ৱারী ৮৩
ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী নিংশিংৱারী অমসুং
ফাইন্ডিং দ্য ভয়েসকী থৌরম ৯৩

CamScanner

## ৱাহৌদোক

মতম শাংলবনি ঐনা ৱারেংগী লাইরিক অমতং ফোংগে খঞ্জরকলিবসি। ঙসিদি মঙফাউনরে হায়বা তারে। তৌববুদি অনৌবা ৱারেং কয়া থোয়দোকনা ইথোকপা ঙমখিদ্রে। চহি কুন মমাংদগী বাংলাদেশকী চেফোং কয়াদা ঙহাক ঙহাক্কী খল্লগা ইথোকখিবা ৱারেং ঙাক্তনি। মরু ওইনা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা ফোংবা 'মৈরা', ঈনাৎ পাবলিকশন্স না ফোংবা 'শজিবু' অমসুং বাংলাদেশতগী হামোম প্রবিত অমসুং মণিপুরগী এ.সি নেত্রজিৎনা ফোংবা 'শায়োন' চেফোংদা ফোংদোকখ্রবা ৱারেং ঙাক্তনি। অদুমক ওইরবসু বাংলাদেশকী ৱাংমদা ভারতকী মফম কয়াদগী ফোংলকপা চেফোং কয়াদসু লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেং খরদি ফোংখ্রে, তৌবতবু করম্বা চেফোংদা করম্বা ৱারেং ফোংখিবা নত্রগা করম্বা ইস্যুদা ফোংখিবনো হায়বদুদি পঞ্জবা ঙমজদ্রে, পাবিরিবশিংনা ঙাকপিগনি। ইম্ফালগী নুত্তিগী ফোংবা চেফোং 'সঙাই এক্সপ্রেস' অমদি 'পোক্নফম' অমসুং ইম্ফালগী সাহিত্যগী লূপ কয়ানা ফোংবা সাহিত্যগী ওইবা চেফোং অমা অনিদসু ঐগী ৱারেং কয়াতং য়াওখি হাইবসু ঐবু নুংশিবিবা অইবা অইবিশিংনা পাওদমবিরকখি। ঐনা লমদম তাম্না লৈখিবা অমসুং ঈ-পাও মতম খুদিংমক্তা ফাওনবা ঙমদবনা ফোংখিবা ৱারেং পুন্নমকসু করি-করম্বা চেফোংদা ফোংখিবনো অদুসু হায়জবা ঙমজদ্রে।

হন্‌জিন হন্‌জিন্না হায়দুনতা লাকলবা ৱাফম অমনা, মশিং লিক্লা লৈবগী হৌনবি অৱাৎপগী অৱাৎপা, পেনদবগী পেনদবা ঙাক্তনি, অদুনা ঐগী অয়াম্বা ৱারেং পুন্নমক লৈতবগী, অৱাৎপগী তেংথাখোলনা অয়াম্বনি। বাংলাদেশতা মীতৈলোন, মীতৈলোনগী খোরিরোল অমসুং ঐখোয়গী ঈনাৎ অসুম অসুম মাংথরকপা, মুৎথরকপা অসিদা পুক্লিংদা নুংনাংবা, পেনদবা কয়া ফাওরকখি, অদুদগী খংবা খংদবা ঐগী ৱাখলদা, থম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাখল্লোন অদুবু ইচম চম্না

ইথোকচখিবনি। চেফোং কয়াদা চোয়জাইননা লৈবগী মহুৎতা মফম অমদা, কভার অমগী মনুংদা লৈবনা হেন্না ফগদ্রা খনবদগী লাইরিক অমা ওইনা ফগদ্রা খন্দুনা ফোংদোকচবনি। চহী তরা-কুন মমাংদা ইথোকখিবা ফোংদোকখিবা ওইরবসু ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী খুন্নায়দা থোয়দোকপা অহোংবা লাকত্রি হায়বদা হায়মনবা থোকলোয় হায়না খনলি, অদুনা বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমদি ঈনাৎকী মতাংদা মতমদুগী ফিভম য়েংলগা, খল্লগা ইথোকখিবা 'বাংলাদেশতা মীতৈলোন তম্বা হৌগৎপা তঙাই ফদ্রবনি', বাংলাদেশতা মুৎথরক্লবা ঈনাৎ অমসুং ইমালোন' অমদি 'বাংলাদেশতা মীতৈলোনগী মতাংদা খন্থনিঙাই ওইরবা ৱাফম খরা' ৱারেংশিংদা থমজখিবা ঐগী ৱাখল্লোন থোয়দোকপা অহোংবা লৈত্রি হায়না খল্লি। তৌবতবু চহি খরসিদা বাংলাদেশতা মীতৈ ময়েক তম্বিবগী লনাই ওইনা ওজা অমা অনিখকনা মীতৈময়েক্কি স্কুল নত্রগা সেন্টার ওইনা হাংদুনা তাকপি তম্বিবা হৌগৎলে হায়বগী পাও তাজবা ফংলি, অদুতা নত্তনা য়াম্না নুঙাইবা পাও অমনা বাংলাদেশ গভর্মেন্টকী মায়কৈদগীসু মীতৈলোন অমসুং মীতৈময়েক তম্বিবগী অনৌবা থৌরম অমা লৌখৎলক্লি হায়বগী ইনফরমেশন অমসু ফংলে। অদুবু ঐখোয়গী খুন্নায়গী ওইবা ৱাখল্লোনদি থোইদোক্না হোংদ্রি হায়দুনা খনজে। বাংলাদেশতা লৈরিবা ঐখোয়গী খুন্নায়দা মীতৈলোন অমসুং মীতৈগী নাৎ মাংথরকপগী মমি অসিদি অসুম তারি, নোংমা নোংমগী অসুম শোন্থরক্লি।

ইমালোন মাংথরকপা অমসুং ঈনাৎ অসুম অসুম মুৎশিল্লকপগী মায়োক্তা থৌনা ফবা লান্মী খরদি থোরকলি, থোরকখিগনি। ঐখোয়গী খুন্নায়দা খোরিলাংবা সাহিত্যকার খরা য়াম্না ইচংথৌনা লোনগী ওইবা পোখোক পুথোরকপা লেপত্রি। মখোয়খরগী মনুংদগী অহল অমসুং নহা অমা অনিগী শৈরেংগী লাইরিক অমমম ফোংখিবশিংদু পারুরবা মতুংদা ঐগী থম্মোয়দা করি ফাওরকখিবা, করি খনখিবা শমলপ্না অসুম নৈনজখিবনি। সাহিত্যগী কৃতিক অমগুম্না নৈনখিবা অমত্তা নত্তে। লাইরিক্কি শক তাকপা নত্রগা বুক রিভিউ তৌখিবদি নৎচদে। লোয়ননা ঐনা য়াম্না পামজনা পাজখিবা আমেরিকাগী নোবেল প্রাইজ ফংলবী কবি লুইস গ্লুক'কী মতাংদসু পারুবা-থেংনরুবা খরা মীতৈলোনগী অপাবা শিংদা খংহন্নিংদুনা

ইথোকচবনি, থিজিনগদবা-নৈনগদবদি য়াম্না লৈরি খল্লি। সাহিত্যবু পামজরুবা অমা ওইনা মখোয়গী মতাংদা ৱাহৈ অমনিতং ফোংদোকচবনি।

লাইরিক অসিদা অনৌবা ৱারেং হায়রগদি, 'ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী নিংশিংৱারী অমসুং ফাইন্ডিং দ্য ভয়েসকী থৌরম' অমদি 'বাংলাদেশতা শুমাং লীলা অমসুং মীতৈলোনগী দ্রামা' কৌবা অনি অসিতনি। অতোপ্পা ৱারেং পুন্নমক মমাংদা ফোংখিবা ঙাক্তনি। চেফোং কয়াদা ফোংখিবা ৱারেং ওইবনা পাবিরিবা ময়াম্না ৱাখল্লোন নত্রগা ৱাহৈ খরদি ইমান মান্নবগুম ওইনা থেংনবসু য়াওরক্কনি, অদুবু হান্ননা ফোংদোকখ্রবা কৌবনিনা হান্নগী মওংদু কায়হন্নিংদবনা অমুক হঞ্জিন্না শেমশাদোকপা নত্রগা ওন্থোক-ওনশিন তৌজদ্রে। চেফোংশিংদা ফোংখিবা অদুমক অসিদসু অসুম থমজরে।

অরোইবদা, লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেং অয়াম্বা ফোংদোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবা 'মৈরা'গী সম্পাদক ওজা এ. কে. শেরাম, 'শজীবু' চেফোংগী ইদিতর মরূপ শেরাম নিরঞ্জন, বাংলাদেশ অমসুং মণিপুরদগী ফোংবা 'শায়োন' চেফোংগী ইদিতর অনি তামো এ. সি. নেত্রজিৎ অমসুং ঐগী ইনাও হামোম প্রবিত লোয়ননা ইন্ডিয়াগী আসাম, ত্রিপুরা অমদি মণিপুরদা ফোংখিবা সাহিত্য চেফোংগী ইদিতর পুন্নমক্কী মফমদসু তৌবিমল খংবা উৎচরি, ইকায়খুম্নজরি। লোয়ননা, লাইরিক অসি ফোংনবা হোৎনবদা ৱারেং খনগৎপদগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌবিরকখিবা তিউড়ি প্রকাশনগী ইনাও শৈরেংবা মাইবম সাধন অমসুং মখুমগী ডিজাইন য়েকপিখিবা মিস্টার সোহেল আনামবুসু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

**হামোম প্রমোদ**

মোন্ট্রিয়ল, কানাডা

## বাংলাদেশতা মীতৈলোন তম্বা হৌগৎপা তঙাই ফদ্রবনি

বাংলাদেশতা মীতৈলোন তম্বা হৌগৎপগী মতাংতা Ami Kim অমসুং Kim Seung না ফেব্রুয়ারি ২০০৮ তা ফোঙবা [সার্ভে রিপোর্ট অমা Meitei (Manipuri) speakers in Bangladesh : A sociolinguistic Survey (SIL International-2008)'তা ফোঙদোকলিবা] রিকোমেন্ডেশন অদু ঐখোয়না খন্নফম থোকই।

মীতৈলোন তম্বগী মতাংদা মখোয়না রিকোমেন্ড তৌরিবদো অসিনি–

"... Based on these factors, which have shown themselves to be prominent in this survey, we would recommend that literacy classes be started to help Meitei children learn to read and write in their mother tongue. These should be taught using Bangla script, since that is what the children will be learning simultaneously in government schools, and since that is what is used widely in Manipur state. If this is successful the children could later learn the traditional Meitei script as well. Such classes could first start in a pilot location and, again, if successful, could later expand to include more areas in which Bangladeshi Meitei live. These classes could also be adapted to serve as adult literacy classes if and after children's classes are received well."

এক্সপার্ট অনীনা পীরকপা রিকোমেন্ডেশন অসি বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং মীতৈ ময়েক তম্বগী থৌদাং লৌখৎপদা পাম্বৈ অমা ওইনা লৌফম থোকই।

বাংলাদেশকী মীতৈ/মীতৈ পাঙলনা মীতৈলোন ঙাঙনরবসু ঙসিফাওবদা মমালোন তম্নবগী স্কুল অমদি সেন্টার অমত্তা লিংখৎত্রি।* মমাংঙৈদা কনা কনাগুম্বনা হৌগৎখি হায়নদি তাখি। অদুবু মখাতানা, তুং কোয়না চৎখিব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমজদ্রে। লাইরিক হৈবা-বাংলাদেশকী মীতৈ/মীতৈ পাঙল অয়াম্বনা বাংলাদা ইবা-পাবা ঙম্নবসু মীতৈলোন ইবা-পাবা ঙম্বগী মতাংদদি য়াম্না হন্থনা লৈরি। বাংলা লোন নিংথিনা খঙজরবসু মীতৈলোনদদি ইবা-পাবদা হৈনবা লৈতবগুম উই। মমালোন তমনীংদবা কনানো? অদুবু বাংলাদেশতা লৈবা মীতৈ খুন্নাইগী থৌবুরেল ওইবিরিবা অমসুং ওর্গানাইজেশনগী লিডারশিংনা থৌশাবিদবা, হোৎনবিদবা অসিমক্লা মীতৈলোন-মমালোন তম্বগী খুদোং চাবা ফঙখিদে, ফঙদ্রি।

এস.আই.এল ইন্টারন্যাশনাল বাংলাদেশতা মখোয়গী প্রোজেক্ট অমসুং প্রোগ্রাম মথৎশিংনা লৌথবগীদমক রিসার্চ অমসুং সার্ভে (২০০১-২০০৩) কয়া বাংলাদেশকী মফম কয়াদা চৎখি। অদুগী মনুংদা মীতৈলোন ঙাঙবা কাঙলূপসু য়াওখি। মীতৈলোন ঙাঙবা ফুরূপকী মীহুৎ কয়াসু SIL'না শীনবা ৱার্কশপ, ট্রেনিং, সেমিনারদা শরুক য়াখি। অদুবু থৌরম-থৌশিল মপুং ফাদবা হায়গদ্রা, মীতৈলোন ঙাঙবা ফুরূপকী মীহুৎশিংদুগী হোৎনবা ৱাৎপা হায়গদ্রা বাংলাদেশতা মীতৈলোন তম্বগী থবক অদু নিংথিনা পাঙথোকখিদ্রে। তুংগী মীতৈ মহৈরোয়শিংসু মমালোন তম্বগী খূদোংচাবা লৌবা ঙমহৌদ্রে। অসি ঐখোয়গী লাইবক থীবনি। মথৎদা, মখোয় (Ami Kim অমসুং Kim Seung) অনীনা থিজিন্বদা ফংবা ফেক্টরশিংদো মখাদা শম্নপ্না পনজরি–

- বাংলাদেশকী মীতৈ/মীতৈ পাঙল লোন অনীমক (বাংলা অমসুং মীতৈলোন) খঙঙি।
- মীতৈলোন ইবা-পাবা ঙমদ্রবসু বাংলাদেশকী মীতৈ/মীতৈ পাঙলশিংনা মমালোনবু কাউজদে।

* চহি ১২/১৩ মমাংদা ইখিবা ৱারেংনি, মতমদুদা মীতে লোন/ময়েক তম্বগী স্কুল/সেন্টার লৈরমদে। অদুবু চহি খরসিদা মীতৈ লোন/ময়েক তম্বগী স্কুল/সেন্টার লিঙ্খৎলক্লে।

- মীতৈলোন ঙাঙবা ফুরূপ অনীমকনা বাংলাদেশতা মমালোনগীতমক চাউথোকচৈ।
- ইম্ফালদা ঙাঙনরিবা মীতৈলোন, বাংলাদেশতা ঙাঙনরিবা মীতৈলোনগা থোইদোকপা খেন্নবা লৈতে।
- বাংলাদেশকী অয়াম্বা মীতৈলোন ঙাঙবশিংনা ইম্ফালদা ঙাঙনরিবা মীতৈলোননা খোম্লোক-খোম্থা খরা হেন্না ফজে, চুম্মি, তাবদা নুঙায় খনলি।
- খুদোংচাবা ফংলবদি, মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মীতৈলোন ইবা-পাবা তমহন্নিংই।
- য়ুম অমসুং সমাজগী থৌরম খুদিংদা মীতৈশিংনা হৌজিকসু মশাগী লোন শিজিন্নে।
- লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম খুদিংমক্তা মীতৈলোন শিজিন্নে।
- অদুবু লাইরিক হৈবশিংনা বাংলা লোন্না হেন্না খুৎলোইরকপনা মীতৈলোনগী তুংদা সমস্যা অমা লাকপগী চিংনবা অমা লৈরি।
- অহল-লমনশিংসু মফম মতাং চারবদি মমালোন তম্বদা শরূক য়ানিংই।
- মীতৈ খুন্নাইগী থৌবুবশিংনা মশিংগী মতাংদা মোটিভেশন পীবিবগী থৌরম পায়খৎপগী খুদম থোইনা থেংনদে। মীতৈলোন তম্বগী কান্নবা খঙলবসু মদুগী ইনোৎ মীতৈ লীডারশিংদগী ফঙদে।

হায়রিবা ফেক্টরশিংসিদা য়াম্না কিনীংঙাই ওইরিবদি, লাইরিক হৈবগী মশিং হেনগৎপগা মীতৈলোন ঙাঙবা মীগী মশিং হন্থরকপসিনি। অদুগীসু মথক্তা খুন্নায়গী থৌপুবশিংগী মনুংদা মীতৈলোন তম্বদা 'লেক অফ মোটিভেশন' অসিমকসু ইকায়নিংঙাইনি।

মতাং অসিদা Ami Kim অমসুং Kim Seung অনীনা পল্লমী– "... when these leaders have been asked how they would be willing to help, a lack of motivation seemed apparent... we mention this, however, as a word of caution to literacy workers and / or linguists who may consider starting a language development program among the Meitei; attitudes towards their own

language are positive, and a desire to become literate is high, but support from community leaders may be lacking at first. We therefore recommend that literacy workers and/or linguists who seek to help the Meitei in Bangladesh should first try to ensure the support of influential people within the Meitei community. "

অদুনা অমুক্কমুক লোন হিংহনবগী মতাংদসু তৌফম থোকপা থৌদাং লৌখৎপীনবা ঐখোয় খুন্নায়গী থৌপুবা ওইরিবা, কম্যুনিটিগী মপা-মপু ওইরিবশিংদা নোল্লুকনা নীংশিংজবা নত্তনা অতৈ করিসু হায়নীংঙাই লৈতে। বাংলাদেশকী মীতৈলোনগী মরমদতা নত্তে, ঙসি মালেমগী লোন মচা মচা অয়াম্বনা নোংমা নোংমগী মুৎথখিবা, মাঙখিবা য়াওরে। মালেমদগী মাঙখিগদৌরবা লোনমক্তি নত্তে মীতৈলোন, অদুবু বাংলাদেশতা লোন অসি ইবা-পাবা ঙম্বগী মশিংদি নোংমা নোংমগী হন্থরকই। মীতৈলোন ঙাঙবা ফুরূপচানা লাইরিক হৈবগী চাং হেনগৎলক্লবসু ইমালোন ইবা-পাবা ঙম্বগী মশিং হন্থখিবসি উবদা, তাবদা পাখৎচরুবতনি। মখাদা লিঙ্গুইস্টিক মাইনোরিটিশিংনা লোন অমবু হিংহনবদা, মাঙশিল্লক্কদবগী হিংহনবগী মতেং পাঙনবা ওইনা হিরম অসিগী এক্সপার্টিজশিংনা তাকপীখিবা, লোন অদুগী ফুরূপ অদুনা তৌফম থোকপা খরা মখাদা পিজরি–

- লেংগুয়েজ ডকুমেন্টেশন হায়বদি প্রিন্ট মিডিয়া, ইলেকট্রনিক মিডিয়া অমদি ডিজিটাল মিডিয়াদা লোনদুগী ফংবা মচাক পুন্নমক রেকর্ড তৌশিনবা।
- অনৌ অনৌবা মেটেরিয়ালস পুথোকপা, অনৌ-অনৌবা পাম্বৈ শিজিন্নবা। খুদম ওইনা ইমেইল, ব্লোগ, রেডিওদা মমালোন শিজিন্নবা।
- লোকেল লিঙ্গুইস্ট ট্রেনিং পীবা।
- মাংখিদৌবা লোনবু হীংহন্নবগী অনৌবা পোলিসি লৌখৎপা, হৌদোকপা।
- মীয়ামদা লোনগী লৈরিবা সিচুয়েশন ভাব তাহন্বা অমদি খঙহন্বা (এৱারনেস পীবা)।

➢ লোন অদু হিংনবা হোৎনবদা ময়াম্না সাপোর্ট পীবিবা, ইন্ডিভিজুয়েল লেঙ্গুয়েজ স্পিশিয়েলিস্টতগী হৌদুনা লোকেল এনজিও, লোকেল গভর্মেন্টতগী হৌদুনা ইন্টারন্যাশনাল ওইরবা সংস্থান্নসু মতেং পাঙফম থোকই।

অসিমসু কাউফদে, 'লোন হিংহনবদা-শিজিন্নবদা থৌদাং লৌদোরিবদি লোন অদু ভাঙলিবা কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংননি, মপানগী মী নত্রগা মীতোপনা নত্তে, অসি মখোয়গী (কম্যুনিটিদুগী) অপাম্বনি– করম্বা মওংদা, করমহায়না, করম তৌনা লোন অদুবু হিংহনবা।' (Intangible Cultural Heritage Section, UNESCO) *Arienne Dwyer, Matthias Brenzinger, and Akira Y. Yamamoto.*

হিরমসিদা বাংলাগী অমর্ত্য সেননা ইশাগী নাৎ-চৎনবী-লোনগী মতাংদা করি খনখিবগে হায়বদুসু পম্বদা মতাং চাই খনজে, 'মানুষকে তার ঐতিহ্যের কোন বিষয়গুলি বজায় রাখবে বা বর্জন করবে তা মূল্যায়ন করার সম্পূর্ণ স্বাধীনতা দিতে হবে। প্রকৃতপক্ষে স্বাধীনতা সম্বলিত এই দৃষ্টিকোণ থেকে সার্বজনীন অভিমুখী কোন অংশ প্রবর্তিত থাকবে সেই বিচারের অর্থ অধিকারে কারও বাধা দিতে আসা সঙ্গত হবে না– না জাতীয় স্তরের বা স্থানীয় 'রক্ষক' স্থানীয় ব্যক্তিরা, না আয়াতোল্লা বা অন্যান্য ধর্মীয় কর্তৃপক্ষ, না রাজনৈতিক বা কোন স্বৈরাচারী শাসনকর্তা অথবা দেশের বা বিদেশের সংস্কৃতি বিষয়ক কোনও 'বিশেষজ্ঞ'। ঐতিহ্যের সংরক্ষণ বনাম আধুনিকতার সুযোগ সুবিধা প্রত্যাখ্যান করে চিরাচরিত প্রথাগুলির প্রচলনের স্বপক্ষে সিদ্ধান্তে এই বিষয়টি সম্বন্ধে সিদ্ধান্তের ব্যাপক আলোচনা হওয়া প্রয়োজন সমাজের সকল স্তরের। ধর্মীয় মৌলবাদ বা রাজনৈতিক প্রথা বা তথাকথিত এশীয় মূল্যবোধের নামে সমর্থিত চিরাচরিত চিরাচরিত মূল্যবোধের নামে সবার অংশগ্রহণের স্বাধীনতাকে রোধ করার প্রচেষ্টা নায্যতার প্রশ্নটি উল্লংঘন করে। যারা এই বিষয়ের দ্বারা প্রভাবিত হবে তারা কী চায় এবং তারা যা পরিবর্তন সাধন করতে ইচ্ছুক তারাই সিদ্ধান্ত নেবার প্রক্রিয়ায় যোগদান করার সামর্থ্য অত্যাবশ্যক।'

*(অমর্ত্য সেন, উন্নয়ন ও সক্ষমতা, ২০০৪, পৃষ্ঠা ৪১-৪২)*



CamScanner

অসিদা হায়রিবা-ফোঙদোক্লিবা ৱাখল্লোন অসিবু মীতৈ খুন্নাইগী লূপ পুবিরিবা পূন্নমক্না খন্থফম থোকই। করম্বা হৌনবী-চৎনবী (ট্রেডিশং, ভেল্যুজ, ইথিক্স) থাদোক্কনি, করম্ববু শৌগৎকনি হায়বদো নৈনবগী খুদোংচাবা খুন্নাইসিগী মীয়ামদা পীফম থোকই। লোন-নাৎ নুংশি, চাউথোকচৈ হায়রগতা দায়িত্ব লোইদে, নাৎ অমসুং লোন য়োকখৎপগী থৌশীল থৌরমদা য়াওনবা হোৎনবা তাই, চঙশিন্দুনা য়াওশিনবা তাই।

বাংলাদেশতা লৈরিবা লূপ কয়াগী মপা-মপু ওইবীরিবশিংনা মদুগী লৌফম থোকপা থৌদাং অদো হৌজিকমক লৌহৌদ্রবদি তুংদা বাংলাদেশতা নাৎ ঙাক্কুনা, অমসুং মীতৈলোন ঙাঙদুনা হিংবগী লানফমদা তুংগী জেনারেশন্না তাইনরক্কনি, তাইনফমসু থোকই। নোংচুপ লমগী মমিং চৎলবা পন্ডিত অমগী ৱাহৈ খরা নিংশিংবা য়াই– '... critical self-consciousness means, historically and politically, the creation of an elite of intellectuals. A human mass does not 'distinguish' itself, does not become independent in its own right without, in the widest sense, organizing itself; and there is no organization without intellectuals, that is, without organizers and leaders, in other words, without the theoretical aspect of the theory-practice nexus being distinguished concretely by the existence of a group of people 'specialised' in conceptual and philosophical elaborations on ideas..." *(Culture and Ideological Hegemony-Antonio Gramsci)*

অদুনা, বাংলাদেশতা মীতৈলোন ঙাঙবা, নাৎ, চৎনা-লোনচৎ ঙাক্লা লৈবা কম্যুনিটি অমা ওইনা হিংবা তারবদি লোন অমসুং নাৎ হিংহনবগী থৌরম থৌদাং ফুরূপ অসিগী মপা-মপু ওইবিরিবশিংনা হৌজিকমক পায়খৎপা মথৌ তাই।

## বাংলাদেশতা মীতৈলোনগী মতাংদা খন্থনিঙাই ওইরবা ব্রাফম খরা

রিসার্চ ফোরম, মণিপুর (রিফোর্ম) না মণিপুরদা লৈবা লূপ এসসিইআরটি, ডাইরেক্টোরেট অফ ইদুকেশন (য়ু), ডাইরেক্টোরেট অফ আর্ট এন্ড কালচার অমসুং মণিপুর য়ুনিভার্সিটিগা খুৎশম্নদুনা শিনলাংখিবা নভেম্বর ১৩, ১৪ অমসুং ১৫, ২০১০ইং কংলা হোল, ইম্ফালদা পাংথোকখিবা 'মীতৈ লোনগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং মসিগী চাওখৎ থৌরাং' কৌবা হিরম অসিদা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম-ইন্টারন্যাশনাল সেমিনারদা শরুক য়াবগা লোইননা চে পাথোকপগী খুদোং চাবা ফংখি। মণিপুরদা লৈবা লূপ কয়াগী থৌবুরোই, অখঙ-অহৈ ওজা কয়াগা লোয়ননা মীতৈলোনগী এক্সপার্টিজশিং শরুক য়াখিবতা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা লোন অসিবু ঙাংনরিবা আসাম, ত্রিপুরা, ম্যানমার, চায়না, বাংলাদেশ, কানাডা, ইউরোপ অমসুং আমেরিকাদা লৈরিবা মীতৈলোন অসি করি ফিভমদা লৈরি, করি করম্না লোন অসি চাওখৎহন্বা য়াবগে হায়বনা চিংবা হিরম কয়াদা কুপথনা নৈনখি। সেমিনার অসিদা পাথোকখিবা চে অমসুং খন্ন-নৈনবা মীফমদা অখঙ-অহৈশিংনা থম্বিরম্বা ব্রাফমশিংদো নিংশিংবগা লোয়না লোয়ননা বাংলাদেশতা মীতৈলোন শিজন্নবগী মতাংদসু খন্থনিঙাই ওইরবা হিরম খরা ময়ামদা পাউদমজনিঙই। মীতৈলোনবু নুংশিজবা অমদি চাওখৎহন্নিংবা ময়ামদা লৈবাক অসিদা করম্না মীতৈলোন অসি চাওখৎহন্বা অমদি করম্না মপুঙ ফাবা লোন অমা ওইনা থম্বা য়াবগে হায়বনা চিংবা মীতৈলোন শিজন্নবগী মরমদা পোয়েন্ট খরা থমজনিংই। মশি, ঐনা হৈ-শিংলে নত্রগা অখঙ-অহৈ অমনি হায়দুনা পাওতাক পিজবনি হায়না লৌবিদনা চুম্না ইমালোন নুংশিজবা অমা ওইনা মপান্থোংদগী উজবা ইচম চম্বা ভাবোক অমগী মীৎয়েংদগী য়েংলগা থমজবনি হায়না লৌবিনবা নিংশিংজরি।

সেমিনার অসি পাংথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোলগী মতাঙদা হৌদোকপা ওইনা হোস্ট ওর্গানাইজেশনশিংগী মীহুৎ রিসার্চ ফোরম, মণিপুরগী থৌপুবা অমসুং 'রিফোর্ম' চেফোঙগী চীফ ইডিতর ওইবিরিবা অইবা ওজা নাউরোইবম ইন্দ্রমনি না মীতৈলোনগী মতাংদা ৱাফম অসি থম্বিরম্মি– "... পুৱারিগী শাংলবা মতম মনিপুর পুৱারী হৌগৎলকপা মতম খৃষ্টগী অহান্বা চহিচাগী মতুং তম্পাকলমদা ষ্টেট ফোর্মেসনগী খোঙচৎ অমা তপ্না তপ্না চখরকতুনা খৃষ্টগী ১৪সুবা চহিচাগী মতম মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা পানবা মতমদদি তম্পাকলমগী ষ্টেট ফোর্মেসন লোইরবা মতুঙদা তম্পাকলমদা খুন্দা লৈতারিবা মীওই ফুরূপ পূম্নমক অপূনবা লৈঙাকলোন অমগী মনুঙদা লাকখ্রবা মতমদদি হান্না মাগী মাগী ফুরূপশিংগী মচৎ-মনাৎ, লোন তোপ্পা-তোপ্পা লৈনরম্বশিং অমত্তা ওইনা পুন্সিলক্তুনা মান্নবা খুন্নাই অমগী শক্তম ওইরকখ্রবা মতমদা মীতৈ হায়বা ফুরূপ অসিগী অকক্লবা শক্তম অমা শাগৎলক্তুনা লোন, নাৎ অমদি খুন্নাইরোলদা অমত্তা ওইবা লীপুন অমনা তপ্না-তপ্না পুন্সিনখিদুনা অমত্তা ওইবা মীতৈ ফুরূপ অমা ওইরকখি। লোয়ননা খেৎনবা লৈত্রবা লোনগী থাক অমা য়ৌরক্তুনা ঙসিগী চাওখৎলে হায়না খন্নরিবা মীতৈলোন অসি ওইরকখি... ঙসিদি মীতৈলোন অসি ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চল্লবা অমদি ভারতকী সাহিত্য একাদেমিনা শকখঙলবা লোন অমা ওইরবা, মপুঙ মরৈ ফানা চাওখৎলবা লোন অমা হায়বদু ওইরবনি। চাওখৎলবা লৈবাক কয়াগী চাওখৎলবা লোনশিংগী মমাঙদা মীতৈশিংনা ইমালোন মীতৈলোনবু চিংনবা, ঈকাইবা, অথিংবা লৈতনা ঙাঙনা শক্লবনা মালেমগী মনুঙদা লৈবা মীতৈ হায়বসি মশাগী ময়েক অমদি লোন লৈজৈ হায়বা উৎথোক্তুনা থাক-ৱাংলবা, চাওখৎলবা মীওই ফুরূপ অমনি হায়বসি খঙহনফম থোকই লোয়ননা ইশাগী চাওখৎলবা লোন লৈজৈ হায়বা উখোকপনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াগী মমাঙদা চাউথোকচফম থোকই।"

মতাঙসিদা ঐসু নিংশিংজরম্মী বাংলাদেশতসু মীতৈলোন ঙাংলগা ইকায়নরম্বদু থাদোক্তুনা হৌজিক্তি শহরদা-টাউন্দা খঙদে খুল্লক লৈরকতা খঙদে ঐখোয়গী ইমালোন-মীতৈলোনবু ঙাংবদা নিংহন্নবা লৈত্রে। ঙসি বাংলাদেশকী নহারোলশিংনা য়ুমদা-খুল্লকতা-লৈকাইদা-মিটিংদা ইমালোন ঙাংনবা খক্তা নত্তনা সোশ্যাল মিডিয়া, ফেসবুক, টুইটার, ব্লোগিং, ইউটিউব না চিংবা ইন্টারনেটকী

ওইবা মফম কয়াদসু শিজন্নরী, পাউ ফাউনরি; অসিগুম্বা থাগৎনিঙাই ওইরবা এক্টিভিটিস পুন্নমক্কী ৱারীসু ময়ামদা তাহনলম্মী। অসিগী ওন্নবা মীতৈলোন ঙাংনিংদবা, ইনিংদবা, পানিংদবা নহারোল কয়ামসু লৈতবদি নত্তে হাইবদুসু নৈনবদা য়াওখি।

বাংলাদেশতা মীতৈলোনগী ফিভমগী মতাঙদা নৈনবা মতমদা কবি অমসুং অইবা থোকচোম মণিহার (শোণী) না মহাক্কি অই চে'দা অসুম্না হায়রম্মি– 'বাংলাদেশতা মীতৈলোনবু হৌজিক ফাওবা মৃৎহল্লমদ্রিবসি মরুওইনা ইচম-চম্বা লাইরিক-লাইশু হৈজদবা খুঙ্গংগী লৌমীশিং অমদি অহল-লমনশিংগী মপান্ননি। লৈবাক অদুদা খুন্দারিবা মীতৈ অয়াম্বনা চহী তরেৎ খুন্তাকচৈদা অমদি মীতৈ নিংথৌশিংনা চেল্লকপা মতমদা লোয়নরকখিবা লোন ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, চৎনবীশিং হৌজিকসু মহৌশাগুম মপোপ কায়দনা অদুম্মক লৈরি। পম্বা য়াবা অমনা ময়াংগা মতম খিবিক্তা তোৎনা-তিন্নদুনা লৈবা অমদি চখোক-চৎশিনগী খুদোংচাদবা কয়ানা মণিপুরদা মতম-মতমগী মতুং ইন্না হোংলকপা অনৌ-অনৌবা য়াওল ঈহৌশিং বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা ফংবদা ৱানা থোকই, অদুনা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ-চৎনরোলদা খেন্নবা কয়াবুদি উবা ফংদবা নত্তে।' [সেমিনার অদুদা পাথোকখিবা অই-চে, 'মণিপুর মপানলম অমেরিকা অমদি কানাডাদা মীতৈ লোনগী ফিভম অমসুং চাওখৎহন্নবগী থৌরাং'– থোকচম মণিহার (শোণী)।]

চুম্মি, চহি চহুম হেন্না মীরমদম অমসুং অচৌবা বাংগালী সংস্কৃতিগা য়ুমথংননা লৈরকপনা ঐখোয়গী চৎনা-লোনচৎ অমদি নাৎ-কালচার-লোনদা মণিপুরদগী অতৈসু শেংনা হাইরবদা ইম্ফালগা মান্নদবা কয়া লৈগনি। লৈফমসু থোকই। অদুমক্কা ঐখোয়না ইশাগী নাৎ-কালচার-লোনবু মণিপুরদগী হন্থনা য়েংবগী মথৌ তাদে। ঐখোয়গী ওইবা অওনবা-অনৌবা-প্রগতিগী ৱাখল্লোন চেনবা মীয়ামগী অপাম্ববু নৈনদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইদসু অওনবা অমা পুরকপা তাই। ঐনা মরু ওইনা নুঙাইত্রিবদি বাংলা লোন অমদি বাংগালীশিংগী ভেল্যুজ-ইথিক্স-মোরালিটিগী কারিকুলাম্না ঙাক-শেম্বা বাংলাদেশকী স্কুল-কলেজ-ভার্সিটিশিংদা লাইরিক তম্লকপা মীতৈ লাইরিক হৈবনি হাইরিবা 'মীতৈ বাবু'শিংনা মীতৈলোন ঙাংনিংদবা, মীতৈগী চৎনা লোনৎচৎপু হন্থনা য়েংবগী ৱাখল্লোন হৌজিকসু লৈরি। অসি হান্না থেংনবা অমা চংঙি। মখোয়গী ৱাখল্লোনগী অহোবা-য়ানিংদবদু হান্না



CamScanner

খঙহনফম থোকই। মখোয়গী অরানবা ব্রাখল্লোন্না ঐখোয়গী খুন্নাইদা ওইরক্কদবা ফিভমদো হান্না মুন্না খন্থফম থোকই অমসুং খঙহনফম থোকই। মখোয়গী ফিদমদু মথংগী জেনারেশন্দা চঙকতনবা চেৎশিনহৌবা, ঙাকশেনবা অমা চংঙি।

ভানুগাছ (বাংলাদেশ) হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্লা কমলগঞ্জ উপজেলাগী মনুঙচল্লবা মীতৈ খুঙ্গংশিংদা ইমালোনগী শৈরেং-ব্রারেং করম্না ইবা হৌরকখি, মীতৈলোনগী মেগাজিন করম্না ফোঙবা হৌরকখি অসিগী মতাংদা য়েনশেনবম শান্ত কুমারনা থারকখিবা অই-চে "বাংলাদেশতা মীতৈ লোনগী ফিভম অমসুং চাওখৎনবগী থৌরাং" দা থেংনখিবা লাইন খরা, "ইমালোনসি বাংলাদেশতা লৈরিবা মীতৈশিং কদায় ফাওবা নুংশিবগে হায়বসি অঙকপনি। স্কুলদা পরীক্ষাগী প্রশ্নদা 'তোমার মাতৃভাষায় লিখ' হায়না হায়বসিদা ব্রাহং অদুগী পাউখুম চপচানা মীতৈ লোন্না ইরম্মি। বেঙ্গলী ময়েক্লা মীতৈলোন্দা, মসি ১৯৬৮ইংগী ব্রারীনি। ঐনা ক্লাস নাইন তম্লিঙৈ মতমদনি। ...মতমদুদা মণিপুরগী স্কুল কলেজগী মেগাজিন খরা খরা পাবা ফংখি, হুরান্না লল্লোন ঈতিক তৌবা কাঙবুনা পুবিরক্তুনা। অয়াম্বদি ডিএম কলেজ অমসুং জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরী স্কুলগী মেগাজিন্নি। পুথোক পুশিন তৌনবদা খাইবোক অমা তৎখিবসু য়াওই।

মথংদা নুংঙাইতবা অমগা লোয়ননা নহারোল খরা হৌনৈ, ঐখোয়সু শৈরেং ইসি, ব্রারী ইসি হায়না। মদুদগী ভানুগাছ মীতৈ ছাত্র-ছাত্রী মেগাজিন কম্মিটি কৌবা লূপ অমা লিংখৎলি। ঐখোয়গী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি মেগাজিন ফোঙবনি। কম্মিটিদি শেম্লে, শেম্ংগী ফিভম তারকপদা য়ুমথোং খুদিং ফৌ নিবা চৎলি। ফংঙকখি। কম্মিটি অদুদা সভাপতি ওইখি– মাইবম দেবেন, সেক্রেটারি– য়েনশম্বম শান্ত কুমার, কেশিয়ার– কোংখাম অভিরাম, সদস্য– খোইরম ইন্দ্রজিৎ, কে সনাতোম্বী, ব্রাই রবেন, কে লালমোহন। খরনি মথংদা বাংলাদেশ নীংতম লানগী মাঙদা গণঅভ্যুত্থান ওইখি। মেট্রিক থানবা হোৎনবদা অমসুং দেশকী ঈরাং ফৎলক্তবনা অসুম অসুম ঐখোয়গী লূপ অদু মাঙখিবা তাখি।" মথংদা অইবা অসিনা শমথরকই বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ লিংখৎপগী ব্রারী, 'দ্বীপান্বিতা' চেফোঙ ফোঙবনা চিংবা বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং সাহিত্য চর্চা করম্না মপুঙ মরৈ ফারকখি হায়বদো। হিরমসিদি ময়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুনা অদোমদা থোইদোকপা নৈনজররোইগে।

বাংলাদেশতা মীতৈ লোনগী ফিভম নৈনবা হাইরগা সাহিত্যগী চেফোঙ ফোংবা, শৈরেং-ৱারেং ইবা, ৱারী মচা-লীলা-উপন্যাস ইবা-ফোঙবা অসিখক্তমক ময়াম্না উবিবগুম তৌই। মসি থৌওইনা সাহিত্যদা ঙাওজবা পামজবা অইবা শিংনা নৈনবা ঙাক্তা থেংনরুবনা ওইরম্বসু য়াই। তশেংনা থিজিন হুমজিনবা গবেষক অমগী মীৎয়েংদা য়েংলগা নৈনরকপা ৱারেং কয়া থেংনদ্রি। অসিদা ঐনা হাইজনিংবদি অইবা লোন অমা ওইনা শিজন্নবগী ৱাংমদা লোনগী অতোপ্পা ফাংশন ময়াম্মসু লৈরি। ইমুং মনুংগী ওইবা নুক্তিগী ঙাংনা শন্নবা, পাউ ফাওনবগী মওং অমা ওইনা লোনদুগী ফিভম, লল্লোন ঈতিক্কি লোন অমা ওইনা শিজন্নব্রা শিজন্নদ্রা-শিজন্নরগা কদায়ফাওবা শিজন্নবা, হরাও-কুম্মৈগী থৌরমদা-শান্নবা (স্পোর্টস) মতমদা, লাই-তিনগী থৌরম পাংথোকপনা চিংবা খুন্নাই অমগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌরমশিংদুদা করম্বা লোন্না মপুঙ ওইনা শিজন্নরিবা, হাইরিবা থৌরমশিংদুদা মীতৈলোনগী ফিভম নৈনবা কয়া থেংনজদে। অদুনা অপাবশিংনা অমদি বাংলাদেশকী মপান্দা লৈবশিংনা বাংলাদেশতা মীতৈলোনগী অশেংবা ফিভমদু খংবদা খরা ৱানা থোকই। মরম অদুনা মথংদা লোনগী মতাঙদা নৈনবা মতমদা হায়রিবা হিরমশিংদুসু নৈনবিরিবা ওজাশিংনা কুপ্না য়েংশিনবিরগা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভমদু পুখৎপিরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

বাংলাদেশকী মীতৈলোনগী সাহিত্য চর্চা অমদি মীতৈলোনগী ওইবা পোথোক্কী মরমদা মণিপুরদা লৈরিবা অপাবশিংনসু থোইদোক্লা শকখংদ্রি। মসি ঐখোয়না হোৎনা ৱাৎপনা তৌবনি হায়জনিংই। চুম্নগী মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবশিংনা বাংলাদেশতা চৎলুরবা-কোইরুরবা তুংদা থেংনরকপা-উরকপশিংদু নুংশিদুনা লমকোয় ৱারী ওই-নিংশিং ৱারী ওই তৌনা ইবিবদি মশিং য়াম্নলমগনি। অদুবু থিজিন হুমজিনবা নত্রগা ক্রিতিক অমগী মীৎয়েংদগী য়েংলগা নৈনরকপা ৱারেংদি কয়া থেংনজদ্রি। নুঙাইবা পাও হায়ববু, হন্দক্কী খোঙচৎতুদা থেংনরকপা খরা চংখোন্না ইরকপা নৈন-ৱারেং অমখক্তি পাবা ফংজরকখি। অতৈসু লৈরম্বা য়াই, ঐনা থিজিনবদা ফংলকখিদবনি। হায়রিবা নৈন-ৱারেংদুদা বাংলাদেশকী ফোংলিবা চেফোঙ অমদি মীতৈলোনগী সাহিত্য চর্চাগী মতাঙদনি। লৌখৎচরিবা নৈন-ৱারেং অসি নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, কৈশামপাৎ, ইম্ফালনা ফোংবা

চেফোং "ৱাখল" ১৪০-১৪১ শুবা মশীং, ৪১ শুবা চহী সেপ্টেম্বর-ডিসেম্বর, ২০০৮তগীনি।

হায়রিবা চেফোংদুদা য়াওরিবসি "বাংলাদেশতা মীতৈ লোলগী চেফোঙ : মৈরা অমসুং শজিবু" মীংথোনদা শক্লাইরবা ক্রিতিক অইবা ইবোসনা য়াম্মেন্না লামাই মরি (৩৭-৪০) দা নৈনবা ৱারেংনি। অইবনা অসুম্না ৱারেং অসিগী অহান্বা প্যারাগ্রাফতা ৱাহৌদোক ওইনা থম্মি, "বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস), ঈনাৎ পাব্লিকেসন্স (ঈপা) সংস্থান অনী অসিগী সাহিত্যগী ওইবা চেফোঙ অনীখক থেংনৈ। হায়রিবা চেফোঙগী মমিংশিংদুদি 'মৈরা' (৩০শুবা মশিং) অমদি 'শজিবু' (৪,৫,৬শুবা মশিং) অসিনি। মৈরা চেফোঙ অসি 'বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ' (বামসাস) কী ২০০১ অমসুং ২০০২গী চেফোঙনি। শজিবুনা ঈনাৎ পাবলিকেসন্স (ঈপা)গী ১৯৯৮, ১৯৯৯ অমসুং ২০০০গী চেফোঙনি। চহী চহীগী ওইনা পুথোক্লিবা সাহিত্যগী চেফোঙ অনী অসিনা বাংলাদেশতা মতৌ করম্না মীতৈ লোন, সাহিত্য অমদি কলা সংস্কৃতিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া য়াম্না য়ারবগে অমদি লমশিং অসিদা করি করি থৌদাং লৌরকপা য়ারিবগে, অদুগা মীতৈশিংগী মপুং ওইরিবা ঐখোয় মণিপুরনা করি মতেং অমদি থৌনা পীবা য়ারিবগে হায়বদু ঐখোয়না নৈনদুনা য়েংবা য়ারি। ...মতৌ করম্না অচৌবা জাতি অমগা মীওই খুজোক অমগী মীতৈশিংনা মশাবু মশক তাকচদুনা জাতি অসিগী তীক খল অদু নীংথিনা ঙাক্লবা ওল্হোক্লা ৱানা হোৎনরি হায়বসিমসু খঙবা ঙম্মী। চেফোংশিং অসি পারকপা মতমদা য়াম্না চাউনা অহোবা অমা লৈরিবদি নৈনবা ৱারেং, উপন্যাস, লমকোয় ৱারী, ৱারী মচা, সাহিত্য রিসার্চ অমদি সাহিত্যগী নৈনবা ৱারেংশিংদি ইবীনবা মী ৱাৎনা লৈরি খঙবা ঙম্মী।"

ক্রিতিক অসিনা হায়রিবা চেফোংশিংদা ফোংলিবা শৈরেং-ৱারেং, ৱারিমচানা চিংবা পুম্নমক কুপথনা নৈনরবা মতুংদা ৱাফম খরসু থনম্মি। বাংলাদেশকী মীতৈলোন অমসুং লোন অসিগী সাহিত্য চর্চাগী মতাংদা থম্বিরম্বশিং পোইন্ট খরগী মনুংদা মরু ওইবা খরা মখাদা থম্লিবসিনি–

১. বাংলাদেশতা স্কুল, কলেজ অমদি য়ুনিভার্সিটিগী থাক্তা ওজা ওইবা মীতৈ মচা য়াওদবনা মরম ওইদুনা মীতৈ লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা

অৱাংবা থাককি নৈনরোয় থোরক্তবা, ইবিনবা লৈতবা অসি হৌজিক হৌজিকমক মেনখৎপা ঙমদ্রবসু প্রাইমারী অমসুং গ্রেজুয়েতকী থাক ফাওবা মীতৈবু বিষয় অমা ওইনা তমহন্নবা হোৎনবগী খোঙজং অমা চঙশিনবা তাই।

২. বাংলাদেশ সরকারগা খুৎশম্নরগা মণিপুর অমদি মণিপুর ৱাংমদা লৈরিবা মীতৈ লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা অখং অহৈশিং-মীওই কয়া পুথোক্তুনা নৈনবা অমদি থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনবা।

৩. তান্না লৈখ্রবা ইস্ফালগা য়ান্না লাপ্পা অমদি য়ান্না ৱাবা লম্বী অমা ওইরবসু নক্লবা ত্রিপুরা, কাছার, শিলোংদা লৈরিবা মীতৈশিংদা পাউ ফাওনবা, থবক থৌরম কয়া অমা খুৎশম্নরগা পাঙথোকমিন্নবা হোৎনবা।

৪. বাংলাদেশতা মীতৈশিংনা করম্না খুন্দারকখিবা অদুখক্তং নৈনদনা লৈবাক (বাংলাদেশ) অসিদা হৌজিক করম্না হিংলিবগে হায়বা হিরম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা থিজিন-হুমজিনবা অমদি লাইরিক ওইনা পুথোকপগী দরকার ওই।

৫. বাংলাদেশতা মীতৈ সাহিত্যগী লমদা খোংদারিবা অমদি থবক পুরিবা মীওইশিংনা সাহিত্যগী থবক অসিনা অহেনবা থবক অমা ওইনা তৌরবসু তৌদ্রবসু য়াবা লম্বী অমা ওইনা য়েংদনা য়ান্না থম্মোয় শেংনা কথোকপগা লোয়ননা হিরমসিদা চংশিনবা অমা মথৌ তাই। নত্রবদি “মীতৈ সাহিত্য বাংলাদেশতা চাওখৎপগী মহুত্তা বাংলা সাহিত্যনা য়োৎশিনখিবা মশানা তাবনি।”

৬. বাংলাদেশতা ঙসিগী নহারোলশিংদা অরিবা মীতৈগী লাইরিকশিং পাবা ফংহনবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক্কী ফোঙ ফোঙ শারিবা মীতৈ সাহিত্যগী পাউসু পাহন্বগী থৌওং থৌশিল শিনবা তাই।

৭. বাংলাদেশতা লৈরিবা অইবা অয়াম্বনা বাংলা লোন্দসু শৈরেং-ৱারেং কয়া ইবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অসি লৌরগা মণিপুরদা লৈরিবা সাহিত্য অমদি কলা-সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা খুৎশম্নদুনা মীতৈ সাহিত্যবু বাংলা লোন্দা হন্দোক্তুনা মীতৈ অনুবাদকী পোথোক্তা হেন্না মপুং মরৈ ফারবা পোথোক পুথোকপগী লম্বী অমা শেম্বা য়াই।

মথক্কী হিরমশিদা থৱায় য়াওনা হোৎনদ্রবদি বাংলাদেশতা মীতৈ লোন-সাহিত্য-সংস্কৃতি নোংমা নোংমগী ময়াই চাইথরক্কনি হাইদুনা নৈনবিবগা লোইননা অইবা অসিনা নুংশিবগা লোইননা অৱাবা ফোঙদোকপিরম্মি–

"ঈশিং চাইবিনবা লৈত্রবা লৈকোলগী লৈরাং ওইখিদুনা মশা মরোমদোম কংশিনখিবা পাম্বী ওইরকপা তাই" নোংমদি, হাইদুনা।

অসিগা লোয়ননা নিংশিংলকপা হিরম অমনা, ত্রিপুরাদগী লাকপা ওজাশিংনা পুবিরকপা "মরূপ" কৌবা চয়োলগী ফোংবা চেফোংদসু বাংলাদেশতা পাংথোকখিবা থৌরম-থৌদাং কয়াগী পাউ কয়াসু থেংনরকই। অদুদা নুঙাইজবগা লোয়ননা পেন্দবা অমসুং ফাওরকই, মদুদি মীতৈলোন ঙাংবা মীশিং লিশিং কুনদগী হন্থনা লৈবা ত্রিপুরাদা হাইরিবা চেফোং অসি চহি নিফু হেন্না লেপ্তনা ফোংবা ঙম্লি অদুগা বাংলাদেশতনা চয়োলদি লাইরদনা থা থাগী নত্রগা থা অহুমগী ওইবা চেফোং অমত্তা ফোংবা ঙমদনা অসুম লৈরে। অসিসু ঐখোয়না হোৎনবা ৱাৎপা, হিরম অসিদা বুদ্ধিলৌশিং থাদবা ৱাৎপনি হায়জনীংই। হাইরিবা চেফোংশিদা ঢাকা-সিলেট-ভানুগাছনা চিংবা মীতৈনা তারিবা মফমশিংদা পাংথোকখিবা থৌরম কয়াগী ঈ-পাও য়াওবতা নত্তনা বাংলাদেশকী শন্নাইরবা শন্নাইরবি কয়াগী পুন্সি-ৱারী, লাইরিক ফোংবগী পাও-ফোংখিবা লাইরিকশিংগী নৈনবা ৱারেং কয়াসু য়াওরম্মি। বাংলাদেশকী নহারোলশিংনা হোৎনদুনা ইন্টারনেতকী তাইবংদা 'ইয়াহু' কৌবা সাইট অমদা গ্রুপ শেমদুনা মীতৈলোন ঙাংবশিংগী ফম্বাক ওইনা শিজন্নখিবা "শৈরাংবা মরূপ" কী মতাংদসু নৈনবা ৱারেং অমদা য়াওরম্বা থেংনৈ। হাইরিবা নৈন-ৱারেং, "ইন্টারনেটকী তাইবং অমসুং খোরিরোল" দা এন দি হোদাম্বা না অসুন্না পল্লম্মী, "...হন্দক য়াহু গ্রুপকী সাইট অমা ওইনা শৈরাংবা মরূপ কৌবা ফম্বাক অমা থেংনৈ। লোন, সাহিত্য, কলা অমসুং সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা খন্ন-নৈনবা ফম্বাকনি। কোন্নথংদা খঙবা ঙমলকপদি ফম্বাক অসি বাংলাদেশকী থৱায় য়াওবা নহারোলশিংনা শেম্বনি হায়বসিনি। মখোয়গী থৌরাং থাগৎনিঙাইনি। রোমান ময়েক্তা মীতৈরোন ইবা ফম্বাক অসিনা মরম ওইরগা মিং চল্লবা মরূপচা ৪৫০ হেনবনা লোন, সাহিত্য, কলা অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা খন্ন-নৈনরম্বা থেংনৈ। ফম্বাক অসিগী মীৎয়েং চাউমনবনা খোরিরোলগী তাইবংদা অখন্ননা চঙশিল্লকপা ঙমদে। খোরিরোলমী অমত্তগী ফোটো য়াওদে, মখোয়গী মরমদা ঈ-পাউ অমত্তা ফংদে। অহাংবা ডাটাবেজ অমসুং মীতৈ খোরিরোলমীগী ফোটো অমত্তা

য়াওদবা এলবাম ওইনা তৌই। [মরূপ, ৪২শুবা চহী, ৭শুবা মশীং, ইরায়, ২৫ জুন, ২০১০]

মশিং লিক্না বাংলাদেশতা লৈজরবসু মীতৈ নহারোলশিংগী মরক্তগী অনৌ অনৌবা ইন্নোভেটিভ আইডিয়া অমসুং ক্রিয়েটিভ থিংকিং কয়ানা লমজিং ওইদুনা অসিগুম্বা থৌরম কয়া পাংথোরকপসে তশেংনা ঐসু থাগৎনিঙাইনি হাইজনিংই। তৌবতবু নৌনা হৌগৎলকপগী ওইবা অশোয়বা-অৱাৎপা কয়া য়াওজরবসু, হোৎন কন্বা অমদি চংশিন্বা লেপত্রবদি মখোয়না খঞ্জরিবা পন্থুংফম নোংমা শোইদনা য়ৌগনি হাইবগী থাজবা অমদি লৈরি।

মথক্কি নৈন-ৱারেংসিদা পল্লিবা 'শৈরাংবা মরূপ' হৌজিক্না 'ঈনাৎ : মণিপুরি কালচার ডিসকাশন গ্রুপ' হাইবা ইয়াহু গ্রুপ কী এক্টিভিটিসসু নোংমা নোংমগী শোন্থরকপগুম তৌই। মসি গ্রুপ অসিবু শেমবিরিবা নত্রগা থৌপুরিবশিংগী মশাগী অচিনবনা হেনখিবা-হোৎনবা ৱাৎপা অমদি লৈরিবা রিসোর্সশিংবু খোমজিনবা হৈতবদগী ওইরম্বসু য়াই। অদুবু মখোয়না মীতৈলোনগী মালেমদা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়াসু পুখৎলকখিবনি। তুংকোইনা চখবা ঙম্বা হোৎনবা অমা চংঙি। মপুং ফারবা ফম্বাক অমা ওইবগী মচাক শুনা লৈজরবা গ্রুপ অসিনা লম্মখাংদা মাংখিবা হাইবসে বাংলাদেশকী মীতৈখক্তগী মাংজবা নত্তনা মীতৈলোনগী ওইনসু মাংজবনি।

মালেমগী ৱাখল্লোনদা অওনবা কয়া লাকপগুম বাংলাদেশকী মীতৈশিংগী ৱাখল্লোনদসু অওনবা কয়া লাক্কনি, লাকখিগনি। অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া মীতৈলোনগী মালেমদসু চঙক্কনি। অনৌবা ৱাখল্লোনশিংবু তরাম্না ওকপগা লোইননা, লৈরম্লিবা ৱাখল্লোনবুসু হেকতা হুনজেকপিদনা মফম মফম চানা থমজিনবিবা, মতাং চানা য়োকখৎপসু মথৌ তাই। মতাংসিদা, মডার্নিজম অমসুং পোস্ট মডার্নিজমগী মরমদা নৈনবা মতম অসিগী অফাওবা জর্মন অইবা Jurgen Habermas গী ৱাহৈদা নিংশিংবা য়াই, "…. I think that instead of giving up modernity and its projects as a lost cause, we should learn form the mistakes of those extravagant programs which have tried to negate modernity. Perhaps the types of reception of art may offer an

example which at least indicates the direction of a way out." *(Modernity versus Postmodernity, Jurgen Habermas. New Jerman Critique 22 (1981): 3-14).*

হাইরিবা খন্ন-নৈনবগী মীফম, লোনগী সেমিনার অসিদা ত্রিপুরাদগী লেংবিরকপা প্রবন্ধকার অমসুং গবেষক ওজা ব্রাংখেম বিরমঙ্গলনা হিরম অমগা থাংগৎলকখি। ইম্ফাল অমদি মণিপুরগী ব্রাংমদা মীতৈশিংনা ঙাংনরিবা ব্রাহৈশিংদুদি মীতৈলোন হাইরোইদ্রা হাইবা ব্রাহং অমা। খুদম ওইনা মহাক্না পিরকখি, "বাঙ্গালী কালচারগী শাফুনা তখেন্দা মীতৈ নুপীশিং লুহোংলবা মতুংদা মরাইবক্তা সিন্দুর নম্মী, মখুৎতা মোইবুং খুজি শিনৈ– মসি ত্রিপুরাগী মীতৈশিংগী চৎনবী ওইরে। সিন্দুর শিজিন্নরবসু অয়াম্বনা 'সিন্দুর থিনবা' হায়নৈ, সিন্দুর নম্বা হায়দে। চন্দন নম্বা হায়দনা চন্দন থিনবা হায়না শিজিন্নে। 'নম্বা' অমসুং 'থিনবা' ব্রাহৈ অনিগী মরক্তা খেন্নবা লৈরবসু শেরান্নলা মীয়াম্না অদুম শিজিন্নরি। ঙা-শেম্বা হায়দনা ঙা-ককপা হায়না শিজিন্নবা অসিনচিংবা। .....ত্রিপুরাগী বামুটিয়া পরগণাদা লৈবা মীতৈশিংগী মনুংদা ব্রাহৈ ব্রাতা শিজিন্নবদা অতৈ মফমগা খরা খেন্নবা লৈ। শিংজু হায়বগী মহুত্তা হিংসু, থগেবা ব্রাহৈগী মহুত্তা কেখৎপা অসিনচিংবা ব্রাহৈ কয়া পনবা য়াই। 'চাক লোইরব্রা' হায়বগী মহুত্তা চাক মুলুব্রা হায়নৈ। ব্রাহৈ ব্রাতা শিজিন্নবদা কাঙবু ব্রাহৈ য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা থেংনৈ। খুদম ওইনা মখাদা খরা পিজরি– "চেঙ কাঙবুদো য়াংকোক্তা খপতোক্লো, ফি-কাঙবুদো নুংশাদগী লৌশিল্লো" অসিনচিংবা। চেঙ ময়াম নত্রগা ফি ময়াম মশক তাকপদা কাঙবু ব্রাহৈ শিজিন্নরগা পুরেল ফোর্মদা ব্রাহৈ পরেং শাগৎপগী ঈহৌ অমা উবা ফংঙি।" *[ত্রিপুরাদা মণিপুরী লোনগী শক্লোন শক্তম– ব্রংখেম বীরমঙ্গল, সেমিনারদুদা পাথোকখিবা অই-চে]*

অসিগী ব্রাহংসে বাংলাদেশতসু লৈতবা নত্তে, খন্নদবা নত্তে। বাংলাদেশতসু মীতৈলোন ঙাংনরকপা মতমদা মফম মফমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ব্রাহৈ-ব্রাতা শিজিন্নবা থেংনৈ। খুদম ওইনা হাইরবদা সিলেটতা ঙাংনরিবা মীতৈলোনগা বাংলাদেশকী মফম অতৈদা ঙাংনরিবা লোনগা মান্নদে। তৌইগুম্বসুং ইম্ফাল ময়োলদা ঙাংনরিবা লোন অদুগা ককচিং নত্রগা অতোপ্পা

খুঙ্গং অমদা ঙাংনরিবা লোন অদুগা তোঙাম্বা অমদি অসুম লৈনি। মীতৈলোনদসু মফম-মফমগী ওইবা খোম্লোক, ৱাহৈ-ৱাতা হায়বদি লোকেল ডাইলেক্ট লৈতবা নত্তে। অদুমক ওইরবসু, হৌজিক ফাওবা অয়াম্বনা লাইরিক ওইনা ইরকপা নত্রগা মীয়াম মাংদা ঙাংবা তারগদি ময়াম্না খঙনরিবা লোনদুদা অসুম ঙাংনরকই, ইনরকই। অদুদা কাংবু অমদা মদুদি স্টেন্দার্দ ওইনা লৌনরে হাইদুনা স্টেন্দার্দ লেঙ্গুয়েজ হাইনা মীংথোনবি, বাংলানা চলতি বাংলা নত্রগা মান ভাষা হায়রগা খঙনৈ। অদুগুম্বা স্টেন্দার্দ ওইবা লেঙ্গুয়েজ, মান-ভাষাদা ইদ্রবসু য়াই, মীফম-মীতিনফমদা ঙাংদ্রবসু য়াই, মফম মফমগী ডাইলেক্টতা ঙাংবা ই-বসু কায়দে হায়না খনবা মীসু অসুম লৈতবা নত্তে।

ইংরেজী লোনদসু মরৈ অসে কন্না য়েৎনখরে। অদুম্না বাংলাদসু হন্দক নৌনা কন্না য়েৎনরকই। মথংদা মীতৈলোনদসু অসিগী শহুম খরা খরা ফংঙে। হৌগৎলকপতা ঙাইরি। মফম মফমগি ওইবা ঙাংনা লোন অদুদি কনানসু থিংবা ঙম্মোয়, মতম মতমগী ওইবা অওনবা অমদি অসুম লাক্কনি। তৌবতবু অইবা লোন অমা ওইনা শিজন্নবগী ৱাংমদা করম্বা মওংদা করম্বা ৱাহৈ-ৱাতানা মীয়াম্না শিজন্নরক্কনি হাইবদুদি, অইবা-অপাবশিংগী মখা পোনলি।

মীতৈলোনদসু মখল মথেলগী চাংয়েং তৌবদা করিমতা অকায়বা লৈতে। অপাবশিংগী অপাম্বদুনা তুংকোইনা অসুম লৈহৌগনি।

বাংলাদেশতা শিজিন্নরিবা মীতৈলোন্দা করম্বা মওংগী অহোংবা পুরক্কনি হাইবসিদি লোন অসিবু শিজিন্নরিবা ময়ামগী মখা পোল্লি। মরু ওইরিবদি, লমদম অসিদা মীতৈলোন্না পাবা-ইবগী মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎহনবদুনি। মতাংসিদা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফিলসফার Jean-Francois Lyotard কী ৱাহৈ অমতং পঞ্জনিংই, "....The social subject itself seems to dissolve in this dissemination of language games. The social bond is linguistic, but is not woven with a single thread. It is a fabric formed by the intersection of at least two (and in reality an indeterminate

number of) language games, obeying different rules." *(The Postmodern Condition, Jean-Francois Lyotard, 1984).*

বাংলাদেশতা লৈরিবা মীতৈ মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা লোনগী অৱাবা অদুসু ঐখোয়না খঙদবা নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈদা বাংলাগী লাইরিক পাবা মতমদা খঙদনা অসুম হায়দুনা-রিডিং পাদুনা চৎখিবা, নুংগী ওইবা হিরম অদু খঙবা ঙমদনা লৈহৌই। অমরোমদনা মীতৈলোন পাবা মতমদনা বাংলা ময়েক্না ইজরবসু বাংলাগী খোন্থোক্তা পারুবনা পাবা ঙমদবা অমদি হৈনদবা পোকতুনা অসুম মীতৈলোনগী লাইরিক পাবা হৈতনা মীতৈ মচা লাইরিক হৈবা কয়ানা অসুম মপুন্সি লেনখি। তুংদা বাংলা লোন মমুৎ তানা খঙলকলবসু, মীতৈলোনদি থাদোকখ্রে। লাইরিক হৈবা বাংলা-ইংরেজী পাব ঙম্বা অয়াম্বনা মশাগি মমালোন ইবা পাবা ঙমদবসিদি, তাবদা-খন্বদা য়াম্না ইকায়নিঙাইনি। বাংলাদা লাইরিক হৈরিবা পুন্নমক্না খজিক্তং হেৎনরগদি খোন্থোক মান্নদবগী পা-ব, ই-বদা লৈরিবা অপনবসিদি অসুম নমখাইবা য়ারিবনি। মখোয় পুন্নমক্তু মশাবু মশানা হন্থনা য়েংজবনি, হায়জনিংই। অদুগা নৌনা হৌগৎলকইবা মীতৈ ময়েক তম্বগী স্কুলনা চিংবা থৌরমদি হৌগৎলকপতা ঙায়রি বাংলাদেশতা। হৌজিক হৌজিক নৈনবদা মতাং চাদ্রি। মতম খরগা ঙায়খিসি।

অরোয়বদা, মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মীতৈশিংনা মমালোনবু কাওথোক্তনবা নৈন-মিফমদুদা নিংশিংবিরকখিবা দা. তোইজাম তম্ফা দেবী না পাথোকপা সেমিনারগী অই-চে দা পনখিবা ৱাহৈশিংদো তমজরগা ৱারেং অসি লোইশিনজরি, "...মমা লৈবাক নত্তবা অতোপ্পা মফমদা লৈখ্রবশিং অমসুং জাৎ মান্নদবা মফমদা ময়ুম মকৈ পানখ্রবশিংনসু তঙাইফদনা মমালোনবু শৃংশোয় শোয়দনা শীজিন্নবা লেপ্লোইদবনি। হীংমিন্নরিবশিংগা ঙাঙনবগী তঞ্জা ইফংমক ফংদ্রবসু ফংনবা শীনবা কান্নগনি। মদু ফাওবদা ফংদ্রগনা নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবসু চে অমা অনীদি মমালোনগীদমক খন্দুনা ইবা লেপ্তবা ফৈ। মসিগী মতাঙদা লাইরিক ময়েক চত্তবা মীশিংগী ৱাফম লাক্লগনা হৌজিক্তি লাইরিক ময়েক চৎত্রবসু মোবাইল ফোনদি লোয়না তৌবা হৈনৈ। তৌবা হৈত্রবসু পায়বদি হৈনৈ। মোবাইল ফোনগী মতেংনা

মমালোল ঙাঙলিবা মীওইশিংগা লোন অসি ঙাংনবগী তঙ্গা লৌদুনা চিল্লবসু চিন্না নোংমগী মনুংদা শূপ্পগী মিকুপ মঙা তরাদং শূংশোয় শোয়দনা মমালোনগীদমক কায়থোকপীদুনা মমালোনবু মশাদগী মাঙখিদনবা অমদি মমালোন ঙাঙবা মীগী মশীং হন্থখিদনবা মীতৈলোন্না মমালোন ওইবা অদুবু মমা লৈবাক্তদি লৈত্রবা নুংশিজরবা ইচিন-ইনাও খূদিংমক্লা তৌবীবদা কান্নগনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। মসিদসু নত্তনা মমালোনগী ওইবা লাইরিক কয়া পাবা, সিনেমা, ড্রামা, লীলা, কুম্মৈ হরাউশিংগী ওইবা কেসেটশিং য়েংদুনা মমালোনবু মশাদগী লাপথোকখিদনবা হোৎনবসু ফৈ। হায়রিবা ৱাফমসিগী মতাংদদি খুদোংচাবশিং অসি ফংবদা ৱানা থোক্কদবা মফমশিং অমসুং মীওইশিংদা লোন অসিবু চাওখৎনবা হোৎনরিবা মীওইশিং, লন্নাই লূপ অমসুং লৈঙাকলোয়শিংগী মায়কৈদগী মতেং পাংফম থোকই।" (মণিপুরী লোন চাওখৎহন্নবগী থৌরাং– ডা. তোইজাম তম্ফা দেবী) অইবি অসিনা ৱারোইশিন ওইনা হাইবিখিবা "ইশম শম্না হায়রবদা লোন অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা লোনসিবু মমালোন ওইনা ঙাঙলিবা নহা অহল নুপী-নুপা লাইরিক হৈবা হৈতবা খূদিংগী থৌদাং লৈ হায়বসিনি।"

ৱাফম অসি বাংলাদেশতা লৈরিবা ঐখোয় কাওথোকতবনা ফগনি।



CamScanner

## বাংলাদেশতা মুৎথরক্লবা ঈনাৎ অমসুং ইমালোন

ঙসিগী বাংলাদেশকী মীতৈ খুন্নাই, ইমুংদা-থম্মোয়দা ট্রাইব্যালিজম, লম্বেল-থোঙ্গালদা ন্যাশনেলিজম অমসুং বাজার-কৈথেলদা গ্লোবালাইজেশনগী কল্লবা ইরৈ অহুমসিগী ইচেল্লক্তা তাউথরি। ইরৈ অহুমসিগী মরকতা ইরোইবা হৈবশিংনা অকি-তুজুংদনা ইরোইদুনা শান্নরি, অদুগা খরা ভাব মেন তাদবশিংদুনা অমুক লুপ অমুক ফাউগৎ তৌদুনা শিদনবা হোৎনরি, মশা শোম্বা খরনা ইরৈসিদা ইরাক্লনা ফাউগৎপা ঙমদনা লাকশিনখি। বাংলাদেশ কুম্বা নেশন স্টেটসিদা ঐখোয়না খুন্নাই/ফুরুপ অমা (কম্যুনিটিগী অর্থদা) ওইনা হিংনা লৈবসি নোংমা নোংমগী অৱাবা ওইখৎলক্লী। মীতৈনা বাংলাদেশতা হিংদুনা লৈবা হাইবসে ইমালোন ঙাংদুনা-ঈনাৎ ঙাকতুনা হিংবা ঙমবদুবু হাইজবনি।

ইকুই কুইদনা বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা কনা উদে খন্দুনা য়েন্নখাদা চংদুনা ফনেক-ফৈজোম থাঙ্গৎতুনা মপান থোকপদা ইকাইনরমদে। হৌজিক্তি ঙমবা ঙমদবা পাকাগীমক নত্রবসু ফোপকী অমাংশং অমা লৈতবা য়াদে চীংয়া-তময়াদা ফাওবা। মাঙ্গোলদা-শুমাংদা ময়াং (অতোপ্পা কাংলুপ) পুশন্দুনা ফমহন্বদা কয়া হঙ্গোইনরমদে, অদুবু য়ূমজাউদা, নিঙোল কা'দা, পিবা কা'দা, চাকশংদা পুশিন্নরমদে য়াম্না তিন্নজবা মরূপ ওইরবসু অতোপ্পা জাতকী মমানবা-মমানবী, অতোপ্পা লাইনিংগী মরূপ-মপাং ইমুং মনুঙদা পুশন্নরমদে- মাংই হাইদুনা লৌনরম্মী। অদুবু খরনিসিদা মরু ওইনা লাইরিক লাইসু হৈবা ইমুংশিংদদি মসিগী চৎনবী অসি কয়া লৈত্রে।

য়েরুম চাবা, য়েন মফৈ চিকপা য়াওরে হাইদুনা মচা-মশুবু মপা-মপুশিংনা তৌহেদে হাইদুনা ইরুজথোকপিরগা তুলসি মচুম চাইথোকতুনা ইমুংদা চংহনলম্মী। ঙসিদি অদুগুম্বা ৱারী তারগা ফনা নোকনিংবা ওইরবসু পঙকুই কুইদ্রিবা থৌদোকনি। মরমদি হৌজিক্তি অঙাংশিংনা, নহারোলশিংনা য়েনগী-

হামেংগী শরু-শরাং চিকপদা কনাসু তুজুংনদ্রে, অহনশিংসু যুগকী চৎনরকপনি হাইদুনা তৌহৈদে হাইনা কোইলাউ লাউরম্বদো তুমিন্না মথম্মোয়দা খুদুম শুরগা তোকচরে।

অফিসতা, কৈথেলদা মিয়াম তিনবা মফমদা মীতৈ লোন্না ৱারী শান্নবা খরা ইকাই-হঙ্গোয়নরম্মি। ময়াংশিংগী মমাঙদা খরা ইকাই খরা হঙ্গোই তৌদুনা বাংলাদা ওন্থখি। অমরোমদনা, বাংলা লোন শুনা থোক্তে হাইদুনা মীতৈ ইমাইবেন-অহল লমনশিংনা বাংলা লোন চুমদবা ঙাংবা তারগা নুঙাইজদে-ইকাইজে। নুংশাথিনিঙাই অমনা, লাইরিক হৈবা নহারোলগী মনুঙদা ইমুঙদা-লম্বেলদা নুংতিগী ওইবা ৱারী শান্নবদা মীতৈলোন শিজন্নরবসু, সভা মমাঙদা, মিতিনফমদা মীতৈলোন্না ৱা ঙাংবদা হৈনরক্তবা, খুৎলোয়দবা, নুঙাইতবা ফাওরকলে।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক তাবা-থিবা, শুমাং লীলা, খোংজোম পর্ব, খুবাক-ঈশৈ, খম্বা-থোইবি জগোই অসিগুম্বা মীতৈ ফোক কলচরগী আইটেম কয়া উবা-তাবা-য়েংবা ফংজরম্মী। লাইবক থিবদি নোংমা নোংমগী মীতৈ 'নাৎকী অসিগুম্বা মচাকশিংসে বাংলাদেশকী মীতৈ খুন্নায়দগী মাংথখিদৌরে। অনৌ-অনৌবা হরাওকুমৈগী (এন্টারটেইনমেন্ট) মিডিয়া লাকপদগী মীতৈগী ফোক কলচর ঐখোয়গী খুন্নাইদগী মুৎখিগদৌরে।

অদুনা হৌজিক হৌরকলিবা বাংলাদেশকী অঙাংশিংনা মীতৈ ঈশৈ-নোংমায়, পুৱারী-ইতিহাস খঙবা-তাবা ৱাৎশল্লক্লে অমসুং মশাবু মশানা রেসপেক্ট তৌবগী হাইবদি সেল্ফ রেসপেক্ট তাথরে, সেল্ফ ইস্টিম হন্থরে।

বাংলাদেশকী মীতৈনা মশিং য়ামদবগা থেংনফম থোকপা চৈথেং অমদি অৱাবা পুম্বা থেংনরি। নোংমা নোংমগী অহোংবা কয়া লাকতুনা মীতৈশিংগী চৎনবী, ঈশাগী সংস্কৃতি, ইমালোনবু কাউহন্নবা, মুৎথৎনবা কন্না হোৎনরি। মদুগী খুদম ওইনা মাংদা খরতং পনজখ্রবনি। মশিং য়াম্বা অমসুং চাউখৎলবা বাংলা সংস্কৃতি অমসুং লোন্না ঐখোয়গী ঈনাৎ-ইমালোন য়োৎশনখিবগী অচৌবা চ্যালেঞ্জ অমা মাঙদা থমলগা ঐখোয়না করম্না ইশাগী সংস্কৃতি অমদি লোন মাঙহনদবা য়াই হাইবদো মুন্না খন্থফম থোকই। মখাদা খুদম ওইনা ঐখোয়গী ঈনাৎ অমসুং লোন করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হাইবদো অমুক্তা মিৎয়েং তাবিসি।

মীতৈগী ওরাল লিটারেচার অমসুং ফোক কলচরদা হান্না অমুক্তা মিৎয়েং চিংশিনজগে–

**পাউরৌ অমসুং পাউখোং**

মীতৈ লোনগী পাউরৌ বাংলাদেশতা থোইদোকনা শিজন্নরকত্রে। হৌজিক্কী মীতৈ নহারোলশিং মীতৈলোন পাউরৌ অমদি পাউখোং কয়াগী অর্থ খঙবা ৱাৎশলক্লে।

**নাউশুম ঈশৈ অমসুং ফুঙ্গা ৱারী**

লাইরিক হৈবা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু নাউশুম ঈশৈ শকপা অমদি মচা মশুদা ফুঙ্গা ৱারী লিদুনা তাহন্নরকত্রে। অদুনা হৌজিক্কী অঙাংশিংনা মীতৈলোনগী নাউশুম ঈশৈ তাবা ফংদ্রে, ফুঙ্গা ৱারী করিনো খঙদ্রে।

**খুনুং ঈশৈ অমসুং খুলং ঈশৈ**

ওডিও কেসেট অমদি রেডিওদা তাবা নত্তনা, হৌজিক বাংলাদেশকী মীতৈ খুঙ্গং অমদি লৈকাইদা কনাসু খুনুং ঈশৈ-খুলং ঈশৈ শকপিনবা লৈত্রে। অদুগী মহুত্তা অয়াম্বনা বাংলা অমদি হিন্দিগী ঈশৈ ওইনা ঙংনরে।

**খোংজোম পর্ব অমসুং পেনা ঈশৈ**

হৌজিক হৌজিক বাংলাদেশতা খোংজোম পর্ব শকপিনবা শৈশকপা লৈশিল্লকত্রে হায়বা য়াই। ভানুগাছকী খুঙ্গংদা লৈবা খোংজোম শৈশকপা হামোম অজিৎনা অহল ওইশল্লকপগা লোয়ননা বাংলাদেশতগী খোংজোম পর্ব শকপিনবা অতৈ কনামতা লৈত্রে। অমরোমদনা পেনা খোংবা ঐখোয়না খংলকপা মতমদগী লৈরমদরে হায়বা য়াই। অদুবু নৌনা হৌরকলিবা ঈশৈ-জগোয় পাম্বা অমসুং মীতৈগী নাৎ কন্নিংবা বাংলাদেশকী নহারোলশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী পেনা পুরকতুনা পেনা খোংবা অমদি শিজন্নবা তম্বা হৌগৎনরকলি। তৌবতবু, মীয়াম মাংদা থোক্লা স্টেজদা, শুমাংদা, মাণ্ডোপতা হায়বদি ঈশৈ-জগোয়গী কুম্মৈদা পার্ফোমেন্স অমা ওইনা তৌবা ঙম্বদি য়াওদ্রি, থেংনদ্রি।

**নট পালা অমসুং খুবাক ঈশৈ**

য়াম্না তোইনা নত্রসু খর খরদি হৌজিকসু খুলক লৈরক্তা চৎনরি, অদুবু নৌনা

হৌগৎলকলিবা নহারোলশিংদা মসিগী চর্চা অসি য়াম্না ৱাৎলে।

### রাস অমসুং মতমগী ঈশৈ

হৌজিক য়াম্না তোইনা নত্রসু কুম্মৈ ফিওংদা শকপা লেপত্রি। নহারোল অমদি অঙাংশিংগী মনুঙদা কয়া পাম্নরকত্রে।

### লৈবাক নিংবা ঈশৈ অমসুং লাইশোন ঈশৈ

মতাং মতাংদা শক্লরি। চর্চা তৌনরি। অদুবু খুঙ্গংদা পপুলার ওইরবসু শহরগী মীতৈ লৈরক লৈকাইদা খরা ৱাৎলক্লে।

### বাসোক শকপা অমসুং লাইরিক থিবা

বাসোক শকপা কয়া তোইনা থেংনদ্রবসু, লাইরিক থিবা-পাবদি মীতৈ তাবা খুল্লক্তা অমদি টাউনগী মীতৈ তাবা লৈকাইদা হৌজিকসু খরা খরা চৎনরি।

বাংলাদেশকী মখল-মথেলগী অনুষ্ঠানদা, ফাংশনদা, প্রোগ্রামদা থেংনখিবা ফোক ডান্স/জগোয় খরা, মীং ওইনা পল্লবদা– লাই হরাওবা জগোই, লৈশেম জগোই, পান্থোইবী জগোই, থাং-তা, পুং চোলোমনচিংবা উবা-য়েংবা ফংলি। হায়রিবা জগোয় ঈশৈদা শিজন্নরিবা মীতৈশিংগী মিউজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট খরগী মিং– পেনা, ঢুলোক, পুঙ, মাংগং, সেনবুং, কোর্তাল, মন্দিলা, কাংশি, মোইবুং।

ঙসিসু মীতৈশিংনা ইশাগী সংস্কৃতিগী খুদম ওইনা, চৎনবীনি হায়দুনা পাংথোকলিবা ফেস্টিভেল খরা বাংলাদেশতসু পাংথোক্লরি–চৎনরি হায়বা য়াই।

চৈরাওবা অমসুং লাই হরাওবা, য়াওশং অমসুং পান্থোইবী ইরাৎপা (ইমোইনু ইরাৎপা), নিঙোল চাকৌবা, দোলযাত্রা, রাসপূর্ণিমা, ঝুলন, রথযাত্রা, দূর্গা পূজা, বিশ্বকর্মা পূজা, সরস্বতী পূজা, লক্ষ্মী পূজা, শিবরাত্রি অমসুং সংক্রান্তি।

### মীতৈ ক্লাসিকেল ডান্স হায়না খঙনরিবা জগোয়শিংগী মনুংদা বাংলাদেশতা হৌজিকসু চৎনরিবা (শানরিবা) শিং

মহারাস, কুঞ্জরাস, দিবা রাস, নিত্য রাস, রাখাল, গোপী রাখাল, উদুখোল, বসন্ত রাস, ষন শেন্বা (গোপ রাস), রাধা-কৃষ্ণ জগোই, বৃন্দা, মন্দিলা পালা।



CamScanner

জগোয়শিংসিগী মনুংদা গোপী-গোপাল, উদুখোল হৌজিক কয়া শান্নখিদরে।

**হৌজিক হৌজিকসু অয়াম্বা মীতৈশিংনা বাংলাদেশতা মীতৈগী রিচ্যুয়েলনি-হৌনবীনি হায়দুনা ঙাকতুনা চৎলিবা খরা**

ইপান থাবা (ষষ্ঠী পূজা), য়ুম শেংবা, চূঁড়াকরণ, লাইমিং লৌবা। অসিগী মনুংসিদা চুঁড়াকরণ থৌরম অসি কয়া পাংথোকনদ্রে।

**লুহোংবা মতমদা তৌদবা য়াদ্রবা রিচ্যুয়েল খরা**

মাঙ্গোন কাবা, ৱারোইপোৎ পুবা, হৈজিংপোৎ পুবা, মীৎতম ঙা পুবা, লুহোংবা, ফিরুক কাইবা (লাই পোৎ), মঙানি চাকৌবা, না-ক থেংবা।

**শিবা মতমদা তৌবা রিচ্যুয়েল খরা**

পোৎলোইবা, মঙানি লাইহুম তান্বা, য়ুমশেংবা, লান্না থৌরম (শ্রাদ্ধ), ফিরোই।

**মীতৈ ইনাৎকী মনুঙচম্বা ঐখোয়গী হ্যান্ডিক্র্যাফট– খুৎনা শাবা পোৎচৈ খরা হৌজিকসু বাংলাদেশতা শিজন্নরিবা**

ফিঙ্গারুক, চেংজামুক, খারাই, কবোক লোং, লুবাক, হুমাই, থুমোক, পোলাং, য়াংকোক, মেরুক, ইশ্রপ, নিংঙৈ, লোংগুপ, য়েন্দাই, সনম, লু, কবো লু, চিনলুপ, লোং, তুঙ্খোল, ফৌরা, কনম ফক, ফক, ফিশা সমজেৎ, মেলুক, ষষ্ঠি পোলাং, লি ফক, চৈশু, কোণা লুবাক, পেট্রা, কাংথোন, ফান, ফিয়াংকোক, উপু, লুহোংফান, য়োংখম, তরেৎ, কপত্রেং, তেম, পাঙনদেম, ফি হৌ কৈরাক, কোন্নচৈ, শুক, উরিক, উরুক, শেলুক, পানা খ্বারী, চন্দোনলুপ।

ইন্ডিজিনাস গেম অমদি ঐখোয়গী মমাঙদগী শান্নজবা স্পোর্টস কয়া লৈজরম্মী অদুবু ঙসিদি মশান্না কয়া হৌজিক্কী মীতৈ খুঙ্গং অমদি লৈকাইদা কয়া শান্নবা উবা ফংখিদ্রে।

**আউটডোর গেম**

খোং কাংজৈ, ফিবুল হাবি, মুক্না, মুক্না কাংজৈ, ৱাতোন কান্বি, থৌরি চিংবি,

চেংজৌ, মাংজৌ, খুবৈ চোংবা, মৈ খাম্বী। অসিগী মনুঙদা খোং কাংজৈ, মুক্কা, মুক্কা কাংজৈ শান্নখিদরে।

## ইনডোর গেম

কাং শান্নবা, মরুম কোম্বি, কৈ-য়েন, চীন হাইবি, অসুম্বি, শত্রং, লীকোন, খুলোকপি। ইনডোর গেম পুম্নমক বাংলাদেশতা ঙসিসু শান্নরি অদুবু কাং শান্নবা নত্তনা অতৈদি পপুলার কয়া ওইরকত্রে।

## ফিশা-লোনশা

মণিপুরি হ্যান্ডলুম হায়না মপানগী মীয়াম্না খঙনরিবা মীতৈ ফিশা-লোনশা ইন্ডিয়ান সবকন্টিনেন্টতা নত্তনা মালেম শিন থুংনা মমিং চৎলিবনি। পনবা য়াবা আইটেম কয়া বাংলাদেশকী মীতৈ ইমুঙশিংদা শিজন্নরিবা ফি মখল খরা– ফিগে-ফনেক, হাও ফি, মোইরাং কাবি ফিদুপ, মোইরাং কাবী ফনেক, খুদৈ, খুদৈ মতেক, কোখুম ফি, লশিং ফি, শাড়ি, মোম্পাক ফিদক, মোংখুম, কাংখল, কোইয়েৎ, খ্বাংয়েৎ ফি, লেংজুম ফি, লৈফনেক (মপান নাইবা), ফনেক, ঙবোং, ঈন, লুহোং ফিদা, ফিরান, লাই-ফি। মতাং অসিদা পন্বা য়াবদি হৌজিক মণিপুরগী লূপ কয়াগী মতেংদগী অনৌ-অনৌবা মওংগী ফিশা-লোনশা তম্বি-তাকপিবগী থবক কন্না চথরি। মরম অদুনা অনৌবা মওংগী ডিজাইন কয়া অমসু বাংলাদেশতা পুথোরকলি, শিজন্নরকলি।

### অদুগা টেক্সটাইলগী ডিজাইনদসু মণিপুরি ডিজাইন হায়নরগা খঙনবা ডিজাইন খরা মীয়াম্না শিংথান্নবশিং

মোইরাং ফি, নাত-তোং ওন্নবা, থারাক নিপান থোকপি, ব্বারোইমিৎ থোকপি, ফুরা কাবি, ফনেক ফিজন নাইবি, ঙা-মুক থোকপি, উপু শাবি, খোই ময়েক, খুজি ময়েক, কবোকচাইবি, য়েনশিনময়েক, ক্বা ময়েক অসিনা চিংবা পন্বা য়াই।

ফিশা-লোনশাতা নত্তনা বাংলাদেশকী মণিপুরি শিংনা অতৈ শিন্দসু খুমাং চাউশনলে, মিং ওইনা পনবদা– হুমাই লোনবা, কাঙ্থা তুবা, মোম্পাক তুবা, মোংখুম লোন্বা, রুমাল লোনবা, উ শুবা (উড ক্রাফট), সনা শুবা (স্বর্ণকার), ফি তুবা।

মমাঙৌদগী মীতৈনা চানবা চিঞ্জাক খরা ঙসিসু বাংলাদেশতা চৎনরিবশিং–

চাক, চাহৌ, শঙ্গোম খির, খেচির, ঙা, শিংজু, চমথোং, কঙৌ, ইরোনবা, অঙাম্বা, অমেৎপা, উতি, ঙৌথোং, পকৌরা, চকেমপোম্বা, উতোংচাক, ঙারি, ঙাতোপ, খোইদুম, খোইবাক, কাংশুবি, কবোক, চেংকবোক, তমাইতন, তন।

মথক্তা পঞ্জরিবা ঈনাৎকী শক্তম কয়াসি নোংমা নোংমগী ময়াই চাইথরকলে। খুদম ওইনা হাইরবদা শুমাং লীলা অমসুং খোংজোম পর্বগী মীং পন্বা য়াই। মীতৈশিংগী মাঙপতা-শুমাংদা ঙসি শুমাং লিলা শান্নবদো উবা ফংখিদরে। খোংজোম পর্ব শকপিনবা শৈশকপা-শৈশকপী থীবা ফংখিদরে। অদুনা হৌজিক হৌগৎলকলিবা নহারোল শিংনা মীতৈগী ইতিহাস খঙবদা শুমাং লিলা অমদি খোংজোম পর্বগী মতেং ফংলরোই। ইতিহাসতা নত্তনা শুমাং লিলা কয়াদা মীতৈলোনগী ফজরবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া, তমজনিঙাই ওইরবা চৎন-লোনচৎ কয়া তুংদা হৌরকলিবা মণিপুরি শিংনা উবা ফংলরোই। খোংজোম পর্বদা য়াওরিবা মরৈপাক-মজাতি নীংবগী শুক্ষথনিঙাই ওইরবা খোঞ্জেল, সুর অমুক হন্না তাবা ফংলরোই অনৌবা মীরোল মণিপুরি শিংনা। অদুগা অসিদা খন্থনিঙাই অমদি মাঙদা হকথেংননা ঐখোয়না খোংজোম পর্ব-শুমাং লীলাবু উবা য়েংবা-তাবা ফংদ্রবসু মডার্ন টেকনোলজি অমদি ইক্যুইপমেন্ট (রেডিও, ভিডিও, অডিও কেসেট, সিডি, কম্পিউটার, ইন্টারনেট) শিজিন্নদুনা তুংগী মীরোলদা লায়না ফংহন্বা, তাহন্বা, য়েংহন্বা অমা চংঙি। অদুগা খুন্নাইগী মপা মপু ওইবশিংনা মদুগী তৌফম থোকপা থৌরাং থৌশিল তৌফম থোকই।

## বাংলাদেশতা শুমাং লীলা অমসুং মীতৈলোনগী ড্রামা

বাংলাদেশতা মীতৈলোন ঙাংবা মী'গী মশিং য়ামদে, অসি ময়াম্না খংনরবা ৱাফমনি। শেংনা হায়রবদা বাংলাদেশতা মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলনা খুন্দাবা মফমসু খুৎ থেকপা য়াবা মশিংনি। মৌলভীবাজার ডিস্ট্রিক্টকী কমলগঞ্জ (ভানুগাছ) উপজেলা/সাব-ডিস্ট্রিক্টতা খুঞ্জা খরা, শ্রীমঙ্গল সাব-ডিস্ট্রিক্টতা খুঞ্জা অমা-অনি, কুলাউরা সাব-ডিস্ট্রিক্টতা খুঞ্জা অমা-অনি, বড়লেখা অমসুং জুরী সাব-ডিস্ট্রিক্ট অসিদা খুঞ্জা মরি -মঙা, হবিগঞ্জ ডিস্ট্রিক্টতা খুঞ্জা অনি-অহুম অদুদৈ সিলেট সিটিদা পাড়া মঙা-তরা খক্তনি। শম্না হাইরবদা বাংলাদেশ কী এভারেজ ইউনিয়ন নত্রগা ইন্ডিয়াগী পাঞ্চায়েত অমগী মশিং ফানা (খুঙ্গংদা হাইরগা) লৈবা নত্তে, টাউন্দা হাইরগা হাইরাইজ বিল্ডিং তরাদা লৈরিবা মীগী মশিং ফাব নত্তে।

বাংলাদেশনা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদসু খুন হোংবগী ৱাখল লৈনরম্মী। হোংবসু তোক্লমদে। তং তানা লৈবা হাইবদো পংকুই কুইদ্রি। অদুনা ডায়াস্পোরা'গী ৱাখলদা লৈনরম্মী হাইরবসু হাইমন্বা থোকলোইদ্রা খনলি। বাংলাদেশতা লৈবা খুঙ্গং অমদি শহরদা লৈবা অয়াম্বা ইমুংগী মচা অমা-অনি ইন্ডিয়া দা থানরম্মী, লৈনরম্মী। মদুনা তুং কোইবা থৌরম-থৌওংনি খন্নরম্মী। পংকুই কুইদ্রি মশিগী ৱাখল্লোন থাদোক্লদুনা বাংলাদেশতা ঐখোয় তং-তানা ইশাগী লৈবাকনি খন্দুনা লৈরকপসি।

বাংলাদেশ ওইদ্রিঙৈ মমাংদা সিলেট-ভানুগাছ-তখেন-কাছাড়-ইম্ফাল ইশম শম্নরম্মী। ইম্ফালগী খুবাক ইশৈ ধামাইদা তাবা ফংঙি, কাছাড়গী নিপা পালা ভানুগাছতা য়েংবা ফংঙি, সিলেট-ভানুগাছকী পুং-ঈশৈ তম্নিংবা নহারোলশিং কাছাড়দা, ইম্ফালদা চৎতুনা ওজা-গুরু খন্দুনা লৈনরম্মী, ইম্ফালদগী ড্রামা শান্নবা গ্রুপ অমা-অনি, শুমাংলীলাগী পার্টি কয়াসু বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈলোন

ঙাংবা মফমশিংদা লাক্কুনা ড্রামা উৎলম্মী, শুমাংলীলা শান্নরম্মী। বৃটিশনা ইন্ডিয়া থাদোকখ্রবা মতুং ইন্ডিয়া-পাকিস্তান তোঙান তোঙানবা লৈবাক অমমম ওইরবসু ইশম শন্নরম্মি, অমত্তা ওইনা লৈরম্মী।

বাংলাদেশ ওইরবা (নিংতম্বা ফংলবা) মতুংদা লাইরিক হৈবা মী-গী মশিং য়ামদবনা অইবা-অইবি (লেখক-লেখিকা)গী মশিংসু য়ামমদে, অদুগা ঙসিসু শৈরেংগী লাইরিক্কী মশিং খরা য়ামলবসু ৱারেংগী-ৱারীমচাগী লাইরিক অনি অহুমদগী হেন্না লৈতে অদুগা উপন্যাস অমদি দ্রামাগী লাইরিকতি অমা অনিখক্তমক ঙাইরি। অদুনা হংবা য়াবা ৱাহংদি, বাংলাদেশতা চহি চহিগী শান্নরিবা দ্রামা, শুমাংলীলা পূম্নমক অসি কদায়গী অইবা-অইবীনা ইথোকপনো নত্রগা কদায়দা ফোংবা লাইরিকতগী লৌখৎপনো। ইশম শম্বা পাউখুমদি, চামদা মরিফুমঙাদি (৮৫%) মণিপুরগী অইবশিংনা ইথোকপা মণিপুরদা ফোংবা লাইরিকতগী লৌখৎপা ঙাক্তনি। মতাংসিদা বাংলাদেশকী অইবা শান্ত খুমন'না বাংলাদেশতা দ্রামা অমদি শুমাংলীলা শান্নবগী মতাংদা অসুম্না ইবিরম্মী– "... হরাও কুক্ষৈগী মনুংদা লীলা হায়বসিসু মখন অমনি। হান্নদি লীলাসি খুন অমদা নহারোল খরা পুনশিল্লগা লীলা অমা শান্নরম্মী। বাংলাদেশতা লৈরিবা খুনশিংদা লীলা শানখিদবা খুন থোয়দোক্লা য়াওরমগনি নিঙদে। মতমদুদা শিজন্নখিবা ষ্টেজটি চৌকি পুথোক্লগা হেক্তা থাজম্বা নত্রগা বেঞ্চ/অমসুং ৱাগী মখোঙ মরি যুংলগা ষ্টেজ শেমদোকই। য়াম্না লায়না লীলা পাংথোক্লরম্মী। লাইটিংগী মরমদা পেট্রোমাস (হাপলেম) শিজিন্নরম্মী। মচুগী মতাংদা বিস্কিটকী টিন মায়কৈ অমা হোতোক্লগা অহোবা মায়কৈদুদা ৱাচেনা ফ্রেম শারগা ফ্রেমদুদা অঙাংবা-অশংবা-নাপুমচুগী চে হাপ্লগা ওনথোক-ওনশিন তৌদুনা লাইটিংগী মখন মখন মচু কাপ্লম্মী। মতমদুদা হায়দ্রোগী মৈ লৈতবনা থাংমৈ বুন্দানা অয়াম্বা মৈগী মহুৎ শিল্লম্মি। দেউটিনা কোনা-কোনাদা য়ুংদুনা ভাবোকশিংগী মৈঙান ফংনবা হোৎনরম্মী। ষ্টেজতদি হাপলেম অনি থাল্লগা শান্নরম্মি। ...বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিংদি অয়াম্বা মনিপুরদগী লাইরিক পুনরক্তুনা শান্নবনি। হৌজিকসু মদুগী চৎনবী ইকায় কায়থদ্রি।"[১]

---

[১] ইতিহাসকী শুকুবা কাচিন্দা ভানুবিল-শান্ত খুমন, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ, ২০১৪, পৃ: ৫৩-৫৪

ঙসিদগী চহী তরা মমাংদা ইবিরম্বা অমদি থেংনখিবা ওইরবসু বাংলাদেশতা শান্নরিবা লীলা অমদি দ্রামা পুন্নমক মণিপুরগী লীলা ইবা নাট্যকারশিংনা ইথোরকপা লাইরিকতগী লৌখৎপগী চৎনবি অদুম লৈরি। বাংলাদেশতা লাইরিক হৈবগী চাং চহী তরা-কুনশিদা মশিং য়াম্না হেল্লবসু মীতৈলোনদা অইবা-অইবি কয়া থোরকখিদে। অসিগী মরমসু ময়াম্ননি। খরা তেন্তকনা, শমলপ্পা হায়রবদা মীতৈলোনদা লাইরিক তম্বা ফংদবা, মীতৈলোনদা লাইরিক পাবা ফংদবা, চৎনদবা, ঙমদবা অদুগা লোয়ননা অইবা খরা থোরকলবসু লাইরিক ফোংবিনবা লৈতবা, য়াম্না হোৎনা কনবা, কৎথোকপা অইবা মরি-মঙা লৈতবা নত্তে। অদুবু মেনুস্ক্রিপ্ত ওইনা লৈরিবাশিংদু লাইরিক ওইনা ফোংবিনবা পাবলিকেশন্স/ পাবলিসার্স লৈতবনা মঙ ফাওনবা ঙমখিদে। তৌবতবু মশাগী লৌ য়োনলগা, নুপীগী সনা য়োনলগা লাইরিক অমা অনি ফোংদবসু নত্তে, অদুবু অয়াম্বনা মেনুস্ক্রিপ্ত ট্রাংকতা, আলমারিদা সুম চাথোকখিবা ফাওবা থমলগা নিঙমদনা মশা মশাগী শিনফমদা মায় ওনশিনখি অমসুং সাহিত্যগী জগৎতগী লাপথোকখি, খোরিরোলগী তাইবংদগী নোংমা নোংমাগী থাপতোক্লুরকখি। মরম অসিনা লীলা ইবা নত্রগা দ্রামাগী লাইরিক পুথোকপা ঙমনখিদে, ঙমনদ্রি হায়বা য়াই ঙসিসু।

বাংলাদেশতা ঙসিফাওবা শান্নখিবা দ্রামা অমসুং শুমাংলীলাগী মশিং অককপা ওইনা নত্রগা মশিং লেপ্পমক ঙমদ্রবসু ওজা শান্ত খুমন'না মহাক্কী 'বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিং' কৌবা ব্রারেংদা লীলাগী মশিং ৬০খক পনবিরম্মি। অদুগা অসিমসু নিংশিংবিরম্মী– 'বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাগী চহী অমসুং লাইরিক্কি মমিং চপ চানা পুথোকপা ঙমদ্রবসু থিগৎপা খরা থেংনরকপা মমিং- মশি মপুঙ ওইনা ভানুগাছ লমদমগী লীলা শান্নখিবগী ইতিহাসনি।'[২]

ভানুগাছ নত্তবা বাংলাদেশকী অতোপ্পা লমদা শান্নবা অমদি চহি তরা (২০১৪-২০২৪) অসিদা শান্নখিবা লীলা পুন্নমক পুনশিল্লগা ১০০ হেল্লমগনি খল্লি। অদুবু রিসার্চ পেপার পুথোকপা নত্রগা থিজন হুমজিনবা ব্রাৎপনা চপচাবা মশিংদুদি হায়জবা ঙমজদ্রে, অপাবনা ঙাকপিগনি। বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিংগী মনুংদা মমাংঙৈদা (২০০০ ইং গী মমাংদা) ওজা এ কে শেরামনা ইথোকপা

---

[২] ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল–শান্ত খুমন, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ, ২০১৪, পৃ: ৫৪

অনি-অহুমখক্তি হবিগঞ্জ ডিস্ট্রিক্টকী বিশগাঁও খুঞ্জাদা শান্নখিবগী ৱারী তাজখি অমসুং মৌলভীবাজার ডিস্ট্রিক্টকী ছোট ধামাই খুঞ্জাদসু ওজা অহৈবম রনজিৎনা মশানা ইজবা অমসুং ডিরেকশন পিরগা লীলা শান্নখি হায়বগী ৱারীসু থেংনজে। অসি নত্তনা বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈলোন ঙাংবা খুঞ্জা অমদি শহরদা বাংলাদেশকী অইবনা ইথোকপা মীতৈ লোননা ড্রামা অমদি শুমাংলীলা শান্নবগী ৱারী কয়া তাব ফংদ্রি। পন অসি হেক নমখায়গনি হায়বগী থাজবসু হেক লৈত্রি।

বাংলাদেশতা লীলা ইবগী লমদা য়াম্না সিরিয়াস ওইনা চংশিনখিবা অইবা কয়া থিজনবা ফংদ্রবসু মথক্তা পঞ্জখিবা ধামাইগী অহৈবম রনজিৎ খক্তংদি লৈবাক অসিদা মশানা লীলা ইথোক্লগা ডিরেক্সন পিদুনা রেডিও অমসুং স্টেজদা লীলা শান্নদুনা মীতৈলোনগী ড্রামা বাংলাদেশতা হিংহন্নবা হোৎনরি। শীংথানিঙাই ওইরবা সাহিত্যকার অমদি নাট্যকার হায়বদি লীলা ইবা হায়না থোয়দোকনা পন্বদা মতিক চারবা অহৈবম রনজিৎ, মৌলভীবাজার জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ছোট ধামাই (ধামাই ময়াই লৈকায়)দা ইং কুমজা ১৯৬৪কী জানুয়ারীগী তাং ১দা তাইবঙ ফাওখি। অপোকপগী মিংনা কিশোর সিংহ অমসুং অপোকপিগী মিংনা পার্বতী দেবী কৌই। মশাগী খুঙ্গংদা লৈবা প্রাইমারী স্কুল অমসুং হাইস্কুলদগী ক্লাশ ৯ ফাওবা তম্লবা মতুং বড়লেখাগী দক্ষিণভাগতা লৈবা এন.সি.এম হাই স্কুলদগী ১৯৮০ ইং দা এস.এস.সি পাশ তৌখি। মথংদা সিলেট শহরদা লৈবা মদনমোহন কলেজতগী আই.এ. অমসুং মূরারীচাঁদ কলেজ ময়াম্না এম.সি. কলেজ হায়না খঙনরিবা কলেজতা পোলিটিকেল সায়েন্সতা অনার্স তম্লিঙৈদা মপাবুং লৈখিদবগী মরম্না মথং লাইরিক তমথবা ঙমদনা ময়ুমদা হল্লকখি। তৌববুদি তুংদা অমুক ১৯৮৮ইং (প্রাইভেট) দা বি.এ. লোয়শনখি। অদুগা মশাগী খুঙ্গংদা লৈবা ছোট ধামাই হাই স্কুলদা ওজাগী শিনফমদা থবক চংখি অমসুং মথং মথং এসিস্টেন্ট হেড টিচার অমদি অরোইবদা হেড টিচার ওইনা লৈরবা মতুং ২০২৪ইং কুমজাদা থবক্তগী পোখাদুনা হৌজিক হৌজিক রিটায়ার্ড লাইফতা লৈরি।

অহৈবম রনজিৎ স্কুলদা তম্লিঙৈদগী হৌনা সাহিত্যগী লমদা থৱাই য়াওজবা অমদি সাহিত্যগী হীরম কয়াদা খুৎথাবা হৌরকখি। লোয়ন-লোয়ননা লীলা ইবদা থম্মোয় চংখি অমসুং লীলা শান্নবা হৌখি। ধামাইগী ওজা ওইনাম গোলাপী অমসুং

লাইশ্রম মণিহার খোয়না লিঙ্খৎপা 'দ্য ধামাই মণ্ডাল দ্রামা পার্টি' কৌবা গ্রুপ অসিনা পুখোকপা ফম্বাক লীলা কয়াদসু শরুক য়াখি। মহাক্কী অহান্বা লীলাগী লাইরিকতি 'ব্রাশককী কোলোয়' অদুগা লীলা ওইনা শান্নখিবা মফমদি ধামাই খুঞ্জাদা ওইখি। অইবগী ফোঙথ্রবা অমসুং শান্নখিবা লীলাশিংদি: ১. ব্রাশককী কোলোয়দা (ধামাইদা লীলা ওইনসু শান্নখি), ২. নিঙমহৌদ্রবা পুন্সি (ধামাই অমসুং সিলেটতা শান্নখি), ৩. লূপা (সিলেট বেতার/রেডিও'গী মণিপুরী প্রোগ্রামদা রেডিও লীলা ওইনা শন্দোকখি), ৪. ভাগ মহে (ধামাই অমসুং সিলেটতা শান্নখি), ৫. মতমগী শ্যামকৃষ্ণ (ধামাইদা শান্নখিবা)।

অইবা অসিগী শৈরেং লাইরিক 'কায়থরবা য়ুম্ফম', ২০১৪ ইং মণিপুরী লিটারেরি সোসাইটি, ইম্ফাল, মণিপুরদগী ফোংখিবা লৈরে। ওজা অহৈবম রনজিৎ মপান ইন্ডিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মীতৈলোনগী লীলা ইবা নাট্যকার অমা ওইনা বাংলাদেশকী তাঙলবা মণিনি।

বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিংগী মতাংদা অইবা শান্ত খুমন'না ইরম্বা লাইরিক 'ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিনদা ভানুবিল' (২০১৪)দা য়াওবা 'বাংলাদেশতা শান্নখিবা লীলাশিং' কৌবা ব্রারেংদা লৈবাক অসিদা শান্নখিবা মীতৈলোনগী দ্রামা অমসুং শুমাং লীলাশিংগী লিস্ট অদুদগী খরা লৌখৎলগা মপুঙ ওইনা ভানুগাছ লমদমদা শান্নখিবা অমসুং থিগৎপদা ফঙলকপা সিলেট অমসুং ধামাইদা শান্নখিবা লীলাগী অইবগী মিং, শান্নখিবগী চহি অমদি লীলাশিংগী মমিং থমজরি।

| খুলগী মমিং | লীলাগী অমসুং অইবগী মমিং | চহী |
|---|---|---|
| ছোট ধামাই | খুবাক-খুনম # জি.সি. তোংব্রা | - |
| | মতমগী শ্যামকৃষ্ণ # অহৈবম রনজিৎ | ২০১৪ |
| মঙ্গলপুর | হরিশ্চন্দ্র | - |
| চিৎলিয়া | থেঙ্গু লীলা # নিঙোম্বম অঙৌতোন | - |
| | নিঙোল (১), (২) # মাইবম রামচরন | - |
| হামোমখুল | মোইরাং পর্ব্ব (খম্বা থোইবী) | - |
| | হুগী পোলাং # মাইবম রামচরন | - |
| নীলকুঠি | পুয়া মৈ থাবা # চোংথাম তেজকুমার | - |
| হকতিয়ারখোলা | বীর টিকেন্দ্রজিৎ # মৈনম বীর | - |
| শ্রীপুর | মোইরাং পর্ব্ব (খম্বা থোইবী) | - |
| | বীর টিকেন্দ্রজিৎ # লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন | - |

| খুলগী মমিং | লীলাগী অমসুং অইবগী মমিং | চহী |
|---|---|---|
| তেতইগাঁও | বীর টিকেন্দ্রজিৎ # লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন | ১৯৯৪ |
| নয়াপত্তন | পাউনা লান | - |
| মীতৈ মাধবপুর | নরসিংহ # লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহন | - |
| লামাবাজার | বিঞ থিবা # লাইশ্রম নেত্রজিৎ | ১৯৭৭ |
| নয়াবাজার | নিমাই সন্ন্যাস (বাংলাদগী মীতৈলোন্না হন্দোক্লগা শান্নখিবনি) | ১৯৭৮ |
| কোনাগাঁও | কেতুকী # মাইবম রামচরন | - |
| | ভৈগচন্দ্র # অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ | ১৯২৫ |
| ভানুবিল | চন্দ্রজিনি | ১৯২৮ |
| | মনিপুর লৈশেম্বা | ১৯৩৭ |
| | বভ্রুবাহন পোকপা | ১৯৪০ (চাওরকপা) |
| | মাইনু পেমচা # অয়েকপম শ্যামসুন্দর | - |
| | শরত পূর্ণিমা (৪/৫রক শান্নখি) # মাইবম রামচরন | ১৯৪৮ |
| | থাম্বালনু (১০/১২ শান্নখি) | - |
| | মধু মালতি (৭/৮ শান্নখি) | - |
| | থাবল্লৈ | - |
| | থাদোকপা | - |
| | মৈতৈ চনু (১০/১২ শান্নখি) | - |
| | বৃন্দাগী লাইবক (৫/৬ শান্নখি) | - |
| | পামহৈবা # ময়াংলম্বম বীরমঙ্গল | - |
| | চরাইরোংবা # ময়াংলম্বম বীরমঙ্গল | - |
| ভানুবিল | ইমুংগী ইজ্জত # জি.সি. তোংব্রা | - |
| | ঐ মমানি # খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্র | - |
| | তুরেল ওয়াংমা # | - |
| | সহি | ১৯৮২ |
| | লূ'দা মী চংবা # জি.সি. তোংব্রা | ১৯৮৮ |
| | ইমাগী মমৌ | - |
| | ইচাশা ইপা লম্বোইরে # খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্র | - |
| | নূপীনা নুপা লোন্বা | - |
| | বিঞ থিবা # লাইশ্রম নেত্রজিৎ | ১৯৭৩ |
| | গরীব নেওয়াজ # ময়াংলম্বম বীরমঙ্গল | ১৯৭৪ |
| | বীর টিকেন্দ্রজিৎ | ১৯৯৪ |



CamScanner

| খুলগী মমিং | লীলাগী অমসুং অইবগী মমিং | চহী |
|---|---|---|
| ভানুবিল | লমলাম্বী | ১৯৯৯ |
| | লৈপাকলৈ # অরাম্বম সমরেন্দ্র | ২০০১ |
| | বসন্তগী নুঙাল্লমদাইদা # এম এম মানাওবী | ২০০২ |
| | করি নুংগী নুপী লোনজরুবনো # খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্র | ২০০৩ |
| | কবোক ওইখ্রবী কবোক লৈ # খাইদেম প্রমোদিনী | ২০০৪ |
| | ইতৈমা | ২০০৫ |
| | অমম্বা য়ুম # এম এম মানাওবী | ২০০৬ |
| | সানা পাৎকী থরিক থ্রা | ২০০৭ |
| | লৈমন চল্লবী | ২০০৮ |
| | নঙ ঐগী মংলান্দা মঙফাওনখিদ্রে | ২০১০ |
| | ইচাগী ইরাল নত্তে ঐগীনি | ২০১১ |
| | নীঙোল | ২০১২ |
| | ঐখোয় পাবুং পেং চোইরে # খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্র | ২০১৩ |
| | শুনুগী মহাও # সুধীর নাউরোইবম | ২০১৪ |
| | ইমুংগী ইজ্জত # খুন্দোংবম ব্রজেন্দ্র | ২০১৫ |
| | লৈকং থাবল # এম এম মানাওবী | ২০১৬ |
| | অরুবা ঈচেল # এম এম মানাওবী | ২০১৭ |
| | ইনম্মা # রঞ্জিত নিংথৌজা | ২০১৮ |
| | খাইনবা য়ারোই # খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্র | ২০১৯ |
| | কোভিড-১৯ না মরম ওইদুনা দ্রামা শান্নখিদে | ২০২০ |
| | মন্দিরদা মৌ অহুম # এম এম মানাওবী | ২০২১ |
| | অমুম্বা উহৈ # এম এম মানাওবী | ২০২২ |
| | মৌ অহুম নিঙোল অমা # এম এম মানাওবী | ২০২৩ |
| | অহিংদা নুমীৎ # রনজিৎ নিংথৌজা | ২০২৪ |

**মতেং লৌজখিবা লাইরিক**


১. ইতিহাসকী শুরুবা কাচিনদা ভানুবিল– শান্ত খুমন, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ, বাংলাদেশ, ২০১৪ইং।

২. অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, থিয়েটরগী ৱারোল, দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর, ইম্ফাল, ১৯৮৫ ইং।

৩. ড. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, মণিপুর থিয়েটর, খোমজিনবা ৱারেং খরা, রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল, ২০০৮ ইং।
৪. রাজেন তোইজাম্বা (সম্পাদক): খোমজীনবা মণিপুরী শুমাঙ লীলা, সাহিত্য অকাদেমি, নিয়ু দিল্লী, ২০১৪।

**ৱারেং অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নজখিবা অমসুং ইনফোরমেশন কয়া পিবিরক্লুনা তেংবাংবিরকখিবা–**

এ. সি. নেত্রজিৎ, ৱাংখৈ অশাংবম লৈকায়, ইম্ফাল, মণিপুর, ইন্ডিয়া।
এ কে শেরাম, প্রসিডেন্ট, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ, সিলেট, বাংলাদেশ ।
অহৈবম রনজিৎ, রিটায়ার্ড হেড টিচার, ছোট ধামাই হাইস্কুল, মৌলভীবাজার, বাংলাদেশ।
লৈচোম্বম রাজকুমার, ভানুবিল মাঝেরগাঁও, মৌলভীবাজার, বাংলাদেশ।
কৈশাম বিশ্বজিৎ, ভানুবিল মাঝেরগাঁও, বাংলাদেশ।
সতীশ সোরেনসাংবম, ভেংক্যুভার, ব্রিটিশ কলম্বিয়া, কানাডা।

## দ্রামাগী তাইবংদা শোণী'গী তাৎ য়েংলুসি কদর মদর তৌদুনা

(শোণী'গী 'ঐ লাই নিংবা চৎলে' শৈরেং পারুবদা)

লমকোয় ব্রারী অইবা অমা ওইনা ময়াম্না খঙনরবা শোণী (থোকচোম মণিহার) খরনি মমাঙদা (সেপ্টেম্বর, ২০০৮) শৈরেং লাইরিক অমা মীতৈলোনগী অপাবশিংদা লান্থোকখি। শোণীদি লমকোয় ব্রারী ইবদা ঙাওজবা অহল-নহা ওইনা ময়াম্না খঙনরবসু অশৈবা অমা ওইনা কৈদৌনুংদসু শকতাকচখিদে মশানসু, অপাবশিংনসু, কৃতিকশিংনসু। শৈরেং লাইরিকসিগী ব্রাহৌদোকতসু অসুম্না থেংনৈ, 'ঐ অশৈবা নত্তে। ওইজনিংবতনি।' অদুগা অফোংবীনসু (ব্রাহেংবম সখি দেবী, অশাংবা কমিউনিকেশসন, ইম্ফাল) অসুম্না ময়ামদা খুদোল তমই– 'থমজনিংলিবা ব্রাফমদি লমকোয় ব্রারী ইবা শোণীগী ব্রারীগী মহাওশিং য়েংলুরবা মতুংদা শৈরেংগী মহাওশিশু য়েংহঙ্জনিংলুবনা লাইরিকশি ফোঙদোকপগী পান্দম অমসুনি। মসিনা মীতৈ সাহিত্যগী য়ুম্ফমদা শোণী শৈরেং ইবা অমা ওইনা লৈপাক লৈতুম অমা হাপলমলে হায়না লৌজগনি।' অদুগা কবি মশামক্না লাইরিক অসিগী শৈরেং অমদসু অসুম্না শিন্থাজে–

'ইনস্যুরেন্স পোলিসি চলহৌদ্রবা  
চেবাং অমদা সোই তৌবা কাব্যনি  
ঐগি শৈরেং।  
লাইগী চাক থাবিনবা লৈত্রবা  
শুমাংদা চাকতাবা লাকপা  
চেক্লাগুম পীতৎ পাতৎপা  
হি-য়াই ব্রাৎপা ব্রাখলগী  
অনাথ এতিম  
লমজা শারা অঙাংনি  
ঐগী শৈরেং।'  
*(লাইবকথিবী শৈরেং, লা: ১৯-২০)*



CamScanner

অসিদা খন্থনিংঙাই ওইরিবদি হাইরিবা ৱাহৈশিংসে তশেংনমক মহাক্কী থম্মোয়নুংগী ৱাহৈরা নত্রগা তাৎ তৌশনবরা মদুসু খন্থফম থোকলি, ময়াম্না। মরমদি, লমকোয় ৱারী ইবা শোণী সাহিত্যগী জগৎতা খোংদারকপদি শৈরেং ইবা অশেবা অমা ওইননি। অদুগা, শৈরেং ইবা তোক্লে হাইরগা ৱারী মচা ইবা, লমকোয় ৱারী ইবা হৌরবসু থম্মোয়দদি অশেবা অমগী থম্মোয় ইচেনতা চেনলি। অদুনা, মহাক্কী লমকোয় ৱারী ওইরে-পুন্সি ৱারীবু ওইরে, মহাকনা ইথোরকপদা শৈরেংগী মওংদা হেক্তা ফোংদোরকই। চুম্নগী করিনো অমগী পাউ অমা হেক তম্লকপা মতমদসু নৌহল্লী, শৈরেং পাবগী মহাও অমসুং অভিজ্ঞতা ফংহল্লী। শৈরেং পাবিনবা ৱাৎপদগী ওইরো, নত্রগা মীতৈ লোনগী সাহিত্যদা অনৌবা খুদোল তমনিংবদগী ওইরো, শৈরেংগী পাক-চাউরবা ফম্বাক থাদোক্তুনা শোণী সাহিত্যগী অতৈ লম্বীরোমদা হাইথখি। অদুমক ওইরবসু ঐখোয়দি অশেবা শোণী'বু তত্তনা নিংশিংজৈ। কাউজদে মহাক্লা অদুঙৈ নহা ওইরিঙৈদা ইখিবা শৈরেং অমদা থেংনখিবা পরেং খরদো–

'ঐগী তুং ইল্লকউ–
য়েংলুনু নোতরদম জেরুজালেম
হরাওনুঙাইববু মাংহনবগী সারমোন পিরক্কনি,
পুন্সিগী শোল্লবা ৱাখলনা থল্লবা তীর্থনি।
কৈদৌনুংদসু তাহিতিগী লৈপরেংনা নিমন্ত্রণ
তৌররোইদবনি।'

(ঐগী তুং ইল্লকউ–শোণী, ১৯৬৬ দা শ্রী বীরেননা সম্পাদনা তৌদুনা 'নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি'গী মাইকৈদগী ফোংখিবা "লাই অমগী বিন্দু অমসুং শৈরেং খরা" কৌবা লাইরিকতগী)

বাংলাদেশকী শাপম লৈকাই (লালাদিঘীর পাড়), সিলেটতা পোক্লবসু লাইরিক লাইসু তম্বা অমদি থবক-ইনখাং তৌদুনা ইম্ফালদসু ময়ুমগুম লৈখি। অদুগা নহা অমা ওইনা সিলেট-ঢাকা-ইম্ফালগী সাহিত্যগী ইরৈদা তাওথখি, অদুবু বাংলাদেশ অমদি মণিপুরদা তং তানা লৈথহৌদবনা তুংগী সাহিত্যগী লম্বেলদা ময়াম্না মহাকপু কয়া তোইনা থেংনখিদে। অদুমক ওইরবসু মীতৈলোনগী সাহিত্য প্রেমীশিংনদি মাবু কৈদৌনুংদসু কাউথোকখিদে। মদুগী খুদম ওইনা চহী কয়াগী মতুংদা "খোংচৎ" (১৯৯৯) ফোংবা মতুংদা অপাবশিংনা থম্মোয়দগী নুঙাইবা

ফোংদোক্লরকখি, মীতৈ সাহিত্যদা শোণী অমুক খোংদারকলে হাইদুনা ময়াম্না তরাম তরাম্না ওকখি। তৌববুদি বাংলাদেশকী অনৌবা জেনরেশননা শোণীবু মশক খঙবদা খরা ৱানা থোকখি। মরমদি, অদুঙৈগী দীপান্বিতাদগী ঙসিগী মৈরা, শজিবু, ইপোম, ইথিল-না চিংবা বাংলাগী মীতৈ চেফোংশিংদা শোণী'বু কৈদৌনুংদসু থেংনখিদে। মহাক্কী মরমদা নৈনবসু য়াওখিদে। কনাগী মরালনো! চুম্মী ঐখোয়গীসু ইরাল লৈতে হায়বা য়ারোই, শাপন লৈকাইগী শোণী'বু ঐখোয়না কাউথোকলুবগী মরম করিনো– মদুসু খন্থফম থোকই। অদুগা শোণী'না মরমদম সিলেটপুসু নিংশিংবিদবগী মরমসু শোয়দনা লৈরমগনি। ঐনা হায়জনিংবদি– শোণী'গি মথম্মোয়দা বাংলাদেশ অমদি মণিপুর'বু কাউথোকপা ঙমখিদে, মহাক্কী থম্মোয়দা তৎতনা তাম্থা পিখি অদুঙৈগী থৌদোক–ৱাথোক শিংদুনা, লৈতাহনখিদে মহাক্কী ৱাখলবুসু, অদুনা অশৈবা অমা ওইনা তেংথারকখি–

'ইমালৈবাক কৌবা লমদম অমা
কুইরবনি থিরকপা
লমদম অমদগী লমদম অমা
শেক্লা শেক্লা, চৈশু শু শুদুনা...'

অদুগা মখা তাথরকই–

'য়েংই মুন্না মানচিত্রদু
মিৎ নোইর-নোইরদুনা
উই, অরাপ্পা চীংয়াগী পীক্লবা খুঙ্গং অমা
খোংবাল অমা, চরুখোক মরক্তা ওনথোইদুনা
মথোক কারকপা পুন্সিনা, শান্নরম্বা লম্পাক অমা
চীংনা কোয়বা সোরারেন্না মিতাবা তম্পাক,
কংলৈপাক অমা,
মতুম তাবা বোল অমা।'

*(হে মঙ! মফম কৈদা লৈরিবা ইমালৈবাক ঐগী, লা: ২৫-২৬)*

অদুগা, বাংলাদেশ অমদি বাংলা'বু কাউথোকখিদে হাইবদো শৈরেং লাইরিকসিদা য়াওরিবা 'শব্দ' ৱাহৈ-ৱাতাশিংসে থেংনরুবদা খংঙি– 'অপরাধগী জালিনোটশিংদু', 'মিছা মাতিরি', সন্তোষী মাতাগী', 'কল্পকথা', 'ব্যাকরণগী

বর্ণন', 'রূপরাগা', 'সরলরেখাগী লৈই', 'অতিথি-উচেক্কী চিত্র', 'বগল লৌখৎলগা', 'মাকুন্দা', 'মরহব্বা মরহব্বা মরদ', 'এনজিও অফিসলা পুন্সিসিবু', 'বুরখা উপ্পা পুলিশ', 'উর্ধগা তম্নগা', 'খয়াল তৌরগা', 'বেরা থাংগনি', 'রেখাশিংসে', 'নঙগী দোরিদগীনি', 'স্মরণী শান্নরগা', 'অকামপেৎকী অভিধান', 'শব্দগী খোল', 'অভিমতনি', 'অরাধনা তৌবদি', 'অপরাধকী মনশিখা', 'ছায়াদ সাধু', 'যাহা মফম'দা', 'ইমারজেন্স চলাইরে', 'ছাদ মথক্তা', 'রাত-কি-রানীনা লাউরকই' –অসিদা খনগৎলিবা ৱাহৈ খুদিংমক্না নিংশিংহল্লী শোণী'দি পোকফম সিলেটকী পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম্না ঙহাক্তসু লৈতাহনখিদে মালেম শিনথুংনা চাকতারুরসু, হিংবগী দমক মরমদমদগী তাম্না লৈখ্রবসু।

"*পথ চলতে চলতে*" লাইরিক্কী লেখক পরিচিতিদা থেংনবা ১৯৪১ ইংদা পোকপা *শোণী* নহা নৎলকত্রে, অদুনা নহা ওইবগী নুংশী নুংওলগী ৱারী নাথৈদুনা থম্নগা অহল অমা ওইবগী পুন্সী লোইরমদাইগী নুংনাংবা ৱাখল কয়াগী মমীসু লাইরিকসিগী শৈরেং কয়াদা থেংনৈ–

(১)

ঐনা লৈত্রবা তুংদা, তৌবীনু তর্পন
মপা, মপুগী আত্মা লান্নবগী নামাদা।

*(নীজবা ৱহৈ খরদং, লা-৭০)*

(২)

ঈ খুজোক অমত্তা পীথকল্মুবা
শৈশক চুম্না শকচরমগে, শিরমদাইশিদা
হুয়েন তন্দু
ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান্দা
পোলোইবীদ্রিঙৈদা।

*(হুয়েন তন্দু, ল–৬৮)*

(৩)

শিরবনি ঐসে ইহিং নাহিং তানা
অশিবা ঐবু চাগদৌগী
অৱাং খুলগী লংজাশিং পাইরক্লি
হাওখ্রবোইরে ঐগী ঐসিবু।

*(অশিবনি ঐসে, লা-৬৭)*

(৪)

থুম য়েল্লক্লবদি প্রসাদী লোইরে
লেঙখৎপীরো পূক থনবা থন্দবা
তাকপনি মৈত্রবাক্কী চৎনবীনা
ঐঙোন্দা থুম য়েল্লকখিবদি, মকুইরে।

*(থুম য়েল্লে তাক্লবা পুন্সিনি, লা-৩০)*

অমরোমদনা তাইবং মীওইবগী পুন্সি ৱাহং (জীবন জিজ্ঞাসা) অসি করিনো হাইবা ৱাহং অমনা তুং-মাং কোইচিং চিংদুনা পোখাফম খঙদনা, লৈতাফম লৈতনা চিন্তাগী রাজ্যদা নোংলৈ নুংশিৎ কয়া মায়োক্লরি, খোইরাং খোইশাউনরবা ফাজিনবা ঙমদ্রবা ৱাখলশিংসে অমুক্তং য়েংশি-

(১)

থিল্লসু থিন্না
পোলোইদা খঙলকখি
মৈনা চাক্লবা মী'দু
মৈ তীকপা ঙম্মী
চাক্লবসু চাক্লা চাক্লা।

*(ইমানা হায়রম্মী, লা-৬৩)*

(২)

হৌজিক্কী ঐসে
ঐ নত্তবোই খল্লি
নুংঙাইজবা ফাওই।

*(ৱাখলগী লীলা, লা-৮৭)*



CamScanner

(৩)

অদুবু ঐনা লৈত্ৰবদা
লৈ কৌবা লৈ অমা লৈরম্মী
হায়বগী ঙমখৈ কদাইদনো
করম্না কনাদা হংলুগনি।

*(ঙমখৈগী অরোইবা ঙমখৈ, লা-৪৪)*

*শোণী*'দি ঐনা বাংলাদেশতা লৈরিঙৈদা মমিংতনি তাখিবা, বাংলাদেশকী মীতৈ অইবা অমা ওইনা শক-মায় উন্নদুনা খঙনবগী খুদোং চাবা ফংখিদে। মোন্ত্রিয়লদা (২০০৩-২০০৪) লাকুবা মতুঙদতা খঙনজবনি। মথং মথং য়াম্না নকশিন্নরকখিদুনা থম্মোয় থোংনাউ য়ৌখিবা খঙহৌদ্রে। অদুবু থোংনাউদগী তুমিন তুমিন য়েংবা নত্তনা শোণী'গী জগত্তা থোংজাউ হাংদোক্কুনা পাক হেক চঙবা ঙমখিদে, মরমদি-

চংবা য়াদে, চংবা পিরোই
ঐনা কোল্লিবা লম'সিদা
ঈশ্বরসু নঙসু অচম্বা প্রজাসু
'নো এন্ট্রি' থেৎলে থোঙ্গালদা
লেপমুক ব্লাঙবা বিলবোর্ডতা ঐহাক্না।

*(নো এন্ট্রি, লা-৮৮)*

ব্লাংলবা চেকপল অমনা কোরোই চন্দুনা থমলবা *শোণী*'গী থম্মোয়-হিঙ্গোনদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্বগী ইতীক লৈখিদে, বাংলাগী কাচিন অমগী খুঙ্গংদা লৈখোম-লৈনাং মরক্তা পোল্লকপা, অর-তি-তি মরক্তা চাউরকপা ঐনা চোঙখৎ চোঙখৎলগা য়েংবা নত্তনা। নোংমা কদোমদগীনো ফ্রিজিং রেইনগী মওংদা 'শব্দ' খরা লেংজুমদা তোপ তোপ তারকই-

'হুনদ্রি ঐগীদি য়ুমগী যাত্রা
য়াওহনবীখিদবনি
পামেল উজাও ককপদা।

শাগৈ নাতৈ লৈশিল্লক্নে
তুমখিদৌরে পামেল উজাওশিং।

ঐহাক ইয়ুম ইকৈ লৈজদবা
উপালশিংগী মরুমদা
হিংজবা মীনি।'

*(শামবা পাঙ্গল য়েংনবা, লা-৮১)*

নুংশিবগী নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকপিখ্রবা থোংজাও, অমুক ঐঙোন্দা চমম্নহল্লী জ্ঞান অমসুং ফজবনা ময়ুং কারগা অচুম্বনা মফেল ওইবা শোণী'গী য়ুখল অদো উরগা। চংশিল্লি তপ্না-তপ্না, ঙক থিংজন্দুনা য়েংলুবদা থেংনরকই ফজরবা মেটাফোর কয়া, সিম্বোল কয়া, আইডিয়া কয়া-

'চৎনা চৎনা ইচানা তুংহন্না,
অমুক্তংদি য়েংলম্মী
লম্বোইবা মিথয়েংনা
পুন্সিগী অরোইবা
হিসাব লোইশিন্নবা মাগী মমিরোমদা!'

*(কোলোয় মিংলেন ইচাগী, লা-৩৪)*

'চীনথীবা ঙাক্লি থাজরুনু কনাবু
লাইদি চীনথীবশিংনা শাবা
শান্নপোৎ লাইধিবীনি।'

*(লাই, লা-৩৩)*

'ছাদ মথক্তা য়াল্লিবা
পেনড্যুলমগুম হাইরিবা ঐগী হকচাংশে।'

*(সর্কাস কুম্মে, লা-৮৬)*

'পিক্লবা পুখ্রি অসিদা
খ্বাইদগী চাউবা ঙা-মচা
ফারগা চাথোক্লিবা
ঙায়ামগী ঈশ্বরনি ঐ।'

*(ৱাহং পাউখুম, লা-৮৯)*

ব্রাফম অমনা, শোণী'গী শৈরেংদা শিজন্নরিবা তু খ্যাও চুংবা কামগী মুর্ত্তী ইরোটিক ব্রাহৈ-ব্রাতা ঐঙোন্দা থোইদোক্লা নাচুংখিদে। মরমদি, বাংলাগী সাহিত্যদা ইরোইদুনা লাকখিবনা অপাবা অমা ওইবগী ব্রাখলদা করিমতা হৈনদবা পোকখিদে। তৌববুদি মীতৈ শৈরেংগী পিক্লবা পুথ্রি অসিদা 'মরেং মরেং চৎপা', 'খোইদৌ মখাগীসু মখাদা', 'ফিনুংগী ফজবদু য়েংলি', 'কশুমশঙদগী কাশি', মসিগী 'শব্দ' অমদি ব্রাহৈ-ব্রাতা খরসিনা মীতৈলোনগী অপাবশিংদা জাৎ অমগী কোংগোল কাখিদবদি নত্তে।

হৌজিক্কী 'শান্তি লৈত্রবা পৃথিবীদা, অচুম্বা ঙাংবা হৈনদ্রবা সংসারগী মীচম অমদি রাজনীতিব্রালা, কারবারব্রালাশিংগী তাৎ-শিংসি উরগা অচুম্বা পাম্বা, পুন্সিগী অশেংবা থিজরিবা শোণী'না থম্মোয় শোক্লা লাউরকই–

'ইশানা ইশাগী
অশেংবা শক্তম ফোঙদোক্লবা
অশেংবা অচুম্বা অলফাবেট ময়েক
অমা থিরকপনি শুক কুইবসে'

*(অশেংবা অলফাবেট, লা–৯১)*

অদুগা পুন্সিগী তাংকক কয়াদা ইখিবা শৈরেং ৫৫খক খোমজিল্লগা ওইরকপা শৈরেং লাইরিক্কী হকচাংশিগী অরোইবা শৈরেংদা পুন্সিগী অশৈবা অমা ওইনা হাইরম্মী–

'ঐগী অরোইবা শৈরেংগী
অরোইবা চরণদো,
মৃত্যুগী ময়েকনা ইবা
দ্রামাগী তাইবংনি পুন্সি।'

*(দ্রামাগী তাইবংনি পুন্সি, লা–৯২)*

শোণী'না দ্রামাগী তাইবংমদা তাৎ তৌদুনা হিংলিবা মহিং অসি য়েংগে খন্দুনা কদর মদর তৌদুনা নোংমগী খরখরা তৌনা চংশিনলি অকামপেৎ-ফাগীফারাং-মীকি-লাইকিদবা বোহিমিয়ান অমদি হিপোক্রেতনি হাইবিরিবা মহাক্কী চমন্নরবা কাদুদা। থেংনরুবা মিকুপতুদি মহাক্কী অরোইবা শৈরেংগী অরোইবা লাইন ইবা

নুমিৎ ওইরম্মী, অনৌবা লেটেস্ট ডিজাইনগি 'তোশিবা'গী লেপটপ অমগী কী বোর্ডতা মখুৎ অদো থম্ফম খঙদনা কোইমা মারগা মদোমতা মুরুম মুরুম শোল্লম্মী–

'দ্রামাগী তাইবং হাইগদ্রা নত্রগা তাইবংগী দ্রামা ইগদ্রা,
দ্রামাগী তাইবং
নত্রগা
তাইবংগী দ্রামা,
ওহ! আই এম সো কনফিউজড, সো কনফিউজড।'

খংলাউ লাউরকই রবীন্দ্রনাথকী মেহের আলিগুম 'সব ঝুৎ হ্যায়, সব ঝুৎ, তফাৎ যাও, তফাৎ যাও।'

মফম মরাং খঙদনা ঐসু হল্লকখি মহাক্কী ফোঙদ্রিবা শৈরেং লাইরিকতুগী মেন্যুস্ক্রিপ্টতু পাইশিল্লগা।

## কল্লৌজম সুরঞ্জিত'কী শৈরেং-ৱারেং পারুবদা

ইমেইলদা কল্লৌজম সুরঞ্জিত'না মহাক্কী ৱারেং-শৈরেং কয়া থারকখি, শৈরাংবা মরূপ-ইয়াহু গ্রুপতসু মহাক্কী শৈরেং-ৱারেং কয়াসু থেংনখি। ইমেইলদা মহাক্কি শৈরেং-ৱারেংগী মরমদা ঐগী মোত ফোংদোকনিংবা লৈরবসু রোমান স্ক্রিপ্ট না মীতৈরোল ইবা-পাবা ঐঙোন্দা খরা হৈনদবগুম তৌই, (পাদবদি নত্তে অদুবু পানবা হোৎনবদা মনুংগী অর্থ কয়া লৌশনবা ঙমহৌদে) অদুনা ইনিংবা হাইনিংবা কয়া লৈরবসু তুমিন্না তোকথোকখি। অদুনা কল্লৌজম সুরঞ্জিত না ৱারৌরম্বা য়াই, উপায় লৈতে, মদু ঐগী লিমিটেশননি।

বাংলা ব্লোগ*কি খুদোংচাবা লৌরগা কল্লৌজম সুরঞ্জিতকি মতাংদা ঐগী ৱাখল খরা অসিদা ফোংদোক্কে তৌবনি। মপুংফাবা ৱাখল মক্তি নত্তে অদুবু মতম কুইনা থম্মোয়দা চোইজাইননা লৈবা ৱাখলদুবু অসিদা মমি খরা তাহঞ্জবতনি।

কল্লৌজম সুরঞ্জিতকী ৱারেংদা (বাংলা অমসুং মীতৈলোন) য়াম্না অৱাংবা থাক্কী লোন শিজন্নবা থেংনৈ, য়াম্না অরুবা টার্ম–সিম্বলিক ৱার্ড শিজন্নবদা খুৎ নাল্লি। অপাবা শিংদা ইন্টেলেক্টুয়াল চ্যালেঞ্জ অমা থম্বগুম তৌই।

লাইরিক য়াম্না পাবা কন্বা, ইন্টারনেট অমদি ইলেক্ট্রনিক্স মিডিয়াগী ভার্চুয়াল ৱার্ল্ডদসু ইরোইবা হৈবা, ডিটারমিনেশন লৈবা নহা অমগী হৌনবা থৌদোক কয়া ঐখোয়না তত্তনা থেংনৈ মহাক্কী থবক্তা।

কল্লৌজম সুরঞ্জিতকী ৱারেং (বাংলা অমসুং মীতৈলোন) পাবগী খুদোংচাব মরাং কায়না ফংখিদে মপানদা লৈবনা। বাংলাদেশতা ফোংবা মহাক্কী ৱারেং পানিংবা লৈরবসু পাবা ফংখিদে– ইমেইলদা থারকখিবশিংদু নত্তনা। অদুবু মহাক্না ইবা

ৱারেং অনি-অহুমখক পারুবদা ইতোপ-তোপ্পা খোঙ্জেল অমা তাবা ফংখি। (বাংলাগি 'ঔপনিবেশিক ডিসকোর্স-বিরোধী তৎপরতা রিভাইভেলিজম নয়', মীতৈ লোনগী 'নুংশি তুজুং মনিকনা নিকচবা হিজম ইরাবত') বাংলাদেশকী মীতৈ অইবা শিংনা তোইনা শিজন্নদবা লোন্দা-পুদা, ৱাহৈ-ৱাতা, সিম্বল-মেটাফর কয়া মহাক্কী ৱারেংদা তত্তনা শিজনৈ। অসিদা খন্থনিঙাই হাইববু, মীতৈ লোনগি অপাবশিংনা মহাক্কী ৱারেং পারগা অর্থ পুম্নমক লৌশনবা ঙমগদ্রা হায়বদো খর চিংনবা পোকই।

বাংলাদেশকী সিলেটতা য়ুম্ফম ওইরিবা 'ঔগ্রী পাবলিকেশন্স'না ফোংবা কন্থৌজম সুরঞ্জিতকী অহানবা শৈরেং লাইরিক 'নোং অমদি উপাম্বি' (২০১৫ ইং) পারুবদা ইনৌ নৌবা অভিজ্ঞতা অমা ফংঙি, মহাক্কী ফজরবা ইমেজরি, য়াম্না মিনিং চেনবা ৱাহৈ শিজন্নবগী মহৌশাগী হৈনবী, শৈরেংদা শিজিন্নরিবা ইদিয়ম, সিমিলি অমসুং শৈরেংগী স্টাইল অমদি টেকনিক (মীতৈ লোনগী টার্ম খরসিগী য়াম্না মিনিং চেনবা করিনা ওইগনি? ঐগী মীতৈ লোনগী ভোকেবুলারীদা য়াওদ্রে, অদুনা ইংরেজিদা ওইনা অসুম হাইরবনি) ছন্দ য়াম্না মওং তাই। শৈরেংগী লাইন অমমম, অনিরক-অহুমলক পাদবা য়াদে, মনুংগী ওইবা আর্থ খংনবগীতমক।

মহাক্কী শৈরেংগী লাইন অমা-অনিখক লৌখৎতুনা য়েংসি-

১।
খোঙলোয়নরি মহাকনা
মরাঙ য়ামনা কায়না
নিংতমনা পাইনিংবা
পিশক পিকপা উরিকশিং।

(ঙসি, লা-১০)

২।
মতম নঙসু চেনবা লেপকনু; চাকা নঙসু লেপকনু
তূমমি ঐগি হকচাং-মালেম অশিবা
মথকতুদা লমশিশিংগি শরু মরু
খুৎ খোঙনা উগি-মরা: মহাউ থিরি মখোয়গি

(খূৎ খোঙনা উগি মরা, লা-১৭)



CamScanner

৩।

শ্বাই লাউনা ইখুৎতগি মাঙখিবা
নোংলৈ লৈচিন মাইগৈদনা থমোয় মিহুন
কুমথৈ– খোঙগি শরুদনা তিনফা চবুন লেপতঙৈ

(উরিক, লা-১৫)

অদুগা মহাক্কী শৈরেংদা থেংনরিবা ইমেজরিনা ঐখোয়বু অমুক অনৌবা মালেম অমদা কোইপু পুদুনা চৎলি -

১।

করিগিনো লামবা ফংদে–
নোংপোক চিংখোঙশিংসিনা অদুম ঙানখলকইবসে
ইঙাং পিশকশিংসিনা মমিৎ মনা শিংখলকইবা!
চক অমগি মমাঙদা শিগ্রবা ইবোকনা
নৌহৌননা অদুম হিংখলকইসে!

(শিদহিদাক, লা-২৮)

২।

খুদাংফাবি খুজিগি শুমহৎপা শরিক মখোল
মনিটরদা ক্রুং লাউনা চোংথোরকপা ই-লৈশাবিগি শাথেক

(চৎপা অদুমা হৌখিসি, লা-২৩)

অদুগা ঐখোয় খুন্নায়গী ওইরকলিবা ফিভম অসি য়েংলুরগা য়াম্না পেনদনা চিংনবা অমগা শৈরেং অপাবশিংবু নুংনাংবা অমা ফাউহল্লি -

'অদুমহায়না-
ঙাইবা তান্নদুনা,
চিংনবা কৌবা পুখ্রিচৌদা ইরোয়দুনা
নত্রগা-
ফিবানদা হেক ফমমবদৈ
লৈফুনশিংগা লমজাউদা পরিং পরিং চৎমিন্নবা...



CS CamScanner

শাথিনা থেঙলবা অহিংগি শোরারেনদা
লাপনা মুশি মুশি ঙাল্লিবা থৱানমিচাকশিংগা
চিরোন তৌনদুনা অয়ুকপু শঙমবদে অদুম
তুমিন্না তূমখুন তানখিবা

অসিনা হৌজিক হৌজিক উপালশিংগি মচৎনি।

(মঙাল শঙবগি মচৎ, লা-৩৭)

কন্থৌজম সুরঞ্জিতকী খ্বাইদগী থাগৎনিঙাই হাইববু, অৱাবা লৈতনা, নিংহন্নবা লৈতনা মীতৈ লোনগী শৈরেং বাংলাদা হন্দোকপা অমসুং বাংলা-ইংরেজী না চীংবা মপান লমদমগী শৈরেংবু মীতৈ লোনদা হন্দোকপা। ঙসিগী খুয়ৌনরবা মতমসিদা মহাক্কী শৈরেংগী মরমদা অকুপ্পা মরোলদা নৈনবদি মতাং চাদ্রে অমসুং মহাক্কী অনুবাদকর্মশিংগী কোয়ালিটি অমদি অফ-ফত্ত নৈনবা ঙহাক্কী ফিভমসিদা ওইথোক্তবনি। হৌজিক হৌজিক মাংদা লৈরিবা ৱারেং অনিসিগি মতাংদা ঐগি হাইনিংবা খরা অসিদা শমলপ্পা হাইজগে।

বাংলাদা ইবা 'ঔপনিবেশিক ডিসকোর্স-বিরোধী তৎপরতা রিভাইভেলিজম নয়' (কলোনিয়াল ৱারোলগী মায়োক্তা চত্থবা খোংজং রিভাইভেলিজম নত্তে) ৱারেং অসি মীতৈ সমাজকী অপাবশিংদা নৌনা ৱাখল খরা খন্থবগী, ঐখোয়না শিজন্নরিবা টার্মশিংগী মিনিং নৌহৌননা হন্দোকপগী ৱাহং কয়া লাকই। অদুতা নত্তনা অপাবশিংনা হিষ্ট্রি-এনথ্রোপোলজী, সোসিওলজিগী টার্মিনোলোজি ফজনা খংদনা ৱারেং অসি পাবদা য়াম্না মিনিং চেনবা লৌশনবা খরা ৱানা থোক্কনি। ঙসি ঐখোয়গী অখং-অহৈশিংনা ৱাখল্লোন কয়া ফোংদোরকলি, থিওরী কয়া মমি শামলকলি, অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোরকলি, পুথোরকখিনি– অসিনা লোইরে হাইবা য়াদ্রি, সুরঞ্জিতকী ৱাহংগী পাউখুমসু ঙসি হেকতা পিবা য়াদ্রি, মতম খরা ঙাইবদা তঙাইফদে খল্লি।

মীতৈ লোনদা ইবা 'নুংশি তুজুং মনিকনা নিকচবা হিজম ইরাবত' কৌবা ৱারেং অসিদসু জননেতা হিজম ইরাবতপু ময়ামদা নৌহৌননা অনৌবা ইরাবত অমা পুথোক্লবা কন্না হোৎনৈ কন্থৌজম সুরঞ্জিতনা। ইরাবতপু লাইপোক ওইনা

শাগৎপগী হোৎনরিবা পন্ডিত শিংদো কল্লোজম সুরঞ্জিতনা মদো তরাইনা লৌফম থোকতে খনলি, ময়ামদসু খলহননিংই। মহাক্না পামজখি, ময়ামসিগী মীৎয়েংদা অম'মম তৌনা কুপ্না য়েংলিবদি, চাংদম্নরবদি, ইরাবতপু লাইপোক ওইহন্দবা চুম্মি। মীচমগী মনাক্তা মীচমগী মচামা ওইনা লৈজবনা পকচৈ ইরাবতগি অপুন্বা পুন্সি খোংচৎসে। 'অপাব ঐখোয়সু পামদে, হিজম ইরাবত ময়ামগী জননেতা ওইরবসু মহামানব-অবতার-ইশ্বরগী অশেংবা মনাই-লাইপোক অসিগুম্বা বিশেষণনা ওমশিল্লগা ময়ামদগী থাপতোকহল্লগা লাই ওইনা লাৎলগা মদুদগী খুদোংচাবা লৌবগী পাম্বৈ ওইনা শিজন্নবদো। মথংদা হিজম ইরাবতপু লাই ওইনা লাৎকে খল্লিবা মীওই অমদি লূপ শিংনা (কল্লোজম সুরঞ্জিত কী ৱাহৈদা-মমিৎ মনা শিংবা স্টাব্লিশমেন্ট) খরা খল্লগনি নিংই। 'অমগা অমগা শোয়নবা ময়ামগী মনুংদা, কোরোই অমগী মনুংগা-ময়ায়দা লৈরিবা মখোয়গী চিদায়দা (পেরিফেরি)-দা ইনথোকপিখ্রবা মখোয়গি মনুংদা লৈরিবা দ্বন্দ্ব নত্রগা সিস্টেমদুগী কোরোয় মনুংদা চন্দবা, মপান্দ লৈরিবা ফেক্টরশিংবুসু পুসিল্লকতুনা লৈরিবা স্টাব্লিশমেন্ট খুদিংনা শিজিনৈ।'

অদুগা ৱারেং অসিগী প্যারা ৫দা শাগৎলিবা লজিক-আর্গুমেন্ট-স্টেটমেন্ট অসিনা অপাবা ময়ামদা খোইরাং-খোইজাওনবা অমা ফাউহল্লি। ৱাহৈ-ৱাতা গী কোচী-কোয়া, মরৈ-মরোংগী মরক্তা অইবগী ৱাখল্লোন খংবদা অপাবশিংনা খরা ৱানদি থোকই, অদুবু চুমদে হাইনা পাক হেকতা হাইবদি ঙমলোই ঙসিগী ওইরকলিবা মালেমগী মওংসিদা।

------------------

* মতম অমা (২০০৪দগী ২০১৫খৃ. ফাওবা) ভার্চুয়াল প্লাটফোর্মদা ব্লোগিং কন্না তৌরম্মি, মরু ওইনা মপান লমদমদা লৈরবা মতুংদা বাংলাগী ব্লোগিং প্লাটফোর্ম কয়াদা ইরম্মি। ৱারেং অসিসু মতমদুদা বাংলাগী সামহোয়্যারইনব্লোগ (www.somewhereinblog.net) কৌবা ব্লোগ অদুদা ইথোকখিবনি। মথংদা খরা সেমদোকচরগা অসিদমুক ফোংদোকচরি।

## চিংখৈ অঙোমগী 'পেবেতকি পেনা'

বাংলাদেশতা মীতৈলোন ঙাঙবা লেপত্রবদি, মীতৈলোনগী সাহিত্যচর্চা কৈদৌনুংদসু মুৎলোই হায়নিংঙি। মরমদি, লোন অমবু হিংহন্না থম্বা হায়বসি, লোন অদুবু ঙাঙনবদুনি। অমসুং ঙাঙবু ঙাঙনরবদি, লোন অদু ঙাঙনরিবশিংগী মরক্তগী অইবসু অসুম থোরক্কনি, কলাকার কয়াসু লাকখিনি অমসুং অনৌ অনৌবা আর্টফোর্ম কয়াদা নহারোল কয়ানা খোঙদারক্কুনা অনৌ অনৌবা মহাওগী পোখোক কয়াসু পুথোরকখিনি।

২০১৫দা ঔগ্রী পাবলিকেশন্সনা ফোঙবা, চিংখৈ অঙোমগী অহানবা শৈরেং লাইরিক 'পেবেতকি পেনা' পারুবদা ঐনা খনখিবদু অসিমকনি।

লোন অমবু হিংহন্না থম্বা হায়বসি লোন অদুবু ঙাঙনবদুনি। ঙাঙনরিবা লোন অদুবু ঙাঙনরিবা মওংদা ইথোরকপা হায়বসে মশানা তাবনি। চিংখৈগী শৈরেংদা বাংলাদেশকীতা ওইবা খোন্থোক খরা তাবা ফংলি। মফমশিদা নুংতিগি ঙাঙনরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, ঐখোয়গী ইমুং-মাঙ্গোলদা শীজন্নবা ৱাঙাং-শাঙাং মহাক্কী শৈরেং কয়াদা তোয়না থেংনৈ। অদুদনি ঐনা পেনলিবসু।

মমাঙৈগী বাংলাদেশকী অয়াম্বা শৈরেংশিংদা ঐখোয়গী ওইবা অৱা-নুঙাইগী ৱারীদো য়াম্না ফজরবা ৱাহৈগী লৈত্রেংনা য়াম্না অৱাংবা থাক্তা ফোংদোকনবা হোৎনরম্মি। করি হায়দাই, লাইরবী ইমুংগী নিঙোলনা মরল লৈবা ইমুংদগী সনা লীকোন ফিজেৎ ৱায়রগা কেথবগুমনি, মীগীদগী ৱায়বা ফিজেৎনা ফজনবা হোৎনবনি হায়নিংঙি।

ঐগী নাকনদা লৈরিবা ফজরবা ইশ্খোল, উমং, কেরোয় লৈকায়, ঐগী ইমুং মনুং, ঐগী থম্মোয়গী কাচিন কোয়াদা থূপনা থমলিবা ৱাখল্লোন কয়া চিংথৈগী শৈরেংদা জরো জরো হৈথরকই, ঐগী থম্মোয় শুমাঙদা চবাক চবাক তারকই– ঐখোয়গী পেনদবা কয়াগী ৱারী, হায়বা ঙমহৌদ্রবা হায়ফমদি থোকলবা ৱাহৈ কয়া খুন্নাইগী, ইমুংগী, লৈকাইগী-ঐগী।

য়েংমিন্নসি মহাক্কী খুফোঙদোক। লাইন খরদং লৌখৎচরবদা–

অশাউববু চেমবাকতৌনা
ইশিংতীংন মোনধহলি–!
(অশাউবা)

খোংনাং মিরুমদা পোথারি নুংধিন
মলয়া ঙাইরি কুরাক
(নোংদি ঐগিসু মচেৎমা লৈ)

গা গা লাউবা শোরোকনি নুংতিগি
কৃকৃক ইন্নবা বিলবোর্ডনি
শ্বায় শ্বায় লাউবা মিকুপখুদিং
(থারবা লেচিননি নঙ ঐ)

ঐগী লৈগি ৱারী মোয়না লীবীবগী হোৎনৈ
মনা পঙবা মোয়না খলি– লোনথোকতবা ঐনি
ঐগি মৈগি ৱারী মোয়না লীবীবগি হোৎনৈ
মনা পঙবা মোয়না খলি– চীনথোকতবা ঐনি
(ঐগি লৈগি-মৈগি ইশৈ-ৱারি)

অদুগা শক্রাক হেক শেৎনা, ইখঙ খঙহৌদনা লাইন অমা অনিদা পাউতাক ওইনা নত্তবিদা ইচম চমনা ঐখোয় সমাজগী ওইবা খুন্নাইগী ওইবা লুরবা ৱাফম কয়াসু য়াম্না লায়না ফোঙদোরকপসু থেংনৈ মহাক্কী শৈরেংদা, লাইফাওগুম। খুদম ওইনা–

থুকিনা থোকতোরকপগুম... নোংমা আস্তে আস্তে

মকথরক্কনি জেঙ্
ভামোনগি চন্দোনসু

(ভামোনগি চন্দোন)

...নোয়না খুন হোংঘিবদৈ পুখিমপানদা ফনেক উদ্রে
পুখিচৌদা ঐ ইথনতা নাইতোমহৌরে
ঙাওচৎননা অহিং নোংজাই
পুখিময়ায়দা উরু উরু লৈনা লৈরে

(পুখিচৌগি ঙাদুগি ওয়ারি)

অখোয়না
উবা ফংদবৈতনি
থওয়ানমিচাকতি
তৎতনা কেলি
মশিং নাইদনা
নোংমা নোংমগি

(উবা ফংদবৈতনি)

থওয়ানমিচাক অমনি কেনঘি কেনঘিনা মাঙজরবসু
অতিঙা কৈদৌঙৈ পুংমম মম্মোই

(অতিঙা)

থাজবা অমদি লৈরি, ঐনা পংখনতা খনবনিসু হায়জৌ, শুমাঙদা লমখুনুনা পাইরকলিবা মখৈ, শেন্দ্রাংনা উচুমতাবিদা তারিবা মখৈ, চোঙানা য়েন্নখাদা চাকতারিবা মখৈ– ঐখোয়গী কৈরোয় লৈকায়দগীসু নোংমগী তৎতনা শকলকখিগনি শৈশকপা কয়ানা, শৈরাংবা কয়ানা ইবিরকখিগনি ঐখোয়গী থম্মোয়গী ৱারি, মশিং লীকলবসু লীকনা, অনৌ অনৌবা খোঞ্জোকতা।

চিংখৈ অঙোম নহা ওইরিবা শৈশকপনি, শৈরাংবনি। ঙাইরি ময়ামনা মহাক্কী অনৌ অনৌবা শৈরেং-শৈথাবা। মহাক্কা শৈরেং অমদা হায়রমবগুম–

> '... হনদক মরকসে, অহিং থেঙধরকপগা লেচু পাম্বিদো মখোন থাদোকনা কপ্পি হায়নৈ হিকনা হিকনা...

তম্নৈ হায়নৈ নুমিদাং খুদিং!

ঐদা হায়নিংবা ওয়া ময়ামা লৈহৌরে মাগি...

ঐ খঙভি...'

ফোংদোরকখিগনি মখোয়গী ৱারী, চোইরোল ওইনা, অঙাও লাইফাও ওইনা। ঙাইহরি নখোয়, ঐখোয়, ঐ, মাক, মহাক, ময়াম।

## ২০২০গী সাহিত্যদা নোবেল ফংলবী আমেরিকাগী কবি লুইস গ্লুক অমসুং মহাক্কী শৈরেং

লুইস গ্লুক ইউএসএগী নিউইয়র্ক (এপ্রিল ২২, ১৯৪৩) শহরদা পোকই। অদুগা চাওরকখিবনা লোং আইল্যান্ড কৌবা পিকলবা টাউন মচা অমদনি। মহাক্কি ফজরবা মমিংদি লুইস এলিজাবেথ গ্লুক কৌজে, অদুবু সাহিত্যগী লমদা লুইস গ্লুক হাইদুনা ময়াম্না খংনৈ। গ্লুককী ইমুং মনুং আমেরিকাদা শুরোন অহুম মমাংদা ইমিগ্রেন্ট ওইনা লাকখিবনি। মহাক্কি মপাবুং ডেনিয়েল গ্লুক নিউইয়র্কতা পোকখি। ডেনিয়েল না মখোয়গী ইমুংদা অহান্বা পোকপা আমেরিকান শুরোননি। মহাক্কি মপাবুংগী মপা মপুশিং হাঙ্গেরিয়ান ইহুদি নি। অমরোমদনা মহাক্কী মমা বিয়াত্রিশ গ্লুক রাশিয়ান ইহুদি ইমুংগী নিঙোলনি। লুইস গ্লুককি মপাবুং ডেনিয়েল সাহিত্য পামজবা লাইরিক য়াম্না পাম্বা অমসুং অইবা অমা ওইনিংবগী মঙ মঙলম্বা মীওই অমনি। অদুবু ইমুং মনুঙগী লল্লোন-ইতিক্তা শরুক য়াবা তাখি, বিজনেস ম্যান অমা ওইনা অসুম চিনশল্লকখিবনা রাইটার অমা ওইবগী মঙ কৈদৌনুংদসু মংফাউনখিদে। অসোমদনা মমাইবেম্মা বিয়াত্রিস য়ুম্বুরেম্বি ওইনা লৈজরবসু ম্যাসাচুসেটসকি ওয়েলেসলি কলেজতা গ্রেজুয়েট লোয়শনখিবা নিঙোল অমনি। মহাক্কী অহলশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদগী গ্রীক মিথকি লাইরিক য়াম্না পাহল্লকখি। অদুনা লুইস গ্লুককী শৈরেংদা গ্রীক পুরান অমদি মমাঙৈগী মীথ, পুৱারী, মৈহৌরোন য়াম্না তোইনা শীজন্নবা উবদা থোইদোকনা ঙকনিঙাই লৈতে।

অমরোমদনা লৈশাবী পুংকক ফারকপা হাইবদি টিনএজ মতমদা লুইস গ্লুক অ্যানারোক্সিয়া নারভোসা (Anorexia Nervosa) কৌবা ৱাখল লাইনা মখল অমা নাখি। লায়না অসিগী পান্দমদি মশা মদোমতা নোয়থোকচরে খঞ্জবা, মশাবু মশানা শক থিজরে খঞ্জবা অমসুং মদোমতা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা চাব



CamScanner

থকপা য়াদবা, করিমতা চানিংদবা অমসুং নোংমা নোংমা অসুম করিমতা চারকতবদগী অসুম শোম্বুরকপা, শিবা য়াবা ফাওবা ওইরকপা য়াবগী ফিভম অদু লাকখিবা য়াওনখি। মসিনা মরম ওইদুনা ঙল্লবৈ মতমদা ব্রাখলগী লায়না য়েংবা ডাক্তর- সাইক্রিয়াটিষ্ট (Psychiatrists) অমগী মখাদা লাইয়েংখি অমসুং সাইকো এনালাইসিস থেরাপি চৎথখি। হিরমসি পনবগি মরমদি লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লুইস গ্লুক নুঙতিগী চৎলম্বা স্কুল থাদোকখি, ফরমাল এডুকেশনদগী খরা লাপথোকখি অমসুং চুম্নগী টেক্স্টবুক পাবগী মহুৎতা শৈরেং ইবা পাবগী লমদা ঙন্না খোং থাংজনখি। কবিতা য়াম্না পাবা ফংখি, অমসুং কবিতা ইবা হৌখি, মতমদুদা শৈরেংদা ছন্দ হাপ্পা হৌখি। লায়না অদুগী মরমনা মহাক্কী হকচাং- ব্রাখলদা অয়েৎপা কয়া পিখিদবদি নত্তে। চহি তরেৎমুক সাইকো থেরাপি তৌবা তাখি অমসুং স্কুল কাদুনা লাইরিক তম্বা ঙমখিদে। তৌববুদি রিগুলার ক্লাস তৌবা য়াদ্রবসু সারাহ লরেন্স কলেজ (Sarah Lawrence College) তা শৈরেং ইবগী মথক্তা চয়োল কয়াগী ক্লাস অমদা শরুক য়াখি। ১৯৬৬ ফাওবা কলম্বিয়া স্কুল ওব জেনারেল স্টাডিজ কৌবা ৱার্কশপ প্রোগ্রাম অমদা মীং চনখি। ফরম্যাল ডিগ্রী লৌদবা মহৈরোয়শিংদা পিবা ডিগ্রী অমা ফংখি। কলম্বিয়া ইউনিভার্সিটিগী কোর্স অদুদা আমেরিকাগী পোয়েট লোরিয়েট (Poet Laureate) মীংথোন ফংলবা লিওনি এডাম (Leonie Adams) অমসুং স্ট্যানলি কুনিজ (Stanley Kunitz) কৌবা মতমদুগী মমিং লৈরবা আমেরিকাগী কবি অনিবু মহাক্কী ম্যান্টর ওইনা ফংনখি। মহাক্না ঙসিগী মমিং লৈরবা কবি অমা ওইরকপদা ওজা অনিসিগী শিংঙমলোইদ্রবা তেংবাংননী হাইদুনা লুইস গ্লুকনা মিয়ামদা ফোংদোকপা ইন্টারভিয়ু কয়াদা হন্না হন্না হায়খিবা থেংনৈ। লুইজ গ্লুকনা মতমদুদা মাদমোয়াজেল (Mademaoiselle), পোয়েটরি (Poetry), দ্য নিউ ইয়র্কার (The New Yorker), দ্য অ্যাটলান্টিক মান্থলি (The Atlantic Monthly), দ্য নেশন (The Nation), কৌবা চেফোং কয়াদা মহাক্কি শৈরেং কয়া ফোংবিনবা থাজনখি অমসুং ফোংখি।

লাইবক থিবদি, কলম্বিয়া ইউনিভার্সিটিগী ডিগ্রী অদুসু মহাক্না লোয়শনবা ঙমখিদে। মথংদা অফিস অমগী সেক্রেটরী ওইনা থবক মচা অমা চংখি। অদুবু শৈরেং ইবদি লেপখিদে। মহাক্কী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক 'দ্য ফাষ্টবর্ন' (The

Firstborn, ১৯৬৮ খ্রী:) কৌবা অমা ফোংখি। শৈরেং লাইরিক অদু ময়াম্না য়াম্না পাম্নখি। অদুদগী অমুক চহী অহুমলোম শৈরেংনা চিংবা করিমতা ইখিবা ঙমখিদে। অদুগা ১৯৭১ খ্রী: দা অমুক ভারমোন্ট (Vermont) তা লৈবা গডার্ড কলেজ (Goddard College) তা সাহিত্যগী ওজা ওইনা থবক তৌবা হৌখি অমসুং ইনৌ নৌনা শৈরেং কয়া ইখৎপা হৌখি। অইবা অসিনা তুংদা অদুগী মতমদা ইবা শৈরেং ময়াম অদু খোমজিল্লগা 'দ্য হাউজ অন মার্সল্যান্ড' (The House on Marshland) কৌবা মহাক্কি অনিসুবা শৈরেংগী লাইরিক অদু ১৯৭৫ ইংদা ফোংখি। শৈরেং লাইরিক অদুদা মহাক্কী ইতোপ তোপ্পা খোম্লোক অমা শৈরেং পামজবা ময়াম্না তাজবা ফংখি। শৈরেং নৈনবা ক্রিটিক শিংনসু য়াম্না থাগৎনরকখি। পনবা য়াবা অমনা ১৯৭৩ ইংদা মহাক্কী মচানিপা অহল নোহা (Noah) পোকখি। আমেরিকাগী মমিং লৈরবা অইবা জোন ড্রানো (Jonn Dranow) মহাক্কী অনিশুবা মপুরোইবনি। মখোয় অনিগী অহান্বা ফংজবা মচানিপানি। অদুগি মমাংদা লুইস গ্লুক না অহানবা ওইনা লুহোংখিবদি (১৯৬৭ ইং) চার্লস হার্টস জুনিয়র (Charles Hertz Jr.) কৌবা নিপা অমগনি, অদুগা মখোয় অনি কোন্নথংদা ডিভোর্স তৌদুনা তোঙান্নখিবনি। মতুঙদা লুইস গ্লুক মহাক্কা কলেজ অমত্তদা ওজা ওইবিনখিবা জোন ড্রানোগা য়ুম পানখিবনি।

চহী মঙা মতুংদা মহাক্কী অহুমশুবা শৈরেং লাইরিক 'দিসেন্দিং ফিগর' (Descending Figure) ১৯৮০ ইংদা ফোংখি। শৈরেং লাইরিক অসিগি তমক মহাকপু সাহিত্যগি ক্রিটিক ময়াম্মা মায়কৈ অমরোমদনা য়াম্না থাগৎনরকখি। তৌইগুম্বসুং ক্রিটিক খরনদি লাইরিক অদুদা য়াওবা শৈরেং খরগী য়াম্না কন্না ক্রিটিসাইজ তৌরকখি। মরু ওইনা মহাক্কী লাইরিক অদুদা য়াওবা দ্য ড্রাউন চাইল্ড (The Drownend Children) কৌবা শৈরেং অদুবু 'অঙাং তুক্কৎচবা তাথিনা' (Child Hater) তৌবা মীওই অমনি হাইদুনা আমেরিকাগী কবি, অইবা অমসুং মমিং লৈরবা ক্রিটিক গ্রেড কুজমা (Greg Kuzma) না মহাকপু মরাল শিরকখি। তৌবতবু আমেরিকাগী সাহিত্য পামজবা শৈরেং নুংশিজবা অয়াম্বনদি লাইরিক অসিবু তরাম্না ওকখি। নুঙাইতবা হাইববু চহী অদুমকতদা মহাক্কী ভারমোন্ত তা লৈজবা ময়ুম অদো মৈ না চাকখি অমসুং মহাক্কি লৈজবা মমল লৈরবা পোৎচৈ কয়াসু য়ুম মৈ চাকপা অদুদা য়াওখি। লুইস গ্লুক মথম্মোয় য়াম্না

নুঙাইখিদে, অদুগী মতমদা থোকখিবা নুঙাইতবা থৌদোক কয়াগী মমি মহাক্কী তুংদা ফোংলকপা শৈরেং লাইরিক শিংদা মমি তাখি। মহাক্না মথম্মোয় নুঙাইতবা মতমদা শৈরেং কয়া ইদুনা পুক্লিং থম্মোয় পোত্থাখি। মতমদুদা ইখিবা শৈরেং পুন্নমক খোমজিন্দুনা মহাক্কি মরিশুবা শৈরেং লাইরিক ১৯৮৫ ইংদা 'দ্য ট্রায়াম্প অব একিলিস' (The Triumph of Achilles) মীংথোন্দুনা পুথোকখি। লাইরিক অদুদা য়াওরিবা শৈরেং ময়ামদুবু থাগৎতুনা 'দ্য নিউ ইয়র্ক টাইস' চেফোংগী ক্রিটিক অমা ওইরিবা মতমদুগী য়াম্বা মমিং লৈরবা কবি, নভেলিষ্ট অমসুং অইবি লিজ রোজেনবার্গ (Liz Rosenberg) না লুইস গ্লুককি হান্না ফোংখিবা শৈরেংদগী হায়রিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং ময়ামসিনা য়াম্না শাথিনা ফজবা, মরিক চুম্বা অমসুং ময়েকশেংনা ফোংদোরকপা ঙমখি হাইদুনা থাগৎতুনা ইরকখি। অদুতা নত্তনা 'দ্য জর্জিয়া রিভিউ' (The Georgia Review) চেফোংদসু লাইরিক অসিগী মতাংদা থাগৎতুনা লুইস গ্লুকপু মতমদুগী খ্বাইদগী মগুন লৈরবা শৈরাংবা কবিশিংগী মনুংদা হেন্দোক থোইদোকপা অমনি হাইদুনা ফোংদোরকখি। শৈরেং লাইরিক অদুদা য়াওবা শৈরেং 'মোক ওরেঞ্জ' (Mock Orange) মতমদুগী শৈরেং খোমজিনবা লাইরিক এ্যান্থোলোজি কয়াদা খংগৎতুনা হাপখি অমসুং আমেরিকাগী স্কুল-কলেজ কয়াদা সাহিত্যগী টেক্সট অমা ওইনা লৌখৎতুনা মহৈরোয়শিংদা তাকপি তম্বিখি।

নোবেল প্রাইজ ফংদ্রিঙৈদনা লুইস গ্লুক আমেরিকা, কানাডা অমসুং ইংল্যান্ডগী মরু ওইবা অমসুং মমল লৈরবা এৱার্দ কয়া ফংখ্রবা শৈরাংবা অইবীনি। ঐখোয়দা অনৌবা অমা নত্রগা ঐখোয়না খংদবা শৈরেং অইবী অমা ওইজরবসু ইংলিশ লোনগি শৈরেং পাম্বা মিয়াম্না খংনরবা মমিং লৈরিবা শৈরেং ইবা অইবী অমনি। প্রমান ওইনা হাইরবদা মহাক্কী ১৯৯২ দা ফোংবা 'দি ৱাইল্ড আইরিস' (The Wild Iris) কৌবা শৈরেং লাইরিক্কি তমক পুলিৎজার প্রাইজ ফংখি অমসুং ২০০৩-২০০৪ খ্রী: মহাক আমেরিকাগী 'পোয়েট লোরিয়েট' (Poet Laureate) ওইখি। অসিনা তাকপদি আমেরিকাদা মহাক্কী শৈরেং ময়াম্না পানরবা অমসুং পাম্নরবা অইবি অমনি। অদুগী মথংদা ২০১৪দা ফোংখিবা শৈরেং লাইরিক 'ফেইথফুল এ্যান্ড ভার্চুয়াস নাইট' (Faithful and Virtuous Night) কি তমক অমুক ন্যাশনাল বুক এৱার্ড ফংখি। অমুক্কমুক ২০১৫ দা ইউএস প্রেসিডেন্ট



CamScanner

বারাক ওবামানা ন্যাশনেল হিউম্যানিটি এৱার্ড পিখি। অসুম্না নোবেল প্রাইজ ফংদ্রিঙৈদনা মমিং লৈরবা এৱার্দ তরানিথোইনা লৈতেংখ্রবা অইবীনি। মহাক্কী পুল্লপ শৈরেংগী লাইরিক ১২ অমসুং ৱারেং খোমজিনবা লাইরিক অনি ফোংখিবা লৈরে।

নোবেল প্রাইজ ফংলবী অইবী লুইস গ্লুক মশাগী চহি ৮০, ইরাই নুমিৎ, ১৩ অক্টোবর ২০২৩ইং দা ক্যান্সারনা মরম ওইদুনা ক্যামব্রিজ, ম্যাসাচুসেটস, যুএসতা মশাগী য়ুমদা তাইবংপান থাদোকখি।

লুইস গ্লুককী শৈরেং তরুকখক মখাদা পাবিরিবা ময়ামগীতমক থমজরি।

## নিংথমথানা লোইরকপদা

*(End of Winter)*

লেংদনা লৈরিবা পৃথিবী, মুশুক মুরবা উশা-ৱাশাগী মোংশোঙ মরকশিদা
মদোমতা হৌগৎলগা খংপ্রেক খংনা খোংলকই চেক্লা অমা।

তাইবং মপোকতা অমুক্কা পোকচনিংখি নংনা; নঙবু ঐনা অমুক পোকহনগনি
ঐগি পেন্দ্রবা পুন্সিগী তেংথাখোলনা, নংগী নুঙাই য়াইফরবা পুন্সি লম্বীদা
কৈদৌনুংদসু অপনবা পীখিবা লৈখিব্রনে?

পুংলুপ লুপশিন্দুনা য়েংজনিংখি
অমুক্তংদা অমমবা অমসুং অঙানবদা
খংজনিংবনা ঙাইঙমখিদে থম্মোয়নুংদা করি ফাওখিবা

নঙ করিগুম্বা অনৌবা পোৎশক অমগুম, নদোমতা
ফোংদোকনিংখি মীয়াম মাংদা
থৌনা লিংজেল পুন্নমক, নঙগী হরাও তয়াম্বা পুন্নমক

খনখিবা লৈরম্মোয় কৈদৌনুংদসু
অসিনা মরম ওইদুনা অসুম্না লমন শিংগনি হায়বা
নঙনা কৈদৌনুংদসু ৱাখল খল্লম্মোয় ঐগী মেংলবা খোঞ্জেল



CamScanner

নংগী থম্মোয়নুংদগী থোকলকপা শরুক অমা নত্তনা করিসু নত্তে–

অতোপ্পা মালেম অদুদা নংনা মহাক্কি খোঞ্জেল অমুক হন্না তাবা ফংলরোই
ময়েক শেংনা ফংলরোই কৈদৌনুংদসু
চেক্লাগী খোঞ্জেলদা নত্রগা মীওইবগী তেংথাখোল ওইনা,

ময়েক শেংলবা খোঞ্জেল নত্তে, চুম্নগী
খোল্লাউ খোঞ্জেল পুম্নমক্কী
লেপ্পা নাইদ্রবা খোম্থাং
মদুগী পান্দমদি বিদায়, বিদায়–

তৎনবা য়াদ্রবা লংলা লংজিন অমনা
পুনশিনবিরে ঐখোয় অনীবু মফম অমত্তদা।

**অঙাংবা পোপ্পী**

*(The Red Poppy)*

নংগী ব্রাখল–পুক্লিং অদো লৈরমদ্রবসু
য়াবনি, খ্বাইদগী মরূ ওইরিবদি–
পুক্লিংদা মীনুংশি ফাওবা থম্মোয় অদুনি:
তারিবরো, ঐগীদি মদো লৈজেয়ে;
থম্মোয়নুংগী মীনুংশিনা লমজিংবি ঐবু। স্বর্গদা
ঐগীদি লৈজরি কোরৌহনবা মপু, নুমীৎ
ঐগী চাকলিবা থম্মোয় অসিবু হাংদোকতুনা য়েংহল্লি মাঙোন্দা–
ঙাংশং ঙাংদুনা চাকলিবা ঐগী থম্মোয়, মৈরি
নিংশিংহল্লি মহাক্কি খাংবা ঙমদ্রবা মৈশা
ঐগী থম্মোয়নুংদসু চাক্লি, মহৌশাগুম।
অদুবু, করিগুম্বা মীনুংশি খংবা থম্মোয় অদো লৈরমদ্রগদি
করম তৌবা? ও ঐগী নুংশিজরবা ইবুং, নুংশিজরবা ইচে-ইচল,
নখোয়না মীনুংশি য়াওবা তাইবং মী ওইদ্রিঙৈদা, কুমজা কয়াগী মমাংদা,

ঐবু খোয়দাজরম্বরা নোংমতং ওইরবসু, নখোয়না পামজরম্বরা?
অয়াবা পিখিবরা নশানা নশাবু অমুক্তং ওইরবসু কখোকপগী, শকায়জবগী,
অদুবু শকাইজবা ঙমখিবরা নোংমতসু?
ঙমখিব্রা কখোকপা কৈদৌনুংদসু? অচুম্বমক্তি
মসি হাইবগি মরমদি,
নখোয়গী মতৌগুম্না ঐসু হৌজিক ৱা ঙাংবা ঙম্লে।
অদুবু, ঐ হাইখিগনি
মচেৎ মচেৎ
তৎলবা ঐ।

## নিংজবা

*(The Wish)*

নীংশিংলিব্রা নঙবু খরনি মমাংদা
করিনো নঙনা নীংজখিবা, অপাম্বা অমা লৈরে হাইখিবদো?

ঐগী পামজবদি ময়াম্মনি, নীংজবসু ময়াম'মা লৈজে।

নহান ঐনা নঙোন্দা কুরাক অমগি মরমদা
মীনম্বা ৱাহৈ কয়া হাইখি।
মতম পুম্বদা ঙকনখি ঐ
নহাকনা পামজরিবসি করিনো হায়না।

ঐনা নীংজরিবা পামজরিবসি করি ওইরমগনি নহাক খঙলব্রা?

খঙদেদা ঐসু। হল্লকনিংঙম্বনি ননাক্তা অমুক।
খঞ্জরম্বনি নোংমা নত্রগা নোংমদি
ঐখোয় অনি থুংনগনি, লৈমিন্নগনি অরোয়বা মতমদুদা।

তৌবতবু ঐনা পামজখিবদি অদুখক্তনি
মতমপুম্বদা ঐনা নীংজদুনা লাকচখিবদো।
ঐদি শৈরেং অমখক্তংগা পামজখিবনি।

## নুঙাইজবা

*(Happiness)*

নুপা অমা নুপী অমা ওন্ন থোইনা শান্নরি
ঙৌশোক ঙৌরবা ফমুং, তুম্বা য়াদ্রবা অহিং।
নুঙাল্লক্কদৌরে, মখোয় অনি
হৌগৎকে হায়রনি ঙাহাক লৈরগা।
ফমুংগী নাকনদা নোকফেৎ তৌদুনা লৈরি থম্বান চরোং
ফজরবা লীক্লিগী গ্লাস অমদা; ঙ্রাঙ্রানরবা নুমীৎকী মঙাল
হৈথরক্লি মখোয় অনিগী ঙকশম য়ৌনা।
নুপা অদো তপ্না য়েংলকই
মহৌশাগুম কৌরকই শোল্হাংননা, চান্নবী
থোংনাউদা খনবা ফিজি নোম্লি নোম্লি
কদোমদগীনো চেক্লা খরা খোংলকই
অমুক, অনীরক
অমসুং মমাই ওনশল্লকই নুজা মহাকসু, মহাক্কি
হকচাং কয়াৎ পুম্বা ওমচাকনহল্লি নুপাগী শারবা নুংশাস্বর।

মীৎ পাংথোকতুনা য়েংঙি ঐনাঃ নঙসু য়েংলম্মী ঐবু।
নুঙাল্লকপগী নুমীৎ, নংগী ফজরবা মঙালনা
ইমুং মাঙ্গোল কোইথুং থুংলম্মি।
ঐনা নঙগী মায়থোং অদুবু য়েংলম্মী
মীংশেলদা উরম্মী ঐগী মায়থোঙতবু।
চপ লেপ্তনা লৈরম্মী ঐখোয় পুন্নমকঃ তৌবতবু
ঐখোয়গী কোরৌ নুমীৎ নংতদি
লাম্হোক্তুনা চৎলম্মী ঐখোয়বু, মঙাল পুম্বা শন্দোক্তুনা।

## নুমিদাংগী ঈশৈ

(NOCTURNE)

শিবা শুক্লাই নাইদবা ইমানি
ইমাদো ঙরাং অহিং লৈখিদ্রে।

নিংথম থাগী লিরি শীৎপা নুংশিৎ
ৱাৎলিবনি হৌজিকসু থা কয়া
অদুবু মালয়া নুংশিৎনা উনমুক ঈংলবা।

কালেন থাগী তরানি পানবা নুমিৎনি
নোবাব অমদি হৈখা মপালনা
মনীং থংবা ইংখোল শীনবা থুংনা শাৎলি।

কদোমদগীনে নাকোংদা খোঞ্জেল অমা
চেকোশ্লোভাকিয়াদগী মারিয়ানা শক্লকই হীক্লা হীক্লা,

'ইদোমতা ঙায়রবা মালেমসিদা, ঐ–
অসিগুম্লবা ঈশৈ-শৈশক অমা।

ইদোমতা ঙায়রবা মালেমসিদা, ঐ
ইমাসু লৈজদে, পাবুংসু লৈখিদ্রে
পূমহাং হাঙলবা ঐগী পুন্সীনি–

নুংশিরবা লৈনম মালংবা থুংনা শন্দোরকলি
হৌজিক্তা ফেঙবা লোইরবা পুখম তেংগোৎ
মফম মরাং খঙদনা কোয়চাই চাইদুনা লৈরি।

নীংথিরবা পূর্নিমাগী থাবল মরক্তা
মারিয়া শূবা লোয়রবা ফিরোল মথং মথং থূপচিল্লি
খ্রক খ্রক কংলবা অঙৌবা মোম্পাকফিদক

ঙৌশোক ঙৌরবা মায়কৈ মরিদা
শন্দোক্লবা পূর্ণিমাগী থাজগুম।

কয়াদা নাইতোম তারবা ঐহাকসে,
অদুবু নাইতোম তারবা
ঈশৈ অসিনা ঐগীদি নুংঙাইজবনি।

মে থাগী তরানি চনবা নুমিৎ অদুনি
হৌনবগুম লাকখিবনি, মাপননি চনবা,
নিপাননি চনবা নুমিৎকী অয়ুক্কুম।

ইমানা য়াতারি মহাক্কী ফমুংথক্তা
পাম্বোম অনীদো পাক্লা শন্দোক্লদুনা,
মহাক্কী লুরেল কোক অদুনা খল কায়দনা থম্লি নুংঙাইনা ।

## মমা অমসুং মচা
(MOTHER AND CHILD)

ঐখোয় পুম্নমকসে মঙলান অমদনি;
তশেংনা ঐখোয় খঙদে কনানো ঐখোয়সে।

মেছিন খরনা ঐখোয়বু শেম্বিবনি;
তাইবং শেম্বা মেছিন, পূকচেল পীকপা ইমুং-মনুং।
থোৎল নৌরবা লীচৈদা ঈৎলবা তুংদা,
মালেম অসিদা অমুক খোঙদারকপনি।

ঐখোয়না মঙলি মঙ কয়া, নীংশিংবদি ঙমদে অমত্তসু।

য়ুম পানবগী মেছিন মুশুক মুরুবা শা-মতুগী ঙবোং,
মম্নবা মোংশোংগী ইমা-পূক্লুংদা

মমা ওইবিশিংগী মেছিন,
ইমা পুক্লুংগী ঙৌশোক ঙৌরবা শহর।

অদুগা মসিগী মমাংদা– মালেম লৈপাক অমসুং ঈশিং।
চাউরবা নুংজাও মরক্তা ইশং, উনা ৱানাশিংগী মচেৎশিং
অমসুং নাপী-শিংনা।

অদুগী মমাংদা, অমম্বা মরক্কুদা নদোমতা
অদুগীসু মাঙজৌননা, অমুবা ফিজংনা কুপশিল্লবা মালেম

মরম অসিননি নহাকনা তাইবঙদা খোঙদারক্লিবা;
ঐবু তুমিন্না লৈনবা
পালেম পন্থৌ অনীগী ঈরিক্লা শেম্লক্লবনি নহাক,
হৌজীক্তি নহাক্কী মতম্নি
মীথোই মীহেল্লবা ওইনা, খ্বাইদগী পূমহেল হেল্লবা।

ঐবু খঙহৌদনা লাকখিবরনে, কৈদৌনুংদসু নিংশিংলুদে ঐ।
হৌজিক্তি নঙগী মতমনি, মাঙ থানা চঙশিনবগী
নঙ, নঙতনা ঙসিদি থিজনগদবনি,
নঙগী হকনি খঙবগী–

করিগী অৱা মৈশা ফংলিবনো ঐ'না?
করিগীনো ঐ'না করিমতা খঙদবা অমগুম হিংগদবা?
মুশুক মুরবা অমম্বা পুক্লুংদা শেল ময়াম।
মেছিন খরনা শারকপনি ঐখোয়সে;
ঙসিগী খেনফম অসিদনি নঙনা হংগদবা,
করিগীনো অসুম্না, করিগীনো –
করিগীদমক্তনো মালেমসিদা ঐ?
করগীদমক্তনো মালেমসিদা ঐ?



CamScanner

# বাংলাদেশকী চাকমা কবি অহুমগী শৈরেং

## চাকমা লোন অমসুং সাহিত্যগী মতাঙদা ব্রাহৈ খরদং

বাংলাদেশ লাম্নোক্না ভারতকী ত্রিপুরা, আসাম, মেঘালয়, অরুণাচলদা মশিং লীকপা মীতৈলোন ঙাঙবা ঐখোয়তা নত্তনা অতোপ অতোপ্পা লোন কয়াগী জাতি কয়া, কাঙলুপ কয়া লৈরি। চাকমা কৌবা কাঙলুপ অসিসু মখোয়দুগী মনুঙদা অমনি। মখোয়বু মশানা মশাবু চাগমা/চাঙমা কৌজে। মখোয়গী লোনসু অদুম্না চাগমা/চাঙমা লোন হায়না খঙনৈ। মশাগী ময়েক লৈজে। বাংলাদা পার্বত্য চট্টগ্রাম অদুগা চিটাগাং হিল ট্র্যাক্টস (CHT) হায়নসু খঙনবা রাঙামাটি, খাগড়াছড়ি অমসুং বান্দরবান দিস্ট্রিক্ট অহুম অসিদা মরু ওইনা চাকমাশিংনা খুন্দা লৈতারি। অদুবু হৌজিক্তি মতমগী মতুঙ ইন্না থবক তৌবা, লাইরিক তম্বা অমদি মশা মশাগী প্রফেশনগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ক্যাপিটাল সিটি ঢাকানচিংবা মফম পুম্নমক্ত লৈরে। বাংলাদেশকী ওইনদি বাংলা নত্তবা অতোপ্পা লোন ঙাঙবশিংগী মনুঙদা চাকমা লোন ঙাঙবা মশীংনা পুম্নমক্তগী হেল্লি। চাকমা লোন ঙাঙবা মীওইগী মশিং অসি লাখ মরি হেন্না লৈ বাংলাদেশতা। অদুগা ভারতকী ত্রিপুরা, আসাম, অরুণাচল, মেঘালয় অমদি মিজোরামদসু চাকমালোন ঙাঙবা কাঙলুপ অসি খুন্দাদুনা লৈরি। চাকমা লোন অসি চিটাগাং হিল ট্র্যাক্টস (CHT) রিজিওনদা লৈবা ফুরূপ মচাশিংগী ফাওনা-লোন ওইনসু শিজিন্নরম্মি। পনবা য়াবদি, হৌজিক্তি বাংলা লোন্না মহুৎ শিনখরে অয়াম্বা মফমদা।

ইন্দো-ইউরোপিয়ান ল্যাংগুয়েজ ফ্যামিলিগী মনুঙ চনবা অসমিয়া অমসুং বাংলা লোনগা য়াম্না নক্লনা মরি লৈনবা লোন অমনি চাকমা লোন। লোন অসিবু 'টাকাম' (Takam), 'চাকামা' (Chakama), 'সাকমা' (Tsakma), 'চাঙমা ভজ'



CamScanner

(Changma Vaj), 'চাঙমা কোধ' (Changma Kodha), হায়নসু খঙনৈ, কৌনৈ। বাংলাদেশতা প্রাইমারি স্কুলগী চাকমা লোন ঙাঙবা অঙাংশিংদা চাকমা ময়েকনা ইবা চাকমা লোন তম্বিবা হৌখরে। চাকমা লোন তম্বিবগী থৌরাং অসি গভর্ম্যান্টনা লৌখৎপা থৌদাংতা নত্তনা চাকমা কম্যুনিটিগী এনজিও অমদি চাকমাগী লূপ কয়ানসু তম্বিবা হৌগৎখরে। তৌবতবু স্টেন্দার্দ চাকমা লোন তম্বিনবা মহৈকোন অমদি পথাপ পরিং মপুঙ ফানা লৈরে হায়বদুমকতি হৌজিকসু থোকত্রি।

য়ুমলোন্নবা অমদি লৈবাক অমত্তদা লৈবা ওইরসু বাংলাদেশকী চাকমা লোনগী সাহিত্যগী মতাঙদা ঐখোয়সু থোয়দোক্লা থিজিনবা খঙজিনবা ঙমদ্রি। খঙজিন্নবসু হোৎনবা লৈত্রি। অদুতা নত্তনা বাংলা লোনদসু চাকমা সাহিত্যগী মতাঙদা নৈনবা, শন্দোকপা নত্রগা রিসার্চ স্কোলারশিংনা পুথোকপা পেপরসু কয়া থেংনদে। পনবা য়াবদি, চহী অমা অনিসিদা বাংলাদেশকী য়্যুনিভার্সিটিশিংদসু বাংলা নত্তবা অতোপ্পা লোনশিংগী সাহিত্য নৈনবগী অনৌবা লামায় অমা হৌদোরক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা চাকমা সাহিত্যগী মরমদসু সাহিত্যগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি অখং অহৈশিংনা কন্না থিগৎনরক্লে অমসুং চেফোঙদা, জার্নালদা ৱারেং কয়া, রিসার্চ পেপার ফোঙবা হৌনরক্লে। বাংলাদেশকী মমিং লৈরবা রিসার্চ স্কোলার অমসুং জাহাঙ্গীরনগর য়্যুনিভার্সিটিগী প্রোফেসর দঃ আফসার আহমদনা চাকমা লোনগী সাহিত্যগী খোঙচৎ অসিবু পন্দুপ মরি থোক্লা খায়দোকপি; ক) অরিবা মতম (Ancient Age, 1100-1300 AD) খ) অঙনবা মতমগী ময়াইচনবা মতম (Early Middle Ages, 1300-1600 AD) গ) অথেংবা মতমগী ময়াইচনবা মতম (Late Middle Ages, 1800-1900), অমসুং ঘ) মোদার্ন মতমগী সাহিত্য (Modern Age, 1900-Present)। অসুম্না চাকমা লোনগীসু চংখোল্লবা সাহিত্যগী পুক্কে অমা লৈরি হায়দুনা ময়েক শেংনা উৎলি।

মণিপুরী মোদার্ন সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা বাংলা সাহিত্যগী য়াম্না ইনফ্লুয়েন্স লৈবগুম চাকমা মোদার্ন সাহিত্য অসিসু বাংলাগী য়াম্না ইনফ্লুয়েন্স লৈরি। ১৯৩৬ ইং দা চাকমা নিংথৌকোনুংগী মতেংনা অহানবা ওইনা চাকমা রানী বিনীতা রায়গী মীৎয়েং মখাদা 'গৈরিকা' কৌবা চেফোঙ (পত্রিকা) অমা পুথোকখি।

'গেরিকা' মমিং অসি বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা থোনবিবনি হায়দুনা পল্লি। 'গেরিকা' অসি ১৯৫১খ্রিষ্টাব্দ ফাওবা মতম নাইদবা চেফোঙ অমা ওইনা পুথোকখিরম্মি। তৌবতবু গৈরিকা চেফোঙ অসিদা বাংলা অমসুং ইংরেজি লোনদা হেন্না চাকমা অইবশিংনা ইনরম্মি। মতমদুদা মখোয়গী মনুঙদা চাকমা কবি অমা অনিদি মমালোনদা শৈরেং ইবা হৌগৎখি। মখোয়গী মনুঙদা চুনীলাল দেওয়ানগী মমিং পনবা য়াই। অসুম্না বাংলা লোনগা লোয়ননা বাংলা ময়েক্কা চাকমা লোন্দা শৈরেং ইবগী অনৌবা ঈহৌ অমা মতম অদুদা লাকখি। অদুদগী ঙসিফাওবা অয়াম্বা চাকমা কবিশিংনা বাংলা ময়েক্কা চাকমা লোন্দা শৈরেং, ৱারেং অমদি ৱারীমচানচিংবা সাহিত্যগী লমদা চংশিনবা লেপত্রি। অদুবু মশাগী ময়েক তম্বা মশাগী ময়েক্কা ইবগী অনৌবা শাফু অমসু লাক্লে চাকমা সাহিত্যগী পুক্কেদা চহি খরসিদা, মপুঙ ফাবা হায়বদুমক্তি থোকত্রি ঙসিমক।

চাকমা শৈরেংগী মহাও খজিক্তং মণিপুরী লোনগী অপাবশিংদা য়ৌহননিংদুনা চাংয়েং ওইনা চাকমা কবি অহুমগী শৈরেং মখাদা থমজরে।

## কবি দীপংকর শ্রীজ্ঞান চাকমা

চাকমা আধুনিক সাহিত্যগী হৌগৎলকপা মতমগী শক্লাইরবা শৈরেংবা কবি অমনি। ১৯৪৯ ইংগী ডিসেম্বরগী তাং ৩০দা খাগড়াছড়িগী মহাজনপাড়া কৌবা খুনদা পোকখি। ঢাকা ইউনিভার্সিটিদগী ১৯৭৪ইংদা এমএ (ইংরেজি) লোইশল্লবা মতুঙ ঢাকাদা কলেজ অমদা খরনি ওজা ওইরম্লগা রাঙামাটি গণ. কলেজতা ওজা ওইদুনা চহি মরি মঙা লৈরম্লগা মপান লমদা থবক ফংদুনা মরমদম থাদোকখি। ইউরোপকী লৈবাক কয়াগী মফম কয়াদা থবক তৌদুনা লৈরুরবা মতুঙদা ইন্দিয়াদমুক চহী খরা লাইনিংদুনা লৈরম্মি। অদুগা ১৯৮৭ইংদা মশা ঙমদনা বাংলাদেশতা অমুক হল্লকতুনা ময়ুমদা লৈরম্মি। ১০ সেপ্টেম্বর ১৯৯৬ ইংদা মশাগী ময়ুমদা লৈখিদে। মহাক্কী ফোঙখিবা লাইরিক 'পাদারঙ কোচপানা' (মার্চ, ১৯৭৮ইং) অমসুং 'অন্তর্গত বৃষ্টিপাত' কৌবা শৈরেং লাইরিক অনী অসিনি।

## নুংশিবা অমসুং য়ু ঙাওবা

(কোচপানা মদখানা)

য়ু থকয়ু কাইদে, অদুবু য়ু না নঙবু থকহনগনু
নুংশিনবদি কায়দে অদুবু থম্মোয় পুন্নমক পিথোক্কনু
থম্মোয়না কায়খ্রবদা ৱাখল ঙাওবনি
য়ু না নঙবু থকখ্রবদা ঙাওদুনা লম্বীদা হাইথুবনি।

নুংশিনবা অমদি য়ু থকপা অমত্তনি অমত্তা
হেঞ্জনলুরবদি য়ুঙাওবা
হৌগৎপা ঙমদবনি।

নুংশিবদসু হেঞ্জনলুগনু
য়ু থকপদসু হেঞ্জনবিগনু
য়াম্নসু নত্তে লীক্লসু নত্তে,
থম্মোয় অদুতংদি পিখিগনু।

## নুংশিবা নঙগীতমক

(আয় আয় মরে চা)

লাও লাও চান্নবী ইনাক্তা ফম্মোরাও
য়েংলোরাও ঐগী মীৎস্না অনীসিদা
নঙ নত্তনা কনামতা লৈতবনি।

পায়দুনা য়েংলু ঐগী থম্মোয়
ঙাথরক্লু ঐগী থবাক অসিদা
নঙ নত্তনা কনামতা লৈতে
ঐগী পাক্লবা থম্মোয়সিদা।

# শিশির চাকমা

শিশির চাকমা (১৯৬০, রাঙ্গামাটি দিস্ট্রিক্ট) লাইরিক তম্লিঙৈদগী শৈরেং ইবা হৌরকখি। ১৯৮৮ ইংদা ঢাকা য়ুনিভার্সিটিদগী 'বাংলা ভাষা ও সাহিত্য'দা এমএ লোইশিনখি অমসুং হৌজিক হৌজিক রাঙ্গামাটিদা ওজা ওইদুনা লৈরি।

## নীলাম্বর গেংখুলী

(নীলাম্বর গেংখুলী)

শরুখক্তা ঙায়রবা, য়াঙ্গংলবা হকচাং, খুইজিল্লবা উন
থবাক্কী শরূ পুন্নমক চোংথোরক্লি
কংলবা খনাও-চরম, ঙৌশোক ঙৌরবা পিশুম, কুৎশিল্লবা মমিৎ অনী
ঙাংজুনরবা খজাইদুদা জগোয় শারি নুংশাগী মঙালনা
লেংজুমদা ফিখাও অমা ফতৎ ফতৎ
চৈশু অমগা শেক শেকতুনা কোইচৎ চৎলি, ইতিহাসগী সাক্ষী
নীলাম্বর গেংখুলী।

খুৎতা মহাক্কী নুংশিজরবা বেহালা
বেহালা অদুগী তিংলবা মরি ত্রৎ ত্রৎ
খুৎনা শোকপগা খোংলক্কনি কেঙ কেঙ কেঙ
অদুবু, বেহালাগী মরি খঙহৌদনা তৎখ্রবদা, মতৎ মতৎ
নীলাম্বর গেংখুলী কোইনা চৎলি, মদোমতা
রাঙাপান্যা রাঙামাতাগী কোইলাশ থাবা মুরবা লম্বীদা
চীনদা চাকপা লোইশিল্লকুবা বিড়ি মতেক অমা
মৈখুপুম্বা তিনখি অতিয়াদা পাইরিবা নোংলক্তা
তারকই নোং, চৈত্রগী শারবা নুংশা, উফুন মথক্তা
চেঙেই কাজলং ফেনী– মথং মথং
খুঙ্গং পুন্নমক কোইচৎ চৎতুনা ঈশৈ কয়া শকখি, রাধামন ধনপুদি পালাগী,
শকখি ঈশৈ চাদিগাং ছাড়া পালাদগী

ঙাওহনখি পাখং পুন্নীং
নূজা কয়াগী থম্মোয় হুরবা মহাক্কী নুংশিরবা সুর
নোংঙাল্লমদাইগী চোকথরবা হকচাংবু তেখৎহনখিবা মহাক্কী সুর
কদাইদা চৎখ্রে মহাক্কী নুংশিরবা খোঞ্জেল
কদাইদা মাঙখ্রগে নীলাম্বর গেংখুলীগী ঈশৈ।
নীলাম্বর গেংখুলী, কদাইদা।

## কবিতা চাকমা

কবিতা চাকমা (১৯৬৪, রাঙ্গামাটি দিস্ট্রিক্ট) মশাগী চহী ঙল্লিঙৈ মতমদগী শৈরেং ইবা হৌরকখি, ১৯৯২ইংদা অহানবা শৈরেং লাইরিক ফোঙখি। কবিতা চাকমা আর্কিটেক্ট অমনি (বাংলাদেশ য়্যুনিভার্সিটি ওফ ইঞ্জিনিয়ারিং এন্ড টেকনোলজি, ঢাকা) হৌজিক হৌজিক অস্ট্রেলিয়াগী সিদনি শহরদা লৈরি।

### করিগী থিংলোই, থিংবা তাই
(জ্বলি ন’ উধিম কিত্তেই)

করিগী থিংলোই, থিংবা তাই!
তৌনিংবতা তৌবা য়াব্রো
য়ুমফম পূন্নমক থুগাইবিরবা
শোংলবা উমং পূন্নমক মরুভূমি
অয়ুকপু নুমিদাং
চাবোকফবিবু অখুংবী, মচাপোকতবী
করিগী থিংলোই, থিংবা তাই!

তৌনিংবতা তৌবা য়াব্রো
ইশাগী পোক্লফম লমদা মীলোৎ ওইনা হিংবা
নুপীবু শরাক শান্নবিবা
পূন্নমকপু মীৎতাংবা ওলহনবা
পূন্নমকপু ফাজিন্দুনা থমবিবা।

থৌশাবিদবা, উশিৎপিদবগী পেন্দবা
হকচাংগী শিংলিপুম্বা ঙাঙলবা ঈগী ইরা
থুগাইগনি নমখাইগনি পন পূন্নমক, অথিংবা পূন্নমক
পুক্নিংগী সমদ্রুদা ফুমদুনা থমলি লাম্থেংনিংবগী মৈরী
–ঐগী হকতি ঐনা ঙাক্কদবনি
করিগী থিংলোই, থিংবা তাই!
থিংবা তাই!



CamScanner

## নোর্থ আমেরিকাদা মীতৈশিংনা খুন্দারকপগী শম্লপ্পা ৱারী

মালেমগী মফম কয়াদা চায়খাইদুনা লৈরিবা মীতৈশিংনা খুন্দারকপসি অহানবদা খা-এশিয়া অমদি খা-নোংপোক এশিয়াখক্তদা ওইনা তৌরম্মী, অদুবু গ্লোবালাইজেশন অমসুং ইমিগ্রেসন/মাইগ্রেসন গী মরম কয়াদগী মীতৈশিংসু এশিয়াদতা নত্তনা ইউরোপ-আমেরিকাগী লম কয়াদসু খুন্দারকপা হৌরকখি। মথং মথং কানাডা অমসুং আমেরিকাদসু মীতৈশিংগি মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকলি। অসিদা লৈরিবা অয়াম্বনা মণিপুর অমসুং বাংলাদেশতগী লাকপনি। আসাম-ত্রিপুরাদগী লাকপসু য়াওখিদবদি নত্তে, অদুবু থোইদোক্লা মশিং য়াম্লে হাইবদি য়াদ্রি। মমা লমদম থাদোকতুনা মপান লমদা চহি কয়া লৈরকলবসু মফমসিদা লৈরিবা মীতৈশিংনা হৌরকফম লমদম মণিপুরবুদি কৈদৌনুংদসু কাউখিদে, মীতৈ অমা ওইবগী নাৎ-কালচার ঙাকনা চৎনবা কন্না হোৎনরি। তৌববুদি মফমসিগী কল্লবা নোংচুপকি সংস্কৃতিদা লুপখিবা কয়াসু য়াওখিদবদি নত্তে। ৱারেং অসিদা বাংলাদেশ অমদি ইন্ডিয়াগী মফম কয়াদগী মীতৈশিংনা করম্না নোথ আমেরিকা হাইদুনা ময়াম্না খঙনরবা আমেরিকা অমসুং কানাডা কৌবা লৈবাক অনিসিদা খুন্দারকখিবগে হাইবদো শম্লপনা তমজগে। অদুগা লোইননা অসিদা লৈরিবা মীতৈশিংগী পুন্সি মহিং অমসুং আমেরিকাগী মেল্টিংপট কলচরগী শিংজু অসিদা মণিপুরী কলচরনা করম্বা ফ্লেভার অমা হাপচিনবা অমসুং কানাডাগী মখন মথেনগী মোজাইক কলচরদা মণিপুরী কলচরনা তোঙানবা মচু অমা, মশক অমা ওইনা হিংবা ঙম্বগে হায়বদুসু পাউদমজগে।

## বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা নোর্থ আমেরিকাদা খুন্দারকপা

বাংলাদেশকী মণিপুরিশিংনা লৈরিবা গ্রেটার সিলেট হাইরগা খঙনরিবা সিলেট ডিভিশনগী ডিষ্ট্রিক্ট মরিমক্তা (সিলেট সদর, মৌলভীবাজার, হবিগঞ্জ, সুনামগঞ্জ) লৈরিবা বাঙালী (ময়াং) অয়াম্বনা মপান লমদা চৎপগী হৈনবী অমা থাইনা মমাঙৈদগী লৈরকই। য়ুমলোন্নবা বাঙালিশিংগী মপান লমদা চৎলগা ইনাক কৈরাক খুনলকপা অমসুং মপানলমদমগী অৱাৎ-অপা লৈতবা পুন্সি অদু পামনরকপদগী মীতৈ নহারোলশিংগী মনুঙদসু মপানলমদা চৎপগী হোৎনবা হৌরকখি। বাংলাদেশনা নীংতম্বা ফংলবা মতুঙদা শেন পাইবা, ইনাক-কৈরাক খুনবা মীতৈশিংনা য়ুম থংনবা বাঙালীশিংগা খুৎশম্নদুনা মথং মথং মপানলমদা থোকপা হৌরকই। অহান্বদা মিডল-ইষ্ট হাইনা খঙনরিবা আরাবিয়ান কান্ট্রিশিং (আবুধাবী, কুয়েত, কাতার, ইউনাইটেড আরব এমিরাতকি দুবাই সিটি না চিংবা)গী সহর শিংদা শেন তান্বা থবক ইনখাং শুবা চৎপা হৌরকখি। অদুগা লোইননা এশিয়াগী সিঙ্গাপুর, থাইল্যান্ড, তাইওয়ান, মালয়েশিয়ানা চিংবা লমদম কয়াদসু চৎনরকলে। বাংলাদেশনা নীংতম্বা ফংলবা মতুঙদা মীতৈ নহারোল খরা ইউরোপ অমদি আমেরিকাদসু খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। মশিং পংয়াম য়ামদ্রবসু মখোয় খরদুগী মনুঙদা তরামুক্তি আমেরিকা অমসুং কানাডা য়ৌরকখি।

## আমেরিকাগী ডাইভারসিটি ইমিগ্রেন্ট ভিসা (ডিভি ভিসা) লটারীদা বাংলাদেশ য়াওরকখিবা

খৃঃ ১৯৯০দা আমেরিকান সরকারগী স্টেট ডিপার্টমেন্টনা শিন লাংদুনা আমেরিকাদা মশিং য়ামদবা কান্ট্রিশিংগি মী মশিং হেনগৎনবা ইমিগ্রেশন এন্ড নেশনেলিটি এক্ট (The Immigration and Nationality Act (INA), Section 131 of the Immigration Act of 1990 (Pub. L. 101-649) amendmend INA 203 to provide for a new class of immigrants known as "diversity immigrants" (DV Immigrants)) কৌবা অনৌবা এক্ট অমা লৌখৎখি। ময়াম্না মসিবু আমেরিকাদা লাকপা য়াবা 'গ্রীন কার্ড লটারী' হাইনসু খঙনখি। তশেংবদি লটারি মখন অমনি। হায়রিবা এক্ট অসিগি খুদোংচাবসি মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা পিবা নত্তে। অখন্নবা লৈবাক খরদা পিবনি। মদুদা বাংলাদেশসু চনখি। মতমদুদা খরা মমিৎ মনা শিংবা বাংলাদেশকি মীতৈমচাশিংসু হাইরিবা লটারী অসিগী ফোরম

(Form) মেল্লগা লটারী টিকেট ককপগুম এপ্লিকেশন তৌরুবদগী লাইবক ফবা খরদি হাইরিবা ডিভি ইমিগ্র্যান্টস ওইদুনা লাকপা মী'গী মশিং য়াঙ্খেমুক ফারে। হৌজিক অমুক ডিভি ভিসাগী খুদোংচাবদু বাংলাদেশকী সিটিজেনসিংদা ২০১৩দগী পিররোই হায়না লাউথোকখ্রে। মরমদি আমেরিকাগী সরকারনা কান্ট্রি অমদগী লিশিং ৫০ হেন্না লাকখিবা লৈরবদি মসিগী খুদোংচাবসি পীদে।

চহি মরি মঙা লৈরকলবা মতুঙদা আমেরিকাগী গ্রীন কার্ড হাইবদি পরমানেন্ট রেসিডেন্ট ফংলবা মতুঙদা আমেরিকাগী সিটিজেনমক ওইদ্রবসু লুহোংদুনা মহাক্কী লোইনবা-লোইনবি পুরকপা, মমা-মপা অমদি মচিন-মনাওসু পুরকপা য়াই। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা আমেরিকাদা লৈবা মীতৈ অয়াম্বনা নুপী-অঙাংশিং পুখৎনরকখি, মচিন-মনাওশিং পুখৎনরকখি। অহাম্বা লাকপা মতমদদি খরনি লৈরগা শেন খরা তানলগা মমালৈবাক বাংলাদেশতা চৎপগী ৱাখল তৌনরম্মী, অদুবু অসুম কুইনা লৈরকলবা তুংদা মচা মশুশিংনা চাওশল্লকপা, মচিন-মনাও ময়াম লাক্লবা তুংদদি অমুক হন্বগী ৱাখলদো থাদোক্লরক্লে। মচা-মশুশিংগী লাইরিক লাইসু তম্বা, মপ্পা-ময়াম্বা, মচে-মচলশিংগী তুংগী য়াইফরবা পুন্সি খন্থদুনা অসুম আমেরিকাদা লৈথনরকনবা হোৎনরক্লে। হৌজিক্তি করিগুম্বা চহি অমা অনিগী মতুংদা কোইবা চৎপা নত্তনা বাংলাদেশতমুক হনবগী ৱাখলসে থাদোকনরে। আমেরিকান মণিপুরী নত্রগা কানাডিয়ান মণিপুরী অমা ওইনা হিংবনা পাম্নরক্লে। মদুগী খুদমসু ঐখোয়না উবা ফংঙি। মফমসিদা মশাগী য়ুম লৈনরকপা, ললোন-ইতিক তৌদুনা সম্পত্তি শাগৎনরকপা, মচা-মশু থাজবগী থৌরম অসিদা পাংথোকনরকপা, সোসাইটি-সমিতি-সংস্থান কয়া লিঙ্খৎতুনা মীতৈ লৈপাক অমা, মীতৈ খুল অমা তাবগুম লৈনবা হোৎনরকপা-নচিংবা পনবা য়াই। মসি মচামশুগী তুংগী য়েংদুনা তৌনরকপনি হায়বা য়াই।

## মণিপুর অমদি ইন্ডিয়া'গী মফম অতৈদগী মীতৈশিংনা নোর্থ আমেরিকাদা খুন্দারকপা

ইন্ডিয়ানশিংনা আমেরিকা অমসুং ইউরোপতা লাকখিবদি মরু ওইনা সাব-কন্টিনেন্ট অসি ব্রিটিশ লৈঙাকলোনগী মখাদা ব্রিটিশ-ইন্ডিয়া ওইনা লৈরিঙৈদনা হৌরকখ্রবনি। লাইরিক লাইসু তম্বা, ললোনবা লাকপা অমসুং থবক ইনখাং

তৌবনা মরমদম থাদোরকপগী মরু ওইবা মরম ওইরবসু ইন্ডিয়া'না ইন্ডিপেন্ডেন্ট ফংলবা মতুঙদা ইরাং কনবা মফমশিংদগী (পলিটিকেল টেনশন, ইনসারজেন্সি লৈবা, ইন্ডিয়ান আর্মিনা ওৎ নৈবা) থৱাই হিংনবা চেনলকখিবা কয়াসু য়াওরকখি। লাইরিক তম্বা চৎখ্রগা হল্লকতবা, থবক্কী (জব অফার ফংদুনা) ওইনা খরনিগী লাকপদগী হনখিদবগী মশিংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। মখোয় অয়াম্বনা আমেরিকা-কানাডাগী সিটিজেনসিপ লৌদুনা নত্রগা পরমানেন্ট রেসিডেন্ট ওইদুনা মফমসিদা য়ুম লৈদুনা, লল্লোন ইতিক তৌদুনা, মচামশু য়োক্তুনা তং তানা লৈবতা নত্তনা মফমসিগী পোলিটিকেল পার্টি কয়াদা শরুক য়াদুনা আমেরিকা-কানাডাগী ইলেকশন্দা ভোট কাদুনা পার্লামেন্টকী মেম্বর ওইবা, মিনিষ্টার ওইবা ফাওবা য়াওনরক্লে। ইন্ডিয়াদা মখোয়বু সুপ্না এনআরআই (নন রেসিডেন্ট ইন্ডিয়ান) হাইনা খঙনরে। ঙসি ইন্ডিয়াবু মপানলমদা শক তাকপদা মখোয়না অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। অদুতা নত্তনা ইন্ডিয়াগী ঙসিগী ওইরকলিবা ফিভম অসি শেম্বদসু অচৌবা রোল অমা প্লে তৌরি। ইন্ডিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীতৈশিংসু অসিগী ইহৌ অসিদা শরুক য়ারকখি। মরু ওইনা মণিপুরগী অঙনবা মতমগী (১৯৫০-৭০ খৃ:) মহৈরোয় খরা ইউরোপ আমেরিকাদা লাইরিক তম্বা ছাত্রমচা অমা ওইনা খোংশান্নরকখিবতা নত্তনা মশা মশাগী প্রোফেশন্দা মায় পাকতুনা আমেরিকা-কানাডাগী সংস্থান কয়াদা থবক তৌবা-ইউনিভার্সিটি কয়াদা ওজা ওইদুনসু লাকখিবা য়াওরকখি। খরমনা লাইরিক তম্বা, থবক তৌবা লোইরবা তুংদা হনখি, খরমনা লৈথহৌই। আমেরিকা অমসুং কানাডা লৈবাক অনিমক্তা লাইরিক তম্বা অমসুং থবক তৌবা ফোরেনারশিংবু পার্মানেন্ট রেসিডেন্ট অমা ওইনা অহাম্বদা লৈরগা তুংদা আমেরিকান অমসুং কানাডিয়ান সিটিজেনশিপ পিবগী সিস্টেম অমসু থম্মি। মশিং য়াম্দ্রবসু মীতৈমচা খরনা মসিগী খুদোংচাবা লৌরদুনা আমেরিকা অমদি কানাডাগী সিটি খরদা চোইজাইননা য়ুম অমা-অনি তৌনা আমেরিকান মণিপুরী অমদি কানাডিয়ান মণিপুরী'গী আইডেনটিটিদা শকতাক্তুনা লৈরম্মী। মীতৈশিংনা লৈরিবা সিটিশিংদুগী মনুঙদা আমেরিকাগী নিয়ুইয়র্ক সিটি, নিউজার্সি, ওয়াশিংটন ডিসি, ওহাইও, ফ্লোরিডা, লস এঞ্জেলস, বোষ্টন অমদি কানাডাগী টরোন্টো, মোন্ট্রিয়ল, মেরিল্যান্ড, ক্যালগারী সিটিশিংগী মিং পনবা য়াই।

তৌবতবু হাইরিবা সিটিশিংসি নত্তনা অতৈ মফম কয়াদসু লৈরমগনি, ঐনা খরা থিজনবদা ফংবা খক্তনি অসিদা থমজরিবসে।

## মণিপুর মপান্দা লাইরিক তম্নবগী ট্রেন্ড অমসুং নোর্থ আমেরিকাদা ইমিগ্র্যান্ট ওইবগী ঈহৌ অমা

১৯৯০খৃঃ গী মখাদা কানাডা অমসুং আমেরিকাগী ইউনিভার্সিটিশিংদা ইন্ডিয়াদগী লাকপা মীতৈশিংগী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মসিগী মরম করিনো হাইনা থিগৎলুবদা মণিপুরদগী লাকপা অখং অহৈশিংনা মরম খরা পুথোরকই। মণিপুরদা নোংমা নোংমগী ঈরাং কনখৎলকপদগী ১৯৮০খৃঃ গী মতুঙদা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা মণিপুর থাদোক্তুনা ইন্ডিয়াগী অতৈ মফমশিংদা লাইরিক তম্বা হৌরকখিবা অসিসু চাওরবা মরম অমনি। মথংদা মণিপুর মপান্দা লাইরিক তম্বা মহৈরোয়শিংগী মনুঙদগী মমিৎ মনা শিংবা অমদি শেন পাইবা ইমুঙগী মীতৈমচা খরা ইন্ডিয়াগী অতৈ মফমদগী লাকপশিংদগী পোথি-পোরম খঙলক্লবা মতুঙদা আমেরিকা অমদি কানাডাগী ইউনিভার্সিটিশিংদা লাইরিক তম্বা লাকখিবা হৌরকখি। মমাংঙৈদা লাকখিবা মীতৈশিংদগীসু পুকচেল চাওবা কয়ামনা তুংগী মহৈরোয়শিংবু পোথি পোরম কয়া তাক্তুনা নোর্থ আমেরিকাদা লাক্লবা কন্না হোৎনবিখি। চৈরক অসিদা ইন্ডিয়াগী আইটি (ইনফরমেশন টেকনোলজি) সেক্টরদা তম্বা মহৈরোয়শিং মালেমগী মফম অতৈদা থবক তৌবগী খুদোং চাবা কয়া ফংনরকখি। আমেরিকা অমসুং কানাডাগী কোম্পানীশিংদসু আইটি স্পেশিয়েলিষ্টকী দিমান্ড য়াম্না লৈরকলবদা ইন্ডিয়াদগী আইটি সেক্টরদা তম্লকপা মহৈরোয়শিংনা মদুগী খুদোং চাবদু লৌদুনা ৱার্ক পারমিট ভিসা নত্রগা স্কিল ক্যাটাগরিদা ইমিগ্র্যান্ট ওইদুনা নোর্থ আমেরিকাগী সিটি কয়াদা খোঙশানলকখি। অসিগী মহেসে আইটি সেক্টরদা তম্লিবা মীতৈ মহৈরোয়শিংদসু ফংখি। ঙসিদি আমেরিকা অমদি কানাডাগী অয়াম্বা সিটিশিংদা লৈরিবা আইটি স্পেশিয়েলিষ্টশিংগী মনুঙদা মীতৈমচা অমা-অনিদি শোয়দনা য়াওরবনি। হিরম অসিদা মীতৈ নহারোলগী মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকলি। আইটি সেক্টর নত্তবা অতৈ শিনফমদসু অথোই অহেন্বা মীতৈ মহৈরোয় খরা ইন্ডিয়া থাদোক্তুনা আমেরিকা অমসুং কানাডাগী সংস্থান (মাল্টিনেশন্যাল কোম্পানী, রিসার্চ ইন্সটিটিউট, ইন্ডিয়াগী কোম্পানী) কয়াদা থবক ফংদুনা অমসুং ইউনিভার্সিটি

কয়াদসু ওজা ওইবা-রিসার্চ ফেলো/এসোসিয়েট ওইনা লাক্লবসু য়াম্না য়াওরে। আমেরিকাগী ইমিগ্রেশন এন্ড নেশনেলিটি এক্টকি মনুঙ চনবা স্কিল্ড ৱার্কারগী (Highly Skilled Migrant Workers, H-1B Visa) ভিসা ফংদুনা লাকপা ফোরেন স্কিল্ড ৱার্কার পূন্নমক চহি তরুক লৈথবা য়াবতা নত্তনা আমেরিকাদা পুন্সি চুপ্পা লৈবা য়াবগী গ্রীনকার্ড পিদুনা পারমানেন্ট রেসিডেন্ট ওইহনবা অমসুং মশানা পামজরগা আমেরিকাগী সিটিজেনসু ওইবা য়াবগী খুদোং চাব লৈ। সিস্টেম অসি কানাডাদসু লৈবতা নত্তনা খরা হেন্নদুম লায়থোকহল্লি। মসিগী খুদোং চাব লৌরদুনা থবক ফংদুনা লাকপা অমদি ওজা ওইদুনা লাকপশিং নোর্থ-আমেরিকাগী সিটিশিংদা লম লৈদুনা য়ুম-কৈ শাদুনা নুপি অঙাং পুরকতুনা তংদো তাদুনা অসুম লৈথনরকপগী মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকলি। লাইরিক তম্বা লাকপা নত্রগা থবক ফংদুনা লাকপা নত্তবা ইন্ডিয়াগী মফম কয়াদা থবক তৌরম্বদগী ইমিগ্র্যান্ট ওইদুনা আমেরিকা-কানাডাদা লাকখিবা মীতৈ ফেমিলি খরসু লৈরি। মরু ওইনা কানাডাদা মপান লমদগী প্রোফেশনাল অমদি বিজনেসম্যান ক্যাটাগরিদা ইমিগ্র্যান্ট ওইদুনা লাকপা য়াবগী খুদোং চাব য়াম্না লৈ। মরু ওইনা ইমিগ্র্যান্টশিংনা শেমগৎপা লৈবাক অমা ওইরুবনা হৌজিকসু কানাডাগী ইকোনোমি চাওখৎনবা হোৎনবগীদমক মপান লমদগী মখল মথেলগী প্রোফেশন্যাল লৌশনবা তোক্তে। মণিপুরদা লৈবা নুঙাইরক্তবা অমদি মপানলমদা লাকপগী খুদোংচাবা লৈরে খঙনরকপদগী খৃ: ১৯৯০ তুংদা চহিগী মণিপুর অমদি অতৈ মফমদগী মীতৈ ফেমিলি মথং মথং অমম-অনি তৌনা কানাডাগী সিটিশিংদা ইমিগ্র্যান্ট ওইদুনা য়ুম হোংদুনা লাকপা তোকতে। মণিপুরনা ইরাং কংখৎপগী মতিক অমসুং ইন্ডিয়াগী অতৈ মফমদা নোর্থ-ইষ্টতগী লাকপা জাতিসিংবু হন্থনা য়েংবগী মরম অমা লৈবনসু ইন্ডিয়া থাদোক্তুনা মীতৈ ফেমিলীশিংনা নোর্থ আমেরিকাদা য়ুম হোংঙকপগী মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখিবনি। আমেরিকা অমসুং কানাডাদা মপান লমদগী লাকপা ইমিগ্র্যান্টশিংগী মনুঙদা অতোপ্পা মখল অমনা কোইবা লাকপা (ভিজিট ভিসা, ট্যুরিষ্ট ভিসাদা লাকপা), শান্নবা লাকপা (স্পোর্টস কী মখল মথেলগী ইভেন্টস অলিম্পিক গেম য়াওনা), কলচরেল টিমদা লাকপা (জগোই ইশৈগী টিম দা য়াওরকপা, ড্রামা-থিয়েটরগী টিমদা য়াওরকপা) অমদি মশা মশাগী থবক্কী লাকপদগী অসুম লৈথহৌবা কাঙবু অমসু লৈরি। অদুগা লোয়নননা থংনবা

লৈবাকতগী লোন্না চংশিল্লকপসু য়াওরি। খুদম ওইনা মেক্সিকোদগী আমেরিকাদা চংশিল্লকপা, মথংদা আমেরিকাদগী কানাডাদা চংশিল্লকপা। মখোয়বু সুপ্পা অসিদা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্ট হাইনা খঙনৈ। অসুম্না লৈথহৌবা নত্রগা অতোপ্পা লৈবাক্তগী চংঙকপশিংবু তুংদা কানাডা অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিমক্তা রিফ্যুজি বোর্ড (Immigration and Refugee Board of Canada (IRB)) তা মরমদম মমালৈবাক্তা লৈবা য়াদবগী মরম খঙহন্দুনা এপ্লিকেশন তৌরবা তুংদা হাইরিবা বোর্ড অসিগী মরি লৈনবা অথরিটিশিংনা থিগৎলবা তুংদা লাইবক ফদুনা রিফ্যুজি স্টেটাস ফংদুনা পুন্সি চুপ্পা লৈবা য়াবগী খুদোং চাবা পিবসু য়াওই। আমেরিকাদসু রিফ্যুজি অমা ওইনা লৈথবা য়াবা অমদি লাকপা য়াবগী তোঙানবা স্টেট ডিপার্টমেন্টকী ওথরিটিশিং (Department of State/Population, Refugees and Migration (PRM), U.S. Refugee Admissions Program (USRAP), U.S. Department of Homeland Security) লৈরি। মখোয়না মুন্না থিগৎলবা মতুংদা অয়াবা পিরকপা য়াওই। তৌবতবু আমেরিকাদনা খরা চেকশিল্লে। মতম য়াম্না চংঙি, লূপা য়াম্না মথৌ তারকই। কানাডাসু খৃ: ২০১০ মখাদগী চেকশিল্লে। য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লে। হাইরিবা মওংসিদা বাংলাদেশ অমসুং ইন্ডিয়াগী মফম কয়াদগী লাকপা মীতৈ শান্নরোই (Sportsman), কলাকার (থাং-তা তৌবা, জগোই-ইশৈগী আর্টিস্ট) খরা লৈথহৌবা য়াওই। মশিংদি য়ামদে। খরা লৈরগা হনখিবসু লৈরি। মখোয়দুগী মনুঙদা মরাইবক ফবা অমা-অনিনা কানাডা-আমেরিকাগী সিটিজেনসিপ ফংদুনা নিংথিনা লৈবসু য়াওরি।

## নোর্থ আমেরিকাদা মণিপুরী সংস্থান অমসুং মীতৈশিংগী নুংতিগী পুন্সি

মথক্তা পনজখিবা কয়াসিনা মরম ওইদুনা কানাডা অমসুং আমেরিকাদা মীতৈশিংগী মশিং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা মীতৈগী ওইবা হরাও-কুমৈনা চিংবা থৌরম কয়াসু চহিগী পাংথোকনরক্লে। খৃ: ১৯৯০গী মমাঙ ফাওবদি সিটি অমদা মীতৈ অমা-অনিদগী হেন্না লৈরমদবনা অপুন্বা থৌরম কয়া পাংথোকনবা ঙমমদে। মথংদা আমেরিকা অমসুং কানাডাগী সিটি খরদা মীতৈমচাশিংনা তুংশিন্না লৈনরকলবা তুংদা মণিপুরীগী ওইবা সংস্থান কয়াসু লিংখৎনরকখি। সংস্থানশিংদুগী মরক্তা হৌজিকসু লেপ্তনা থবক পাইখৎলিবশিংগী মনুঙদা 'নোর্থ আমেরিকান মণিপুর এসোসিয়েশন (NAMA/নামা),

'ইন্টারন্যাশনাল মণিপুরী এসোসিয়েশন (IMA/ইমা), নোর্থ আমেরিকান বাংলাদেশী মণিপুরী এসোসিয়েশন' অমসুং 'মণিপুরী এসোসিয়েশন ওফ কানাডা' (MAC/ম্যাক)গী মিং পম্বা য়াই। লূপশিং অসিগী থৌপুবশিংনা শিন-লাংদুনা চহিগী অমুক অনিরক মণিপুরীশিং পুন্নবা থৌদাং-থৌরম কয়া লৌখৎলি। খুদম ওইনা হাইরবদা নিঙোল চাকৌবা, সামারগী মতমদা পিকনিক ওইনা ময়াম পুনদুনা চাকচামিন্নবা, শজিবু চৈরাওবা পাংথোকপা, নিউ ইয়ার নুমিত্তা ময়াম য়ুম অমদা পুন্দুনা অনৌবা চহিগী হরাওবদা ময়াম শরুক য়ামিন্নবা অমদি সংস্থানসিংগী চহিগী কনভেনশনদা ময়াম পুনদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফমগা লোইননা কালচারেল প্রোগ্রাম য়াওনা থৌরম পাংথোকপা। হাইরিবা মণিপুরী সংস্থানশিংগী চাওখৎ থৌরাংগা লোয়ননা মীতৈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরগী প্রজাশিংগী অৱা-নুঙাইগী থৌরম কয়াদসু শরুক য়াখি অমসুং বাংলাদেশতা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী চাওখৎ থৌরাং কয়াদসু শরুক য়ারি।

আমেরিকাগী ন্যুয়র্কসিটি, কানাডাগী মোন্ত্রিয়াল অমসুং টরোন্টো সিটিদনি মীতৈ য়ুম্নাক খরা য়াম্না তারিবসে। বাংলাদেশতগী আমেরিকাদা লাকপা অয়াম্বা মীতৈশিংনা খুন্দারিবনা ন্যুয়র্কসিটিদা ওইনা তৌরে। মণিপুরদগীসু য়াম্লে। কানাডাগী টরোন্টো সিটিদনা মণিপুরদগী লাকপনা অয়াম্বনি। অদুগা মোন্ত্রিয়লদনা বাংলাদেশতগী লাকপনা য়াম্মি, আসাম-মণিপুরগী অমা-অনিসু য়াওদবদি নত্তে। হাইরিবা সিটি অহুম্মকসিদা বাংলাদেশ অমদি ইন্ডিয়াদগী লাকপা ইমিগ্র্যান্টকী মশিংসু য়াম্মী। ন্যুয়র্কসিটিগী মফম খরদি বাংলাদেশ-ইন্ডিয়াগী সহরগুম বাংলানা-হিন্দিনা দুকানসিংগী মমিং থোন্দুনা মখোয়গী হৈনবা পোৎচৈ য়োন্দুনা মখোয়গী 'পাড়া' হাইবদি লৈরক-লৈকাইগুম খুন্দানরক্লে। মীতৈশিংসু হায়রিবা বাংলাদেশ অমদি ইন্ডিয়াদগী লাকপসিংগা য়ুম্লোন্নদুনা লৈনবা হোৎনৈ। তৌববুদি অমা অনিসু নাইতোম লৈতবদি নত্তে। বাংলাদেশতগী লাকপশিংনা বাঙালীশিংগসু অসুম তোৎনা তিন্ননা লৈনবা হোৎনৈ অসিদসু। থোইদোকপা মপান লমনি হাইবগী নুঙাইতবা-হৈনদবা কয়া য়াওনদে। হিন্দুশিংগী পূজাদা লাই খুরম্বা চৎপদগী হৌরদুনা বাংলাদেশকী লূপশিংনা শিনবা থৌরম কয়াদসু অসুম য়াওশিল্লি। মাল্টিকলচর শৌগৎপা ওইনা সিটিশিংদুগী মরি লৈনবা অথোরিটিশিংনা সাউথ এশিয়ান কলচরেল ফেষ্টিভেলনা চিংবা থৌরম

কয়াসু শিনলি অমসুং ইন্ডিয়া-বাংলাদেশতগী লাকপা ইমিগ্র্যান্টশিংনা শিন লাংদুনা বাংলাদেশ-ইন্ডিয়াদগী অফাওবা কলাকার পুথরকতুনসু কলচারেল ফাংশন কয়া পাংথোকই। অসিগুম্বা থৌরম কয়াদা মীতৈ কলাকার শিংনা শরুক য়াদুনা মীতৈগী ওইবা ঈশৈ-জগোই উৎতুনা তিল্লবা ভাবোকশিংগী থম্মোয় পেলহল্লি। মরক মরক্তা ইসকোন (International Society For Krishna Consciousness) গী মন্দির অমদি হিন্দুশিংগী মন্দিরদা চৎতুনা লাই খুরম্বগা লোয়ননা ঈশ্বরগী প্রসাদি ফংনা লাকই। তশেংনা হায়রবদা অসিদসু তোঙানবা মওং অমদা মীতৈশিংনা মরমদমদা চৎনরকপা নাৎ-কলচরদো মপুঙ ফানা শরুক য়াবা ফংজদ্রগসু খরা মখৈদি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনৈ। তৌবতবু মথংগী জেনারেশন হাইবদু মচা মগুশিংদি অসিগুম্বা মশা মশাগী কলচরদা থৱাই য়াওগন্দে, লমদমসিগী কলচারদা হেন্না চুশন্নখি। অদুনা অতোপ্পা হিরম অমনি। নৌনা লাকপা ইমিগ্র্যান্টশিংনা থেংনদ্রবা য়াদ্রবা চ্যালেঞ্জ মখল অমনি।

নোর্থ আমেরিকাগী অতৈ সিটিদদি য়ুম্নাক অহুম মরিদগী হেন্না পুন্না লৈতবনা মীতৈগী'তা ওইবা তোঙানবা থৌদাং থৌরম লৌখৎপা খরা ৱানা থোকই। অদুবু হৌজিক হৌজিক আমেরিকা অমদি কানাডাগী অতৈ সিটিশিংদসু চাং নাইনা নিঙোল চাকৌবা, শজিবু চৈরাওবা তৌরে হাইবগী পাও থেংনরে। ইনফোরমেশন টেকনোলজি চাওখৎলকপগী মরম ওইদুনা লাপ্পা লৈনরবসু ই-পাও ফাওনবগী, ৱারী শান্নবগী খুদোং চাবদি য়াম্না ফংলে। অদুনা মশা মশানা পামজবা হিরমদা নৈনবা, পাউ ফাওনবদা জিওগ্রাফিকেল ডিসটেন্সনা থোইদোকপা অপনবা পিবা ঙমদ্রে। মথকতা পনজখিবা সংস্থানশিংগী থৌপুবা নত্রগা এক্টিভিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা সিটিদা লৈনরবসু ভিডিও কনফারেন্স, টেলি-কনফারেন্সনচিংবা অনৌবা টেকনোলজিগী পাম্বৈ শিজিন্নরগা পুন্না ময়াম মাঙগা মাঙগা ফম্মিন্নবদৌনা ৱারী শান্নবা য়ারে, ৱারেপ লৌবা য়াবগী খুদোং চাবা অদুম ফংলে। মফমসিদা লৈরিবা ময়ামগী য়াইফবা পুন্সি অমগী খন্ন-নৈনবতা নত্তনা মণিপুরীগী ওইবা হিরম কয়াদসু খন্ন নৈনবা হৌরকলে। লোয়ন-লোয়ননা থবক ওইনসু খরা-খরা পাইখৎপা হৌরকলে। মরম অদুনা লাপ্পা তোঙান তোঙানবা সহরদা লৈনরবসু নোর্থ আমেরিকাদা মণিপুরীগী তোঙানবা

কয়াসু শিনলি অমসুং ইন্ডিয়া-বাংলাদেশতগী লাকপা ইমিগ্র্যান্টশিংনা শিন লাংদুনা বাংলাদেশ-ইন্ডিয়াদগী অফাওবা কলাকার পুথরকতুনসু কলচারেল ফাংশন কয়া পাংথোকই। অসিগুম্বা থৌরম কয়াদা মীতৈ কলাকার শিংনা শরুক য়াদুনা মীতৈগী ওইবা ঈশৈ-জগোই উৎতুনা তিল্লবা ভাবোকশিংগী থম্মোয় পেলহল্লি। মরক মরক্তা ইসকোন (International Society For Krishna Consciousness) গী মন্দির অমদি হিন্দুশিংগী মন্দিরদা চৎতুনা লাই খুরম্বগা লোয়ননা ঈশ্বরগী প্রসাদি ফংনা লাকই। তশেংনা হায়রবদা অসিদসু তোঙানবা মওং অমদা মীতৈশিংনা মরমদমদা চৎনরকপা নাৎ-কলচরদো মপুঙ ফানা শরুক য়াবা ফংজদ্রগসু খরা মখৈদি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনৈ। তৌবতবু মথংগী জেনারেশন হাইবদু মচা মশুশিংদি অসিগুম্বা মশা মশাগী কলচরদা থৱাই য়াওগন্দে, লমদমসিগী কলচারদা হেন্না চুশন্নখি। অদুনা অতোপ্পা হিরম অমনি। নৌনা লাকপা ইমিগ্র্যান্টশিংনা থেংনদ্রবা য়াদ্রবা চ্যালেঞ্জ মখল অমনি।

নোর্থ আমেরিকাগী অতৈ সিটিদদি য়ুম্নাক অহুম মরিদগী হেন্না পুন্না লৈতবনা মীতৈগী'তা ওইবা তোঙানবা থৌদাং থৌরম লৌখৎপা খরা ৱানা থোকই। অদুবু হৌজিক হৌজিক আমেরিকা অমদি কানাডাগী অতৈ সিটিশিংদসু চাং নাইনা নিঙোল চাকৌবা, শজিবু চৈরাওবা তৌরে হাইবগী পাও থেংনরে। ইনফোরমেশন টেকনোলজি চাওখৎলকপগী মরম ওইদুনা লাপ্না লৈনরবসু ই-পাও ফাওনবগী, ৱারী শান্নবগী খুদোং চাবদি য়াম্না ফংলে। অদুনা মশা মশানা পামজবা হিরমদা নৈনবা, পাউ ফাওনবদা জিওগ্রাফিকেল ডিসটেন্সনা থোইদোকপা অপনবা পিবা ঙমদ্রে। মথকতা পনজখিবা সংস্থানশিংগী থৌপুবা নত্রগা এক্টিভিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা সিটিদা লৈনরবসু ভিডিও কনফারেন্স, টেলি-কনফারেন্সনচিংবা অনৌবা টেকনোলজিগী পাম্বৈ শিজিন্নরগা পুন্না ময়াম মাঙগা মাঙগা ফম্মিন্নবদৌনা ৱারী শান্নবা য়ারে, ৱারেপ লৌবা য়াবগী খুদোং চাবা অদুম ফংলে। মফমসিদা লৈরিবা ময়ামগী য়াইফবা পুন্সি অমগী খন্ন-নৈনবতা নত্তনা মণিপুরীগী ওইবা হিরম কয়াদসু খন্ন নৈনবা হৌরকলে। লোয়ন-লোয়ননা থবক ওইনসু খরা-খরা পাইখৎপা হৌরকলে। মরম অদুনা লাপ্না তোঙান তোঙানবা সহরদা লৈনরবসু নোর্থ আমেরিকাদা মণিপুরীগী তোঙানবা

আইডেনটিটি ঙাকতুনা লৈবতা নত্তনা মালেমগী থাক্তা মণিপুরী জাতিগী চাওখৎ খোঙথাংদা অনৌবা ইনোৎ অমসু পিবা ঙম্লবনি।

**নোর্থ আমেরিকাদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা প্রভিন্স অমদি ষ্টেটশিংগী মীং খরা–**

মীতৈ লৈবা কানাডাগী প্রভিন্সশিংগী মীং– ক্যুইবেক (Quebec), অন্টারিও (Ontario), আলবার্টা (Alberta), সাসকাচ্যুয়ান (Saskachwan), মেনিটোবা (Manitoba)।

মীতৈ লৈবা আমেরিকাগী প্রভিন্সশিংগী মীং– নিউ ইয়র্ক (New York), ওয়াশিংটন (Washington), মেরিল্যান্ড (Meriland), পেনসিলভেনিয়া (Pennsylvania), ফ্লোরিডা (Florida), নিউজার্সি (New Jersey), ক্যালিফোর্নিয়া (California), ওহাইও (Ohio), এরিজোনা (Arizona), ম্যাসাচুসেটস (Massachusetts), মিশিগান (Michigan), ম্যারিল্যান্ড (Maryland)।

অসিদা পঞ্জরিবা স্টেটশিংতা নত্তনা অতৈ মফম কয়াদসু মীতৈমচা কয়াসু লৈনরমগনি খল্লি।

*সোর্স: ইন্টারনেট অমসুং আমেরিকা-কানাডাদা লৈরিবা মরুপ মপাংশিংদগী ইনফোরমেশন কালেক্ট তৌজবনি।*

# ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী নিংশিংব্রারী অমসুং ফাইন্ডিং দ্য ভয়েসকী থৌরম

ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগা শকখংনখিবসি ওনলাইন প্লাটফোর্ম ওইরিবা 'ফাইন্ডিং দ্য ভয়েস' কৌবা সোশ্যাল মিডিয়াদা শন্দোকপা মীতৈলোনগী খোরিরোলগী থৌরমদা ভার্চুয়াল ওইননি। ঐনদি ইমা হায়না কৌজে। বাংলাদেশতা পোকলকপা, চাওরকপনা ইমালোনগী লাইরিক য়াম্না পাবা ফংলকখিদে, মীতৈলোনগী চেফোং অমদি শৈরেং-ৱারেং তাবা ফংজখিদে, অদুগীসু মথক্তা মপান লমদা লৈরুরবা কৌবনা ইমালোনগী খোরিরোলগা নোংমা নোংমাগী থাপতোকনরকখি। টেকনোলোজিনা চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না লাইবক ফবা হায়ববু ইন্টারনেটকী খুখাংদগী ওনলাইনদা ইমালোনগী লাইরিক, চেফোং, ন্যুজপেপারদা খোরিরোলগী লামায় পাবা-য়েংবা হৌজখি, অদুগা লোয়ননা ফেশবুক-ইউটিউব না চিংবা সোশ্যাল মিডিয়া প্লাটফর্মদা থেংনবা ইমালোনগী থৌরম কয়াসু পুক্লিং চংনা য়েংজখি, তাজখি। অসিগুম্বরা মতম অসিদনি 'ফাইন্ডিং দ্য ভয়েস' অমদি ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী প্রোগ্রাম য়েংবা-তাবা হৌজরকখিবসি। মপান লমদা লৈরুরবগী হৌনবী মীতৈলোনগী লাইরিক মরাংকাইনা পাবা ফংদবা অমরোমদনা মীতৈলোনগী খোরিরোলদা ঙাওজবা ঐঙোন্দা ওজাগী ওনলাইনদা শন্দোকপা লাইরিক পাবগী থৌরম অসিনা ঐগী ভার্চুয়াল মালেমদা অনৌবা থোংনাউ অমা হাংদোকপিখি। থৌরম অসিনা মরম ওইদুনা মথং মথং অরি-অনৌবা মীতৈলোনগী সাহিত্যকার/খোরিলাংবা কয়াগা ঐগা শকখংনরকখি। ঐগী খোরিরোলগী পুন্সীদা অনৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পিখি।

'ফাইন্ডিং দ্য ভয়েস' কৌবা ওনলাইন প্লাটফোর্ম অসি আমেরিকাগী মেরিল্যান্ডদা লৈবা মণিপুরগী মীতৈ নিঙোল মোনিকা ইঙুদমনা হৌদোকপনি। ওয়েবসাইট অসিগী মরমদা ফাউন্ডার ওইরিবা মোনিকানা অসুম্না পল্লি–

"... Finding The Voices with the vision to inspire, empower, educate, spread love and peace in her birthplace Manipur. Her heart to heart conversations increased the knowledge of who is who connecting people at a deeper level giving hope, inspiration to rising above the conflict (2012). [...]

Finding Yourself for High Achievers offering personal growth development workshops boosting confidence in bringing out the high achiever, the best version in self (2019), and currently hosting weekend talk-shows, Meiteilol Bookclub, People Of Manipur, 1001Thagatchari, People Of The World."

মপান লমদা লৈরবসু মরমদম মণিপুরবু নিংশিংবা, মণিপুরগী অথোই অহেনশিংবু ইন্টারভিয়্যু তৌদুনা ময়ামদা শকতাকপা-থৌগৎপিবা, লৈবাক্কী-খুন্নাইগী থৌরম কয়াদা শরুক য়াবা অমদি মতেং পাংদুনা লূপ কয়াবুসু শৌগৎপিরি। অমরোমদনা মীতৈলোনগী খোরিরোলবু চাওখৎনবা য়োকখৎনবা থাংজ নুমীৎ খুদিংগী 'মীতৈলোল বুক ক্লাব' তুংদা 'মণিপুরী লাইব্রেরী' মীংথোনদা মীতৈলোনগী অইবা অইবীশিংনা ইথোকপা লাইরিক, চেফোং অমদি পাউ-চে'দগী শৈরেং, ৱারেং অমদি ৱারীমচা পাথোকপগী থৌরম ঙসিসু তৎতনা পাংথোকলি। হায়রিবা সাহিত্যগী থৌরম অসি মোনিকা ইঙুদমনা হোস্ট ওইরগা পোকপিবা মমা ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামনা পাথোকতুনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা সোশ্যাল মিডিয়াদা মরু ওইনা Facebook অমদি You Tube তা শন্দোকপিবনি। খ্বাইদগী নুঙাইজবা অমসুং থাগৎনিঙাই ওইরিবদি, থৌরম অসিদা মচানুপি মনিকানা আমেরিকাদা লৈরগা মমা ওইরিবা ওজা সরোজ নলিনিনা অয়াম্বা মতমদা ইন্ডিয়াগী দিল্লী নত্রগা ইম্ফালদা লৈরবসু থৌরম অসি অরেপ্পা লৈতনা ঙসিসু চয়োলগী লেপতনা শন্দোকপা অসিনি।

ওনলাইনদা পাংথোকপা ভার্চ্যুয়ালগী মালেমদা লাইরিক পাবগী থৌরম অসিদা ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী খোল্লোক্তা মীতৈলোনগী মমিং লৈরবা অইবা অইবী কয়া কয়াগী শৈরেং, ৱারেং অমদি ৱারীমচা তাজবা ফংজখি অদুগা লোয়ননা ওজাগী মশানা ইজবা ৱারীমচা খরসু পাথোকপদা য়াওখি। থৌরম অসিদা পাথোকখিবা লাইরিক্কি মশিং য়াম্লে, চাউবা-কমল-অঙাংহল, বিনোদিনী-

প্রমোদিনীগী মতমদগী হৌজিক্কী মতমগী মমিং লৈরবা অয়াম্বা অইবা-অইবীশিংগী লাইরিক অমম অনি তৌনা পাথোকখি, পাথোকলি ঙসিসু। অসিদা পম্বা য়াবদি, মণিপুরগী ৱাংমদা আসাম-ত্রিপুরা-বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈলোনগী অইবা-অইবীশিংগী শৈরেং-ৱারেং-ৱারীমচা কয়াসু খোমজিনদুনা শন্দোকপিরকখি। কয়াতা নুংশিনা মপানলমগী খোর্জেই পায়রিবা ময়াম্বুসু থিবিরকখি, মীতৈ লোন ঙাংলিবা ময়ামদা শকতাকপিখি অমসুং নুংশিনা লোয়নবিখি।

অসুম্না ওনলাইনদা মথং মথং মালেমগী মফম কয়াদগী অইবা-অইবীশিংগী লাইরিক কয়াদগী লামায় কয়া পাথোকখিবগা লোয়ননা অইবীনা মশানা ইথোকপা, অইবীগী পুন্সীদা হকথেংননা থেংনখিবা কাউঙমদ্রবা থৌদোকশিং ৱারী ওইনা ইথোকলগা নিংশিংৱারী ওইনা পাথোরকখি। য়াম্না নুঙাইবা, তেনতক তেনতক তৌবা মওংদা ইথোকপা ইচম চম্বা থৌদোক ঙাক্তনি। পুন্সীদা থোকখিবা কাওবা ঙমলরোইদবা থৌদোক ঙাক্তনি, ঐখোয়গী খুন্নায়দা নুপীগী পুন্সিদা থেংনরিবা থৌদোকশিং, ইমাশিংনা মচাগীতমক ৱাজবা, ইমুং মনুংগী অৱা-অনা কয়া থেংনরবসু লাইরিক তম্বা লেপ্তবা, অপনবা কয়া লৈরবসু মচা-মশুশিংবু মহৈ তমহন্বদা নিংহন্নদবা, রাজনিতিৱালাশিংগী ব্যবহার, মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক নুংতিগী থেংনরিবা সমস্যাশিং শেমজিন শাজিনবা নত্তবা মশাদা থেংনরকপা, তারকপা, উরকপা কয়াদা য়ুক্ষম ওইরগা ইথোরকপা ঙাক্তনি।

'ফাইন্ডিং দ্য ভয়েস' ওনলাইন প্লাটফোর্ম অসিগী লাইরিক পাবগী থৌরমদা অইবী মশানা পাথোকখিবা মেমোয়ার, নিংশিংৱারী তরুকখক তাজবা ফংখি, মীং ওইনা- (১) রিমস হোস্পিতালদুদা, (২) মন্ত্রিগী কোয়াটার্দা, (৩) ওজাগী য়ুমদুদা, (৪) ইচেচৌবী, (৫) মহাক্তনা ফরবদি অমসুং (৬) অউনশম্বী অমুবী। নিংশিং ৱারিশিংদুদা অইবীনা ফোংদোকপিখি, চোকথবা লৈতনা পুন্সীগী লান পুম্নমক থেংনবা, হোৎনবা কন্বা, নুপী হায়বসি অবলা নত্তে হায়বা পুকনিংদা ফাওহনখিবা অসিনি। য়াম্না হেনজিন্না চৎনবীগী মায়োক্তা লেপ্তুনা সমাজতা বিদ্রোহী অমগুম্না থোরকত্রগসু অহল-লমনশিংনা হায়বা ইন্দুনা অমদি খুন্নায়গী পুকৈদা লৈরগা মতমগী চৎনবীগী ইরাংদা তাউথদনা ইশাগী ওইবা ফিরেপ অমা লেপ্লগা তৌগে খনবা, তৌফম থোকপা থবক পুম্নমক তৌথোরকপা, ৱাখল চেৎপা নিঙোল অমগী মমীসু উজবা ফংজখি। অদুগা লোয়ননা, সংসারগী সমস্যা

কয়াগী মরক্তা লৈরবসু, অঙাং চেল্লবী মৌনহা অমনা মহৈরোয় অমা ওইজরবসু মমা অমা ওইবগী, ইমুং অমগী দায়িত্ব পুন্নমক পাংথোকনবা হোৎনদুনা মায় পাক্নুনা ইশানা পামজবা পন্থুংফম য়োবা ঙম্বগী পুন্সী ৱারীনি। ভার্চ্যুয়াল প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা, তাখিবা ময়াম্নসু ওজাগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুন অদুবু ইকায়খুম্নে। ঐসু চাউথোকচখি, মশিং লিকচরবা ঐখোয়গী সমাজ অসিদা ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রাম গুম্বা খোরিরোলদা কথোকপিরবা অমদি থৌনা হাপ্পিরিবা ইমা অমবু ফংজবা অমসুং অইবী অমবু থেংনজরুবা, খঞ্জরুবা।

অইবী ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী নিংশিংলকানুংদগী পুথোরকপা, ইথোরকপা নিংশিংৱারী অমত্তা লাইরিক্কী লামায়দা চেবাংদা, চেফোংদা ছাপা ওইনা ফোংবা অমুবা কালিনা ইথোকপা অমদি অদু পারুরগা থম্মোয়নুংদা ইদোমতনা শাগৎপা কল্পনাগী ইমেজরি পুথোকপগী তাঞ্জামক ফংবা ঙমদ্রবসু, অইবীগী খোল্লোক্তগী কাউঙমলোইদবা ৱারীশিংবুন খরদি তাজবা ফংজখি। অইবীনা মশাগী ইথোকচবা নিংশিংৱারী পাথোরকপদা, হৌখিবা পুন্সীদা হকথেংননা থেংনরকখিবা অকি-তুজুংলবা থৌদোক কয়া অমুক নৌহৌননা নিংশিংবা, ঈকায়-হঙ্গোয়বা অমদি পুক্নিং নুংশিরবা তাঞ্জা কয়া, ক্ষেনফম কয়া তনিক তনিকলবা খোঞ্জেলদা পাথোরকপা মতমদা মালেমগী মফম কয়াদগী য়েংলিবা তারিবা ওদিয়েন্স ওইরিবা ভাবোক পুন্নমক্কী থম্মোয়বুসু শুমহৎখি। ঙসিসু ঐগী নাকোংদা তান্থা ওইনা য়ৈররি অইবীগী পুন্সীদা থোকখিবা নিঙমদ্রবা থৌদোক কয়া অমসুং পুসীলম্বীদা থেংনরকখিবা পুক্নিং নুংশিরবা ৱাথোক কয়াগী পাউদম্বদা অইবীগী খাম্বা ঙমদ্রবা মীৎলু পিরাং হৌজিকসু শং শং উরি ইমাংমক্তদা। তৌববুদি, অইবীগী হোৎনবা কনবা, ইরাইবকতা তমলুরবনি হায়বগী মহুৎতা শিংনবা অমগা লোয়ননা ইশাগী পামজবা লম্বীদা পুন্সী খোংশানবা অমদি মিনুংশি চেনবা থম্মোয়গী পাউজেল পুবা ৱারী কয়াদুনা অমুক্কসু অইবীগী অতোপ্পা নিংশিংৱারীশিংদুসু পাজনিংখি, মীয়ামদসু তাহন্নিংখি। অইবী ওজা সরোজ নলিনি খোমদ্রামগী হৌখিবা পুন্সীগী নিংশিংলকানুংদগী থোরকখিবা খোইথুম্নরবা ৱারী অতৈসু ইবিরক্তুনা ভার্চুয়েলগী মালেমদা শন্দোকপতা নত্তনা লাইরিক ওইনা পুথোকরপা ঙাইজরি অমসুং অইবীগী নিংশিংৱারী পুন্নমক পাবিরক্নবা খৌরাংজরি।



CamScanner



হামোম প্রমোদ

মৌলভীবাজার জেলাগী মনুং চনবা কমলগঞ্জ উপজেলা, আদমপুর ইউনিয়নগী হামোমখুল (ছনগাঁও) দা খৃষ্টগী ১৯৭১গী আগষ্টকী তাং ৮ নোংমাইজিং নুমিত্তা পোকখি। অপোকপগী মীং হামোম গোপাল অমসুং অপোকপিগী মীংনা হামোম ওংবী লৈক্ষ্যবতী দেবী কৌই। হৌজিক কানাদাগী সিটিজন অমা ওইনা মোন্ট্রিয়ালদা লৈরি।

হামোম প্রমোদ অঙাং ওইরিঙৈদগী শৈরেং-বারেং কয়া মণিপুরী অমসুং বাংলাদা ইবা হৌরকখি। বাংলাদেশকী চেফোং কয়া পুথোকপদা হকথেংননা শরুক য়ারম্মী। হৌজিকনা 'কথা' কৌবা বাংলাগী লিটারেরি ম্যাগাজিনগী ইদিতর অমসুং 'মণিপুরী মিরর' ওয়েব পোর্টালগী এদিতর-ইন-চিফ ওইরি।

ফোংথ্রবা লাইরিকশিং

ব্রাখলগী নাচোম (শৈরেং, ১৯৯৫)
মণিপুরী সাহিত্য ও সংস্কৃতি (প্রবন্ধ, সম্পাদনা ১৯৯৭)
বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী শৈরেং (সম্পাদনা ২০১২)
বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী ৱারেংশিং (সম্পাদনা ২০১৭)
নাকেন্থানা লাকপদা (শৈরেং ২০২৩)।

অ্যাওয়ার্ড
'সোনামণি মেমোরিয়াল অ্যাওয়ার্ড ২০২৩'

CamScanner

## হামোম প্রমোদকী ৱারেং লাইরিক
## বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং অখন্নবা ৱারেং

'তেউড়ি প্রকাশন'না শৌনা ফোংদোকলিবা লাইরিকনি হামোম প্রমোদকী ৱারেং লাইরিক 'বাংলাদেশতা মীতৈলোন অমসুং অখন্নবা ৱারেং'। লাইরিকসিদা ৱারেং ১১ য়াওরি। মসিদা য়াওরিবসি বাংলাদেশতা মণিপুরী লোন-নাৎকী ফিভমগা মরী লৈনবা ৱারেং অহুম, বাংলাদেশকী অহল অমসুং নহা ওইরিবা কবি অহুম- শোণী (থোকচোম মনিহার), কল্লৌজম সুরজিত অমসুং চিংখৈ অঙোমগী শৈরেং-ৱারেংগী মথক্তা লৈনবা ৱারেং অহুম, ২০২০ খ্রিষ্টাব্দদা নোবেল পুরস্কার ফংখ্রবী আমেরিকান কবি লুইস গ্লুক'কী মরমদা অমা, য়াম্না শন্নাইরবা সিনিয়র চাকমা কবি অহুমগী মরমদা লৈনবা অমসুং নোর্থ আমেরিকাদা মৈতৈ খুন্দারকপগী লৈনবা ৱারেং অমা। মসিগা লোয়ননা ভানুবিল ড্রামাগী মতাঙদা অমসুং মণিপুরগী অইবী সরোজ নলিনী থোমদ্রামগী মতাঙদসু আর্টিকল অমা য়াওরি।

বাংলাদেশতা মণিপুরী লোন-নাৎকী মতাঙদা অইবনা মণিপুর অমসুং মপান মণিপুরগী অইবা, ৱাখল খনবা মীওই কয়াগী মমল লৈরবা ৱাফম-মীৎয়েং কয়াদং লৌখৎতুনা য়াম্না ফজনা অমসুং কুপ্না নৈনদুনা মশাগী ওইবা মোত অমসু ময়েক শেংনা ফোংদোকপী। অহল-নহা পুন্না বাংলাদেশকী কবি অহুমবু নিংথিজনা শক তাকপা অমসুং মখোয়গী খুৎইবু নৈনবগা লোয়ননা হামোম প্রমোদনা অপাবশিংবু নোবেল লোরিয়েট লুইস গ্লুক'কা শক খঙনহন্নবসু হোৎনখি; চাকমা কবি অহুমগী খুৎইবু শক তাকপগা লোয়ননা বাংলাদেশকী চাকমা সাহিত্যগসু খরতা ওইরবসু শক খঙনহল্লি। অরোয়বদা মহাক্না নোর্থ আমেরিকাদা মৈতৈ খুন্দাখিবগী ৱারি-ৱাথোংসু কুপ্না নৈনবিরি। শম্না হায়রবদা, লাইরিক অসি হামোম প্রমোদকী য়াম্না মতীক মগুন লৈরবা লাইরিকমনি অমসুং অপাবা ময়াম্না লাইরিকসিদগী শোয়দনা মমল লৈরবা মহাও তংবা ঙম্বিগনি।

এ কে শেরাম
কবি অমসুং অইবা
প্রেসিডেন্ট, বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ

Bangladeshta Meeteilon Amasung Akhannaba Wareng
A collection of Manipuri Essays by Hamom Promud
Published by Teuri Prokashon
January 2025, Price: 300TK & 20$ Intl.
ISBN-978-984-93246-3-8